গভর্ণমেণ্টকী মঞ্জেনা কোংক্ষা।

কৃষ্ণকুমারী-নাটক

বঙ্গ[illegible] কবি[illegible]রক।
শ্রীমাইকেল মধুসূদন দত্ত

শ্রী[illegible] [illegible]

কৃষ্ণকুমারী-নাটক

বঙ্গ কমল কবি অমর কবি
শ্রীমাইকেল মধুসূদন দত্ত

অনুবাদক
শ্রীলোরেম্বম্ ইবোয়াইমা সিংহ

প্রকাশক

শ্রীমতি সুশীলা দেবী

ৱাঙ্খৈ লোবেষম্ লৈকাই

অহান্ব সংস্কৰণ

ডিসেম্বর—১৯৬৮

কোপি—৫৫০

মমন্ ৪·০০

মুদ্রাকর

জে, এম, প্রিন্টিং ৱার্কস

মোইবাংখোম্ জন্মস্থান, ইম্ফাল

শান্তিপাঠঃ

ওঁ ভদ্রং কর্ণেভিঃ শৃণুয়াম।

ওঁ তাজসনু নাকোংনা মঙ্গল বাণী।

ওঁ শান্তিঃ ! শান্তিঃ !! শান্তিঃ !!!

উৎসর্গ

হে জননি, মণিপুরি ! কচ্চরি চনন্দা

নাচানা ইজব অমিত্রাক্ষর ছন্দদা,

অহুম্শুব নাটক কৃষ্ণকুমারী কোবা

নঙ্গী কাব্যভাণ্ডারগী লন্ অমা ওইনবা।

ইবোয়াইমা

Translated under the instruction of the Secretary Education Deptt., Govt of Manipur, vide his No. 17/ 1 / 66 /SE dated 7. 3. 1967.



মাইকেল মধুসূদন দত্ত

দত্তবংশ জাত কবি শ্রীমধুসূদন
যশোরে সাগরদাঁড়ি কবতক্ষ-তীরে
জন্মভূমি, জন্মদাতা দত্ত মহামনা
রাজনারায়ণ নাম, জননী জাহ্নবী।
বেদপক্ষ বসু বিধু খৃষ্টাব্দে শশী
থাকি বঙ্গে, স্বর্ণপুষ্প দিলা ছন্দ।

ভূমিকা

কৃষ্ণকুমারী নাটক —মাইকেলগী ঐতিহাসিক বিয়োগান্তক রূপক (A tragedy) অমনি। অমিত্রাক্ষর ছন্দদা ইর পদ্য অমসুং গদ্য—যান্নবনি। মণিপুরী বাবা ভাগ্যবতী লন অমা ওইনবা ইজবনি। মূলদি গদ্য চাকুন। শুনা পাঠকশিং দা লাক্নোবচরি। ইতি

অনুবাদক

মাইকেলগী যাথবর ঐতিহাসিক নাটক "কৃষ্ণকুমারী" শ্রীযুক্ত লৈরেন্দ্রম ইবুংচাযাইমা সিংহনা মণিপুরীদা পুথোক্পিরকপা সাহিত্যসেবা অমগী থৌদাং পা ংথোকপিরে। "কৃষ্ণকুমারী" মণিপুরী সাহিত্যদা শ্রীইবুংচাযাইমা সিংহগী মমল যাম্লবা খুদোল্নি। এনা আশা তৌই হয়াম্না অসিনা মাগী পুন্সিগী লেমিবা মতম্ থর অসি, ভ [illegible] কা মমল্ যাম্নবা লাইরিক্ শং ইবোন্দা পুথোক্পিবদা শীজিন্নবনি। "কৃষ্ণকুমারী", "পদ্মাবতী" ফংহনবিবগুম্না মণিপুরী নগারোল্শিং বু মচা-মনাওগুম্ হু শিবিদুনা ইয়াম্ম অসিনা মথং মথং মমল্ লৈব লাইরিক্ বয়া পাংহন্বিবকনি হায়না নিজৈ। ইতি

তাং ৫ | ৬ | ৬৭ ইং

শ্রীনীলমণি সিংহ
বোংবা বাজার

চরিত্রশিং

নিপা

ভীম সিংহ ... . উদয়পুরগী রাজা

বলেন্দ্র সিংহ .. . . মনাও।

সত্য দাস ... ... রাজমন্ত্রী।

জগৎ সিংহ .. .. জয়পুর রাজা।

নারায়ণ মিশ্র ... ... রাজমন্ত্রী।

ধনদাস ... . রাজ সহচর।

ভৃত্য, রক্ষক, দূত, সন্ন্যাসী—নচিংবা।

স্ত্রী

অহল্যা দেবী .. . . ভীম সিংহগী পাটেশ্বরী

কৃষ্ণকুমারী ... ... ” কন্যা।

তপস্বিনী, বিলাসবতী, মদনিকা।



৩-৫-৬৭

শ্রীচৈতন্যসিংহ নাম লৌরেম্বম্বংশনি।
জননী অরুণাবতী, জনক রিপুজিৎ॥
চন্দ্রাকাশ গ্রহ শশী খৃষ্টাব্দগী বসু।
থা, রস তাং, কুজবার বসুধা তম্বাক্তা॥

কৃষ্ণকুমারী-নাটক

ওঁ কাদম্বরীদা প্রণামজৈ

অহান্ন অঙ্ক

অহান্ন গর্ভাঙ্ক

জয়পুর, রাজগৃহ

রাজা জগৎসিংহ, মতুংদা পত্র পায়দুনা মন্ত্রী চংলব্পা

রাজা। আঃ কয়াত রাইচিল্লবা মিনিট অমা ফাও
বিশ্রাম তৌহল্লরোইদ্রা ঐহাক্‌পু নখোয়না ?
বিচার অমা নংমক্লা তৌনা ।

মন্ত্রী। মহারাজ,
পৃথিবীগী ভার পুবিরি ইতত্তত্তনা
অনন্ত দেবনা। সনা পুক্লিং লাঙতক্রবা
তৌবিম্নু মসিদা।

রাজা। হা ! হা ! মন্ত্রিবর, ঐগা
অনন্তদেবগা তুলনা তৌবা য়াবরা ?
লাইনি মহাক্তি, মী মচা অমনি ঐহাক্লা।
তূম্বা-হিপ্পা, চাবা-থক্‌পা, ঙহাক্নু পোত্থাবা-
পূম্নমক্সি নত্রবদি ফনা লুরে ঐনা
হিংদৌবসে। ফরে, তিংথোক্তুনা ঙহাক্তুংদি

লৈনিভিঙ হৌজিক্কি। সন্ধ্যা মতু দা পএশিং,
অসি যেংবা যানিদনা ? মুসলমাপ্তি না
নত্রে মহাবাগ্নি লাম্মী লা ন্দা ব ক্তি দ না
নগব অসিদা হৌজিক্কক্কি—

ধনদাস চঙলক্পা ধনদাস

নত্রা, লাউ, লাউ, মুঙাইবিত্রা ?

ধন । অজ্ঞা, মহারাজে
তোল্লবা ননাইনি। কবি অমঙ্গল লৈনি
ননাইগী, সনা চরণ কৃপানা ?

মন্ত্রী। মপস্তদা হা প্ৰল্লে,
খারেদা। খুৎ থাজিল্লবেনা ক া ক্ক জ ব দ া !
যাবরোই থবক্ অমত্তা, কর্ম্মনাশ, অসি
হেক্ লৈরিমখিদি। দূর ! চত্তম চৎলগেদা।
হৈনিংদবৈ মতু ইপ্পা বাদনবা তাক্পা।
খোক্খিবা

রাজা। অত্তুদি কবিনো ঈ পাঁচ, হায়ু ?

ধন। নোংক্তনা মহারাজ,
মধুপান তৌবিবেদো অ মু মু ক্ শিশিংনা
নিকুঞ্জ বন অসিগী লৈবাং খদিং শুনা,
অনৌবৈ মবক্তা থালি কেগে, শাগে লৃহিদাক্
নচিংব—লৈবাক্ খবত ঙাইবে মশক্ থিব।
কদায ? উত্রে নূপী অমত্তবু মহারাজে
মতিকৃচাব জয়পুব অসিগী মনুংদা।

রাজা। করি য়ানো 'তুদে? ঈশিং কংলত্রা সাগর?
ধন। করি হায়নি, মহারাজ! বিশ্রাম তৌদনা
চূপশিল্লব্দি অসিগুম্ব * অগস্ত্য মুনিনা
ঈশিং লৈগদরা অমুক্ সাগরদা?
রাজা। 'তুদি
মেঘরাজ 'সিগী করি, হায়ু উপায়নো?
ধন। অজ্ঞা, চিন্তাবিন্দু মদুইদমক্। বসুমতী
অসিদা অমত্তা নত্তে, তরেৎনি সাগর!
রাজা। নঙ্গী য়া তাবদা, ধনদাস, খোয়বাংলক্লে
য়াম্না ঐগী মনঃ অসি। করি উপায়নো
'তুদি হৌজিক্, হায়য়্?
ধন। অজ্ঞা, হঙ্গচ্চগে তুংদা
উপায়গী রাবম্। সনা মিৎয়েং তাবিখিসি
হান্নতুম্ চিত্র অসিদা। স্না মিৎয়েং তাহন্‌গে
অমুক্তং, পুজরক্পনি ঐনা মসি 'সিদা।
রাজা। (চিত্র যেংলগা)
বাঃ, কনাই প্রতিমুর্ত্তিনো 'সিদে? অসিগুম্ব
রূপ্তি উথিদ্রিনা ঐদি কদৌইদা।
ধন। করম
উদগে মহারাজনা? অসিগুম্ব রূপ্তি,
উবম্মোই কনামতনা কদৌইদে জগতা।
রাজা। হোইনে! আঃহা! চমৎকার রূপ্পি কয়াতনো!

* পুরাণগী অগস্ত্য মুনিগী য়ারি।

ধনদাস, পৃথ্বী করম্বদা শাংলিবনো
কমলিনী অসি হাযবা ভমগদ্রা ঐভোন্দা ?
হৌজিককু পাইখ্রগে ঐহাক্ অমু ওইববদি
মাগী নাক্তা মুংশিত্তোনা।

ধন। অদুক্ হাথ হাথ
ত্তৌবদা কবি কান্ননি মহারজ ? মসি
য়াম্না লায়ব থবক্ নত্তে। অমৃত অসিদি
চন্দ্রলোক্তা। রুদ্র চক্র লৈবি দিবানিশি
মসিগী মাইকৈ মবিদা। তুমিং-কাও ফাওবসু
পাইশিন্না ভমদে মসিগী নাক্তা।

রাজা। কদৌদনা :
রাশিদু কশিনা, কাগু

ধন। অস্ত্রা, মহারাজ—

রাজা। হায়ুনা হে! কৈদৌই ? কবি দোষ লৈগে?

ধন। উদয়পুরগী রাজনন্দিনীনি মহাক্
মহারাজ,-- মাগী মমিনা কৃষ্ণকুমারী!

রাজা। ইককুত্রা
অং অং! ... য়ংজুনা
ধনদাস, ন না হাবখিবদাই, *সুধা
অসিদি চন্দ্রলোক্তা লৈ, অচুম্বনি মহু।
অ:হা! রাজসিংহ কয়া কয়া পোক্পিখিব
অচৌব বংশ অদুগা বংশ'দুগী মিংচৎ—

---

* অমৃত

মনম্না ভারত ভূমি অ সি শিঙ্গুংলবা
পুন্সিগী, বংশ অত্তুদা উপমা লৈ ত বী
'সিগুপ্ত্বী কা মি নী পোক্ত্রুবদি, পোক্লদগে
কদায়দবু ? পারিজাত লৈরাং শে স্বি র ম্ব
নন্দন কানন্দা বিধিত্তুনা শে ম্বি র ম্মে
কুমাবী অ সি বু উ দ য় পু র গী রা জ
কুলগী লাইবক্কী টিকা ওইনা অঃ হা য়েঙু,
ধনদাস—

ধন । সনাযাথং—

বাজা । নংবু বংশ মণি
বাপ্পারায 'সিগী নাম অশেংব খ ও ব রা?

ধন । অস্তা, খণ্ডজদে ।

বাজা । মী খ্বাইনা বাপ্পা খোল্লি তবাম্
তবাম্না মহাপুরুষ অ ত্থ বু; ম হা ক্কী
অশেংব নামদি শৈলরাজ কৌই । আঃ হা ।
শৈলবাজনি হায়বদো— খণ্ডলেদমা শেংনা
চিত্র অসি হেক্ উবদা !

ধন । করম্না, কবম্না,
মহাবাজ ?

বাজা । মূর্খ মার্কা । ভগবতী গঙ্গা
পোক্পিখিবদাইনে শৈলবাজগী শঙ্গায়দা !

ধন । যথস্তুদা
খোইদদি থুরে ঙা ভায়া । যেসা-উপায়না

হৌজিক্ মাবু কংফান্ য়ৌহল্লগা লোইবেদনা।

রাজা। য়েঙ্ ধনদাস!

ধন। সনা য়াথং, মহারাজ!

রাজা। চিত্র অসি পীরোদো নং ঐঙোন্দা —

ধন। ননাইদি,

মহারাজ, ননাইনিনা; লৈজব পুন্নমক্ মহারাজগীনি। অ ডু দ্র ক্কা — অড্রক্কা —

রাজা। অডুদ্রক্কা, হায়ু —

ধন। অক্কা— ননাইগীদি •ক্তে চিত্র অসি; ওইবম্বদি কংলম্লি হৌজিক্লক্ মহারাজ স্না চবন্দা। ঐগী বন্ধু অমা উদয়পুবদৈ লা ক্ ই ন গ ব অসিদা। চিত্র অসি মা না য়াল্লবগী পী র ম্ব নি ঐঙোন্দা।

রাজা। ফৈদনা মতিক্ চাব মমল্ নঙ্গী বন্ধুদা পীরগা অডু নঙাইদনা?

ধন। মথস্তদা। কৈদা লিংকদগে? থুবেদনা হন্দক্মুক্তি লাংদা কোংনা অক্কা, কৈদৌ য়াবোইদগে? য়োল্লবগী লাক্রে মহাক্; মমল্ মতিক্ চানা ফংলবদি কৈদৌ-পীরোইদগে? অডুক্রক্কা, খর য়াম্মন্মাল্লে মানা হায়রিবা মমন্দো।

রাজা ধনদাস, চিত্র

অসিদি ম ম ম্লা ই দ ব ব ত ন অমনি।
ক্ষবে, হায় তাসি, কযা হাযবি নং-বন্ধনা?

ধন। মথন্তদা

মমম্লাইদব বত্নকো? 'তুদি কৈদৌ অ মু ক্
কিকদগে? ফোংনা

মহাবাজ, মান' লৌ।ি দি
মোহব লিশিং বুন্। সিদ ভানা কিং.তা
যোন্নিংদে। মী যান্না লিশিং তবা তকক্ যাওবা
হুল্লম্মে. অহুবু মানা মহুদা—

রাজা। ফ বে নে,
পীবা ভাদেনা মানা হা।বিবদো। 'তুদি।
ট্রেক্তবাবদা সেসে ঐ চিঠি অমা পীগে,
মঙোন্দগী পৈশা অসি লৌবগা পীকচো
নঙ্গী বন্ধদা। কদায়নো? ই খোংনব পোচে
অমত্তা লৈতেনা সিদা।

ধন। মহারাজ, স. -
যাথ' লৈ ব ব দি পু জ ব ক্কে পুন্নম ক
হৌজিক্ হেক্ ননাইনা।

বাজা। পুবক্উ অহুদি।

ধন। অস্তা,
পুজবক্কে। গোপ'শাব

বাজা। মথন্তদা মহাবাণা ভী ম সিং হ ম ক্কী
অসিগুস্ব সুন্দবী কন্যা'মা লৈ- হা য় ব সি

মণ্ডদস্নু মণ্ডলমদে ঐদি। হে * রাজলক্ষ্মি, নং
ঋষি অথোইব কনাগী শাপ্তগী লৈরিবা
সমুদ্রে লৈখা অসিদা ?

মুব্ফু-কলম-নচিংবা পুত্রনা ধনদাস অংক্ চঙলক্পা

ধন । লৈজরে অসিদা,
মহারাজ। রাজা কম্বা অমস্নুং ইবা মথন্তদা
মহৈ য়াম্লে অহৌব মক্তদা
মন্ত্রণাগী। যেংবা তারে হৌজিক্ করি তাবা
মমৈদা দোষদি লৈরোই খুজিন্ থৌরাংদদি।
অন্তবু অতৈ কবিস্নু ওইদ্রবস্নু, খঙলে
কান্নেদো নোংমতা লেল্লবস্নু ভুরাম্বগী
কন্তুববু কবি লৈগে ? খরচ তিংদনা
কয়াত তোংলবা ?

বাজা। লৌবো সেসে! পত্র পীবা

ধন । মহারাজ,
শ্রীযুৎ দাতা কর্ণ মক্লি!

বাজা। ঐঙোন্দা নংননে
পীরিব মমল্লাইদব রত্ন 'সিগী দমক্
পুন্সিগী লম্মন্ তোল্লেদো নহাকী ঐহাক্লা।

ধন । মহারাজ, ননাইনিনা শ্রীযুৎকী ননাইদি!
সনা বুদ্ধি তৌবিয়ুদো, ননাই সিগী মহ্বা

* দুর্বাসাগী শাপ্তগী লক্ষ্মী স্বর্গদগী সমুদ্রমথাদা লৌথি। সমুদ্র মন্থন্দা স্বর্গদা অমুক্ হন্খি।

লৌ বি ব ব দি শ্রীযুৎনা, নৃপী রত্ন অসি ফংবিগনি ইবাই লাইনা।

বাজা। হোগৎলগা করি, অওইবরা, ধনদাস? ঐগী-;ই বা ই ব ক্তা থোক্কদরা ম হু ম্ম বু?

ধন। মহারাজ, উদয়পুরগী— বাজকুমাবীগা বিবাহ তৌ ন বৈ ইচ্ছা ক্ষো.দোকৃপমক্তদা, শিরিযুৎকী আ শা অতু— মহৈ য়ান্‌গনি শোয়দনা, চিংননিঙাই লৈতে। নবুধৌশিংস্তু বিবাহ তৌথি কয়া ক যা বংশ অসিদা; অতুগা শাগৈদা, ই জ্জ ত্তা শক্তা, গুন্দা—হিরম্ পূন্নমক্তা শি বি যু ক্তি যোগ্য পাত্রনি কুমারী কৃষ্ণাগী। *কৃষ্ণাবু পৌবব মণি পার্থদা পীনবৈ খৌ রা জু ম্ মহাবাজ দ্রুপদনা, তৌগনি ম হু গু ম্ মহাবাজ ভীম সে ন্স্ শিবি যুৎকী নাম ত্তাবদা।

বাজা। হোই—উদযপুর বা জ বং শ দা বিবাহ তৌরম্মী—চু স্মী ইপা-ইপুশিংনা; ’হুবু মহাবাজ ভী ম সে ন গর্ব য়া ম্মা ত্তৌই; বিষয়সি মানা য়াবিদ্রব্দি, ঐগী মান লৈবরোইদো অতুদদি।

*মহাভারতকী প্রসঙ্গ

ধন । মহারাজ,

সূর্য্যবংশ চূড়ামণিদি শ্রীযুক্তি ! পুক্চেন্ চাউবশিংদি থো রা শাদে নম্নবু মশাগী মতিক্ মগুণ্ণী মবমদা । মরম্ অত্থুদগী খঙ্বিদবনি শ্রীবুৎনা শ্রীযুৎকী মাহাত্ম্য । থো শা ব ম্ দ ব রা দাশরথিবু জনক *রাজানা ?

রাজা । চিন্তা ভৈরগা আচ্ছা অত্থুদি নং অমুক্তং কোদো মন্ত্রীবু ।

ধন । স্মা রাথং, মহারাজ !

লোক্শিখা

রাজা । মথস্তদা মেঙ্গে, মোত কশিনো মন্ত্রীগী । থুৎ-পাক্ থিংজিন্না হৌনদে বিষয় অ সি দা। ভী ম সিং হ না মসিবু রাখিরদ্দি-কেৎ লে দ না ঐগী জ ন্ম সি দি কমথব।

মন্ত্রীগা ধনদাস অমুক চঙলক পা

মন্ত্রী । সনা রাথং ঙৈ ব ব দি, ম হা রা জ, পত্র অমানিজং অদি ছঙচঙগে সনা মাঙ্দা

রাজা । মায়থোং মকারায়া

হু-হুক্ ! লুম্মক্ত্ যেঙ্গে সন্ধ্যাগী ম তুং দা । ফম্ হৌজিক্ । ঐগী অতোপ্পা রা অমা নৌনি

*রামঘণগী বারি

নহাক্কা তানগদব।

মন্ত্রী। কমগা তাক্‌পিসি মা য়াথং

রাজা। য়েঙ্. মন্ত্রী. মহারাজ ভী ম সিং হ গী মু মচা-মশু ককা লৈ-লাক্‌পরা ?

মন্ত্রী। অজ্ঞা, হোই, লৈ।

রাজা। নিশা কয়া, নূপী কয়া, খণ্ডবরা মহু নং ?

মন্ত্রী। অজ্ঞা খণ্ডজদে ননাইদি, ননাইনা তা ব দি রাজকুমারী কৃষ্ণাগী মমিংতনি।

ধন। চুম্বা

মহাশয়, রাজকন্যা কৃ ষ্ণা য়া মা য় ক্লৈ হায়বব ?

মন্ত্রী। হোই মীনা হায়নৈ— *যাজ্ঞসেনী স্বয়ং লেঙ্খবিরে অমুক্ হন্না পৃথিবীদা।

ধন। 'হৃদি

মহাশয়, এইখোয়গী ম হা রা জ গা রাজ— কুমারী অ সি গা লু হোং ন ব ক্ষী • রুক্সিগী হোংনবিত্রিবা ? প্র ত্য ক্ষ ন র না রা য় ণ অবতারনিনা ম হা রা জ ম ম্ব্।

মন্ত্রী। ক রি

চিংনদগে ! অহুদ্রক্তা বাধা খরদং লৈ মসিদা !

রাজা। করি বাধানো ?

---

* দ্রৌপদী

মন্ত্রী। অজ্ঞা, মহারাজ,
†মরুদেশগী স্বর্গীয় বীরসিংহ রাজা
অতুগা রাজকুমারী 'সিগা লুহোংনবৈ
হায়ন-খোংনরম্মী; তুংদা অকালদা মহাক্
লৈখিদবদগী-পাঙথোক্‌খিদ্রে থবক্ অতু।
মথং মথং অস্থম্ ঐনা তায়, দেশ অতুগী
হৌজিক্ পাল্লিব মানসিংহনা লুহোঙ্গনি
হায়রি কন্যাসিবু।

রাজা। অচুম্বরা ? থীক্লেম্বনা
থা লাম্মবা ! মানসিংহ-অসিনি মরুম্বী
অমগী য়োক্‌চব মচা,—খ্বাইনা খঙিও রাসি।
অতুগা লুহোংনিংলিবা কৃষ্ণকুমারীবু
মানা ? কয়াত ঙক্‌খ্রবা ! ফত্তব রাবন্নু
যোগ্যপাত্ররা বৈদেহী *জানকীগী ? য়েঙ্।
মন্ত্রি, উদয়পুরদা মী থাও, নং হৌজিক্কক্ !
রাজকন্যাসিবু লুহোঙ্গনি ঐ শোয়দনা।
হৌগৎলগা
করিগুম্ব অত্যাচার তৌরবদি 'সিদা
মানসিংহ-তুনা ভোক্লোইদবনি খক্ ঐদি
মতিক্ চপ্‌চাব দণ্ড পীদনা মঙোন্দা !

মন্ত্রী। ধর্ম্মাবতার ! হৌজিক্‌পু ইমুং মনুং খৎন-
চৈনব মতম্রা ? য়েংবিয়ুদো, মাইকৈ মরি

*রামায়ণগী প্রসঙ্গ † মারবার

নোংম-নোংমৈ কন্থৎলক্লি দেশ বৈবিদল।

বাজা। অঃ হা! দেশবৈবীদল! ন ম পুনম্বাও ডাওবে দেশ বৈ বী দ ল ি বাখং থ ম্ব দ গী। অমনা দিল্লী স ম্রা ট, হ লৈ ত ব লী ন্নি মহাক্তি হৌজিক্। অ া ম হা বা দ্ধি শি ঙ্গী বাজা হাযবা যান্না পা ভা শন থুম থনতন ফংলবদি হেক্তা পেম্বা মাদি। তুনা চ ু । হৌজিক্ নং বিশি ক দন ন । কবি ম তি ব্ লৈদগে মানসি হগা, না ঐগা মূকবা ?

দন। ম পা ক্ষনা দাসবু, ম হা বা জ, তুদি যবোইদা থাবিবনদি ?

বাজা। না পান্ন। যান ফৈ। কাতুদি । জাং পব কেবানি দি মহাম কনি নি নং চপ্পদা ? রান

যেহ্ , নি দি দল

ধনদাসবু থাখোদো।

মন্ত্রী অজ্ঞ, ম হা বা জ।

ধনদাসবোম্বদা

মহাশয, 'তুদি ঐগা চংশসি ল কি বা। লেপ্পকরসি বি ষ য অ সি গী তো দ ব অমা।

রাজা। চৎলো, ধনদাস।

ধন। অজ্ঞা, মহারাজ।

মন্ত্রীগা ধনদাসগা থোক্‌ইগবা

রাজা। (কায়চচ্‌ৎলগা, মথন্তদা)

অ: হা, ঐগী ইবাইনঙ্গা লৈরিব্রা অতাঙব রত্ন অসিগুম্ব? করে য়েঙ্গে, বিধাতা না করি তম্বা। ধনদাস য়াম্না হৈ-শিংবনি; কর্ম্ম অসি ঙমদ্রবদি নিংথিজনা মানা, ঙঃদগে অতৈ কনানা?

ধনদাস অঃক্‌ চঙ্‌লক্‌পা

ধন। মহারাজ,—

রাজা। কৈনো.

কৈদোবে হল্লক্লবদি?

ধন। অজ্ঞা, রা অমদা মন্ত্রী মহাশয়গা মোং মান্নদরে ঐগা লাক্‌চরিবনি মতুগী বাজসনা মাঙ্‌দা।

রাজা। কনি রানো?

ধন। অজ্ঞা, ননাইগা বিচাবদদি সৈনা খব লোয়নবা ফৈ; 'তুবু মন্ত্রী নদি আপত্তি তৌবি মসিদা,—পৈশা য়াম্না তিংনি মতু তৌরবদি!

রাজা। হা! হা! হনুরক্লবদি অসুম্‌ পেং চোইরক্‌ই। 'হুদি মন্ত্রীনা পাম্মিব্দি

নং নথন্ত ৮ৎনু ?

ধন । অজ্ঞা, মহুদা ভাইদনা।

রাজা। কযাত ইকাইব ব্লানো! অমবোম্‌দা যাম্লা পোওল্পিবনি মহারাজ ভীমসেন, 'হুদা বিযয অসিদা সাদ্র খিওং হেক্‌ লৈ ব দা, থক্-খা ওল্লক্কনি ।

ধন । অজ্ঞা, অচুম্ব ব্লাফম্নি।

ননাইনম্ব হাযজবম্মি মহু ।

রাজা। আচ্ছা — হা য় ক নহাক্ মন্ত্রীদা রা অসি,— নহাক্কা লোয়ননা শগোন্ চানা, শামু মঙা, 'হুগা খোঙ্‌মী ল্লিশিং অমা থানবা। নাসদা লাল্লবদি—থবক্ থোক্লোই।

ধন ! মহারাজ, শিবিযুত্তি ইন্দ্রনি প্রতাপ্তা, কুবেবনি লন্দা, 'হুগা বু দ্ধি দ শ্ব স্বয় বৃহস্পতি অ ব তা ব! স্না বুদ্দি তৌবিনু, 'দেবরাজ বা স ব না স মু দ্র ম ন্থ ন তোহুনা, অমৃত ফং নিং ল কৃ পা মতম্‌'হুদা, মা-মথন্তন তৌবম্ব্রা হুক্‌ চাউব থবক্কু ?

রাজা। য়েঙ্‌ু, ধনদাস,—

ধন । ভাকৃপিসি স্না য়াথ —

রাজা। সে সে,

নংবু ঐনা থাবিবনি, দময়ন্তী না ক্রা
দূত থাবিখিবগুম্না নৈষধগী রাজা
নলনা বাজহংসবু । য়েঙু. ধনদাস,
নিষ্ফল ওইদনা । তৌকো ঐগী কর্ম্মসি ।

ধন । মহাবাজ, প্রাণ থাগদবা লৈববসু
শ্রীগুংকী বম্ম েবদা, তৈগাবনি ননাই
অসিদি : অদুন নিবেদন অমতং দি
লৈইজ স্নু চবন্দা ।

বাজা । পনিনিনা ?

ধন । মহাবাজ,
নল বাজা না থাখিন হসদ ও দি
সনাগী মশা পাম্নি.দা, নাইসিগা মদু
লৈব্রা মহবাজ ?

বাজ। । নো[illegible] [illegible] অসি ।

ধন । মহাবাজ, দা[illegible] [illegible] শ্রী[illegible] !

রাজা । অদুদি কাবগী [illegible] মপাদা
হায়রু নং, ওসিমন্ যাঞা [illegible]
তোনবা ! চ[illegible] খলগু । বলাস বানন্দা
চৎলগে ঐ হো[illegible]

ধন । মথম্দা [illegible]
চৎনিংব মফমদা । [illegible] ঞনা ।
কোবচচ্চৎপা

*মহাভারতকী বাগী *Pleasure Garden

ধনদাস অচম্ব মী নত্তে। কৈ দ গী নো
উদয়পুরগী বা নি য়া অ ম দৈ চি ত্র,
কৌশল তৌহুনা, ইখুৎ চল্লম্মেদো মমন্
ইয়াউ-য়াওদগুম্না, 'ছদৈ মহু য়োম্বোক্তুনা
য়াজাদা, পৈশা কয়াত ফংলবা ! সামান্য
বুদ্ধিগী কন্মরা 'সিবু। হা! হা! হা! মোহর
লিশিং কুন্! হা! হা! হা! ফরক্তগী খুদোম্পিম্ব
তোংজরবা ! যেংলগা

বাঃ বাঃ! চমৎকার মণি-নিনা!
ঐগী ইবুধৌম্ব উ বি ব ম্মো ই থক্ অম্বুম্ব
মমন্ য়াম্ব মণি! অমা-অমা ও ই র স ম্নু,
ধন্য ধ ন দা স ! কবি বিদ্যাবু তম্নক্পা!
পাম্পিশিংনা হায়নৈদনা—রবিদেবৈ সেবা
তৌহুনা গ্রহ ময়াম্না তেজ ফংজৈ মাম্নী
কৃপাদগী, নিংথৌ মনাইনিদনা ঐখোয়স্নু;
রাজপূজাদা ঐখোয়না পৈশা ফং দ্র ব দি
ফ দগে অতৈ কবিদা? অম্থা তৌদৌবনি!
অহুগানে, হৌজিক্ কাল 'সিদা পুক্চেল্ য়াম্না
তিংলবদি থবক্ য়াব্রা? কবিগুম্ব কান্দা
মাগী মিথ্যা গুণ শক্পা তাই; কবিগুম্বদা
দোষ-থৈজিম্বা তাই শন্দ্রুংদা; কনা অমগী
মনঃ নুঙাইহম্বা তাইদো ওইদব রা থর
ঙাওহুনা অহুগা কনা কনাগী ম র ক্তা

খংনহন্বা তাই অমগামগা ; সং সা ব গী নিয়ম মসিনিদনা । হা য় ব দি, যেসা 'মা তৌহুনা কার্য্য উদ্ধার তৌবা তাই ইশাগী । মহু তৌদনা, পুরিঙ্গী ব্বা হায়দোক্‌প মীহু মীয়া ? হুঁ । মাগী মনঃতু অঙ্কানি লেশ্যাগী থোঙ্‌জিন্‌গা । অপন্বা লৈতে । চঙ্‌নিং চঙনিং মখৈ চঙবা য়াই । অসিগুম্ব মীগীদি চিঙ্গাক্ ফংবা লুই ইহকালদা 'হুগা প র কা ল দ দি— পরকাল করি ? পরকালদদি মগা— মপু নির্বংশনিদনা—কৈদৌনি হায়রগে ? হা ! হা ! চৎলগে, হান্নানা খুৎ চনখিগে পৈশা-ময়াম্‌দো ; মতুংদা চংপা তাই মন্ত্রীগীনাক্তা আ: তম্‌থিব তিঙ্খং অমনি নহুস্ন অমক । আচ্ছা, য়েংবা তাবে, মন্ত্রা ভাযাগা মবুদ্ধি কয়া লৈবা । প্রস্থান

———

অনিশুব গর্ভাঙ্ক।

জয়পুর, বিলাসবতীগী য়ুম্

বিলাসবতী

বিলা। হযাত ঙবখুবা। কৈননো ঙসি মহারাজ অমুক্ থীল্লিবা ? স্বব শাংনাহোন্দোক্পা আঙ্গা— কৈননো ঐনা অমুক্ মুংশিবিবা *লম্পট জগৎসি হ অসিবু ? নব যৌবন অসিনা উং চাইদ্না পুন্সি চৃপ্পা মীনাই ওইহন্গে নীংলন্ব মী অতুগী—দাসী ওইংদেনা তম্থিব মদনগী খুজিন্না। ঐতুম্ উচেক্তোনা লাংদা হবববা চিঞ্জাক থিবদ ? মতু নত্রবদি কবিগীনো ঐগী মনঃ অমুক্ চবংনবিবা বাজা উদবদা ? স্বর শাং হন্দোব্পা বাজা লেঙ্লব্পা মতমদি ওইবেসে; ঙসি ঐগী শক্তি করম্ তৌন্বিবা কনা খঙ্নি ? মিংশেন্ মনাক্তা লেপ্পা

মদনিকা চংলক্পা

ফোংনা মদনিকা হায়বি, যেঙোবাউদা অমুক্ত, ভাই, ঙসি ঐগী ইশক্তি মিংশেন্দা কবম উবিবা ?

মদ। অংহা, ভাই, সনা-থম্বাল্ শুম্মেদনা অকব পুখ্রিদা শাংপা ভাইখোদা, পূন্নমক্ত, নৈখিসমু! হৌজিক্ ঐনা হায়গে লাক্লিবা য়াসিদম্ হান্না নিংথিনা তাখো।

বিলা। কবিনিনা, ভাই ? মহাবাজ লেঙলক্লমাল্ল ?

মদ। মহারাজবুবা! মহাবাজবু নঙ্গী অমুক্ নৈবিব্বা লেঙ্বিবক্লবা?

*নূপীদা ওক্তব

বিলা। কৈদৌদনা ? কবিগী ? করিব্রানো ? করিদৌরে, হায়ু তাসি—

মদ । করি অমুক্ তাগগে ? ধনদাস হায়বহ্, উরেদনা, মাবুদি নংনা মুন্না খঙ্দেদো। ইকাই-নাইদব মাগুম্ব বিশ্বাস-ঘাতক অনি শুববা ?

বিলা। করিগী ? কৈদোবে মানা ?

মদ । করিবু অমুক্ তৌদগে ? নংনা মাগী-উপকার তৌবিমখৈ মা নঙ্গী ওইরম্মী; হৌজিক্ মাদি লম্বী অমদা ফৈখরে।

বিলা। করি হায়রিবনো ? ঐদি নঙ্গী ব্রাসিবু কবিমতা খঙ্বা শুম্দবে।

মদ । কবিবু খঙ্গদগে ? নংবু উদয়পুবগী বাজা ভীমসেনগী নাম তাববরা ?

বিলা। কবিগী তাবোইদগে ? মহাক্তি হিন্দু চূড়ামণিনি ; মহাক্কী নাম্বু কনা তাদবগে ?

মদ । নঙ্গী প্রিয়বন্ধু ধনদাসনা, বাজাত্বগী মজাইবেম্মা কৃষ্ণাগা মহারাজগা লুহোংনবগী হোৎনরিয়ে।

বিলা। ব্রা অসি নঙোন্দা কনানা হায়বিবা ?

মদ । কবিগী ? নগব অসিদা নং নঙনা, ঐনা অম্মুম্ খব্বদা, ব্রা অসি খ্রাইমক্ খঙিও ! ধনদাস মশামক্ হয়েং অযুক্ ঙস্তানা উদয়পুবগী যাত্রা তৌগদৌরি বিবাহগী ব্রা-বান্ ঙাঙননবগী। কৈনো কৈনো ? নং কপ্লবোইরে ? ছি ! ছি ! ব্রা অসি তাবদা কপ্পা হৌনবরা ? মহারাজদি নঙ্গী স্বামীদি নঙোনা, নংনা করিগী লোন্নবীবু কিদৌরিবা ?

বিলা। চংখ্রো, নং হৌজিক্ চংখ্রো— কপা

মদ । হাইমা! কৈনোসিদে? নমিত্তা পিবু লৈত্রেনা! ওস্তোক্-
পনিদা! ঐনা, ভাই, খুঙঙনম্লবদি, রা অসিবু অম্মুক্ নঙোন্দা
হাযবমদ্রা?—আদো, ধনদাস অসোম্‌দা লাক্লি। যেহেতু,
ভাই ন ননে বিষয় অসি থিঙ্গে নি লবদি মহুগী উপায়
হোৎনৌ। নমিত্তা ঈবা চেন্নতনদি কৈ কাম্লনি? নঙ্গী
নমিত্তা পি উবদা মহারাজনা খুশি বিদবা, নত্রে ধন-
দাসনা কিদবা?

বিলা। লাউ, ভাই, অহুদি ঐখোয খর থৈদোক্‌লা লসি।
ধনদাস আদ লাকে যে সিদো, মানা অসিদা থাক্লগা
কৈদৌরবা? মকমদা লৈবা

ধনদাস চঙলক্‌পা

ধন । মথন্তদা হা! হা! মন্ত্রী ভায়ানা ঐগা লোয ন না
সিফাই নযান থাবা যাম্না ধাদবান, অহুবু ঐনা থাজিন্
অমা তৌবদগী ভাযাস্থু মমৈদদি ঐগী মোত অহু যাবে।
হা! হ! রাজামক্ ওইসনু অহুগা মন্ত্রীমক্ ওইসনু, ধন
দাস॥ লাংদা ওম্নমক্ থুবা তার্বানি। ঐমন্না হুশাগী
থবক্তোদ কাউদবা! হাযবদি অহাংবদা সিফাই শঙ্গুগী
খবচ॥ ফঙ্গদব পৈশা অহু খুৎ চঙ্‌ক্লিনগদবনি: অহুগা
লংখৌদা যেসা মফমদা ফঙ্গদবহুস্থু থাদোক্লোই। মী অম্মুক্
যাম্না লোবনরগনু অমুক্ কিগদ্রা? চিন্ত তৌরগা মহা-
রাজনা বিলাসবতীবু মু শিলস্থা অহুদি নোংম নোংমগী
হুম্ববক্লে। হৌজিক্লি কবি তৌমদগে? মঙোন্দগী ঐগী

উপকাব কবিমত্তা ওইবা যাবরোই। অভুক্রক্তা—নূপীসি পবম সুন্দবীনি। ভাল—অমুকুং কবিগী য়েঙেঙাই? ফোংনা কনা লৈ? বিলাসবতী কদায় লৈ? কদায়, কনাগু খুমদেনা?

বিলাসবতী অমুক্ চঙলক্পা

বিলা। কৈনো, ধনদাস? করি খল্লুরিবা, হায়ুদনা অসি?

ধন। কবিবু অমুক্ খন্দগে, ভাই? নঙ্গী অঙকৃপ কাপকী রাখস্ত খল্লম্মীবা।

বিলা। ঐগী অঙকৃপ কাপকী রাখল? রাহৈসি নঙোন্দা কনানা তাক্পিরকৃই, হায়্দো?

ধন। কনানবু তাকদগে অমুক্, ভাই? ঐগী ইমিং অনিমক্তা তাক্পিরেদনা।

বিলা। বেশ। বেশ! হে ধনদাস, নংশে *রসিক পুরুষ অমদি ওইবেদনা?

ধন। ভাই, ওইদনদি করিদি ত্তৌনি? য়েঙঙ্দনা, গোবীগী চবন্না শোক্পদা নূং অমা মহারত্নদোনা নিংথিজৈনা, ধনদাস 'সিদি নংমক্কী দাসনিদনা!

বিলা। আচ্ছা ধনদাস, নং নত্ত্রা মহারাজ স্না খুত্তা চিত্র অমা লূপা লিশিং কুন্দা যোল্লি হায়ত্ববো?

ধন। ঐ—নত্তে-নত্তে। রা-অ-অসি নঙোন্দা কনা হায়রিবা?

বিলা। অমনবু হায়সন্নুনা কৈদোই? রা অসি সত্যানিদনা?

ধন। নত্তে, চুম্দে। অসিগুম্ব রাবু নঙোন্দা কনানা হায়রিবনো?

---

*রাহৈ রাত্তা মুঙাইব, Humorous

ন স্নুনেদো ভাই ! আজকালদা লুপা লিশিং কুম্ব্ কনানা কনাদা পীনবগে ?

বিলা। সিনা অমুক্ কংনো ? নংনা ভাই, খুদোপ্ অসি কদাযদগী ফংলুবা ?

ধন। মথন্তদা আঃ, নুপীসিদে, প্রোক্ পোক্ চাক্হন্বা হোরেদনা ? কাংনা খুদোপ্সি মহারাজনা ঐতোন্দা থম্জিন্নবা পীখিবম্মা।

বিলা। অওইবা। অত্নুদি ব্রা হাযগে। যবে, ধনদাস, মরুভূমিনা আকাশগী ঈশিং ফংবদা যতন তৌন্না থম্বগুম্মা, নংনস্নু মহারাজগী কবিগুন্ব পোচ্চে ফংবদা চেক্শিন্না থম্মী, নত্রদো ?

ধন। কনা খঙ্নি, ভাই ? ননা বৈনো হায়বিবসি, ঐদি কবিমত্নু খঙদনা

বিলা। খঙেচাঙ বৈদৌ থঙ্গদগে ? নংদৌনা সরল ওইব মীদি অনি শুদে। এনা হাযবিবদি অসিনি—মরুভূমিদি ঈশিং তেব্ ফংবদা মত্নু চুকপ্ চুরুপ্ চুপ্শিল্লিদো, নংনস্নু বাজাগী কবিগুন্ব পোৎ ফংবদা মত্নুম্ তৌইদনা ? মত্নু চুম্মেদনা, হৌজিক্ অতে ব্রা অমা হঙ্গে। উদযপুবগী বাজকন্যাগা মহাবাজগা ন্না নবা হোৎনবি হাযনা ন না ?

ধন। মথন্তদা সবনাশ শাবেদনা। কৈ-অমোম্ অসিনা কবন্না বা পুন্নমক্নি তাবম্বিনে ?

বিলা। কমদোবে *ঘটক মহশয, তুম্নিন্ লৈবিবোইরে ?

ধন। নচোন্দা ওইদব বা পুবগি কনানা হাযবিবা হাযুদো ?

*Match-maker

বিলা। ওইদব বা ওইরবা ? এনা নঙ্গা চালাকী অহু অম্মুক্ কুইবসিদা মথুংথিংনা থডলে, নংনা ঐডোন্দা চংলিবা ব্যবহার অহুগা রাডাং-শাডা পুন্নমক্ অহু মহারাজ স্না নাকোং য়োরবদি, নহাক্পু উদয়পুরদা ঘটক্কী থবক্ তৌ-রুনবা থাদহ্না, সিধা যমপূবদা থারম্মি ! খঙবরা মহু নং ?

ধন । হৌজিক্তি হায়রবনি মহু ন না ? নঙ্গী কবি দোষনো, ভাই ? কালগী ধর্ম্মনি মসি ! কলি কালনিদনা হৌজিক্তি ? উপ-কার তৌদো কনাগুম্বগী কাল অসিদা, মানা হন্না অপকার তৌই ! খন্দুনা য়েঙহল্লু, ভাই . নংনা কবি ওইবন্ম, অহুগা কবি ওইদ্রিবা। হৌজিক্ নংনা নুঙাইবা ফংলি বাজ ইন্দ্রাণীগী, কনাগা কৃপাননো মসি ? অদুনা হৌজিক্ ঐগী বিরুদ্ধদা চুগলি তৌরবদি চংনদি নবয়া ? ঐগী ফত্তবা হায়দ্রবদি নংমা, হায়দগে অতে কনানা ? কলি কালগী নৃপী অমনিদনা নহাক্নু।

বিলা। হোইনে, কলি কালগী নৃপী নেনা, অদুগা স্বয়ং কলি-অবতার নংনা। ঐডোন্দ নংনা মমাডৈগী রা নিংশিং-হন্নিংলি, অহুবু অমুক্তং খন্থহুনা য়েঙহল্লুদো পুন্নমক্ অহু নং নশানা। পৈশা পামহুনা নংমক্তা ঐগী ধর্ম্ম নাশ তৌখিবা নত্রা ? লাইরবগী মচানূপী ওইববম্ম ঐদি ধর্ম্মগী লম্বীদা চংলম্মী। হৌজিক্, ধনদাস, নংমক্তা হায়ুদো, কবম্বা দুষ্ট বেদনা চেন্না আসবু লাং থাংদুনা ফারব্লগা সনাগী পিঞ্জরা অসিদা থম্লম্বা ? কপ্পা

ধন । মংগুদা নূপী অসিদা অতৈ কারিম্মু হায়রবা ফবরোই ; মাদি

ন্না পুন্নমক্ খঙিঙ; অদুগা মহারাজনা তারবদি নাম্হোক্পা য়াররোই। ফোংনা ঐদিনে ভাই, নঙ্গী ফনবা নত্তনা ফত্তনবা থক্ তৌদ্রিনা; 'তুদি কবিগীনো নংনা ঐবু বৃথাদা শাউরিবা?

বিলা। অদুদি বিবাহ অসিগী থাফম্ কনানা হৌদোক্লব্বা?

ধন। অদুবু কবম্না খঙ্দগে ঐনা?

বিলা। কবম্না খঙদগে? ননা ঘটক ওইরি মসিগী, নংনা খঙদনা খঙদগে অতে কনানা?

ধন। হা! হা! নখায নুপাগী বুদ্ধিদি অহুনিদনা! তাও, ঐনা ঘটক ওইবিবাসদি থালি নঙ্গী উপকারগী দমক্তনি! ঐ চংলবদি বিবাহ অসি থোক্কনি হায়বসি নং য়ানিংববা? বিষয অসিদা নিঙাইদনা লৈথোক্উদা! মতুংদা খঙলক্কদবা লৈবে, ধনদাস নহাক্কী কবম্ব বন্ধুনো হায়বহু।

নেপথ্যদা কনা লৈ, ধনদাস মহাশয় যুম্দা লৈববা? মহারাজনা মাবু কৌবি।

ধন। তো তো তাও! ভাই; ঐ হৌজিক্ চৎলগে। নং বিষয় অসিগী কবিমতা চিন্তা তৌকনু। মহারাজনা বিবাহ তৌববস্থ ঐ লৈবিঙৈদা নঙ্গী চিন্তা করিমতা লৈতে। নঙ্গী নব যৌবন অমস্তুং রূপ অদুদি কুবেরগী ভাণ্ডারনি। মথন্তদা হৌজিক্ নশক্ যেংদুনা নুঙাইহৌরো; ঐদি চৎলে নঙ্গী নকোক্ শায়নবা! থোক্খিব্‌া

বিলা। স্বর শাংনা হোম্বা অমসুং মথন্তদা হৌজিক্ ইরাইবক্তা করি তম্লিবা, করিস্থ হায়বা ওম্দরে! কদায়? মহারাজদি

ঙসি লেঙ্‌লক্করেনা।

মদনিকা অমুং চত্তলক্পা।

মদ। কম্‌দোই, ভাই? ঐনা তাযবহু সত্য নত্তবা? অতদি হৌজিক্ মসিগী উপায কবিনো? বিবাহ অসি ওইরবদি, নংদি পুন্সি চুপ্পা মাঙজরেদো!

বিলা। কবি উপাযনো?

মদ। উপায কবি নৈতনি? করিদায নৈ? বনদাসনা খল্লি মাদোনা হৈ-শিংব মী অনি শুদে, অহুবু হন্দক্তি য়েঙ্গেদো মাগী বুদ্ধি কয়া নৈবা। নাউ, ঐগা ১ংনি যাউ। হুষ্ট অহুবু ঠকিবা থোইনা নুবা নত্তে।

বিলা। ফবে 'হুদি চংলসি।

অনিমক্ থোরকিবা

ইতি কৃষ্ণকুমারী নাটক্কা অহান্ব অঙ্ক।

অনিশুব অঙ্ক

অহান্ব গর্ভাঙ্ক

উদয়পুর সনাসঙ্গায়

অহল্যাদেবী অমসুং তপস্বিনী চত্তলক্পা

অহ। ভাগবতি, কবিগী অমুক্ হবিবিবা ঐগী অনাব-বাবু। ঐনা হিংতুনা নৈবিবিনবক্ ভগবান * একলিঙ্গগী কৃপা অদুগা ইবেম্মখোয়গা আশীর্বাদননিদনা? অল্লাবনি!

---

*মহাদেব

মহাবাজগী সনা মায়খোং উবদা ঐগী হৃদিসে শেং কাযবে!
ভগবতি, ঐখোযনা করি পাপ লাউজখিবনো, বিধা-
তানা অমুক্ খোশাবিদ্রবা ঐখোয়বু!

তপ। রাজমহিষি, সনা পুক্কি অছুক্ হাক্কা য়াংবিবোই। মসিনি সংসারগী নিযম্মক্। অমুক্ খু-ইবা, অমুক্ রাবা, অমুক্ হবাওবা, অমুব্ শৃব্ধবা ওইবিদনা! মীনা বাজভোগ হায়নরিবদে। ডাইবতা নত্তে। যেংবিযুদো, সমুদ্রদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎপ মীশি দ্না সদাই অংপ্প নুংশিং ইবোইনহুনা চৎপ্রা! নোংম বা ংং, নে ঁল বযা, নোং কযানা মতম্—মতম্দা এখোযগা লাগী যি লিবনি, মহুগী মশিং নাইববা ?

অহ। হৃদ শাংনাং পানগা ভগবতি, প্রলযগী নো-নুংশিং উবা মীতনা খজিভ, কযা। কব পোঙ্গ.এ। হায়বহ্! ইবেম্মনা ঐখোযগী অবাব দশাগী রা তাবিরবা, মহু ওইব্রবদি—

তপ। দেবি, সন্ন্যাসিনীনি ঐদি। সংসাব সাগবগী ঈথক্-ইপোম্না ঐগা নাকো, মখুন্দা চহ্বা ভুনদবনা নম্মি। অপ্রক্কা—

অহ। য়াম্না বানা ভগবতি, মহারাজগী মাংখোং লাংশিব্ব উবদা হিংনিংদবে। অ. হা! সনা হকচাং ' হু অমুক্কোইনা ইশা-কাহৎলে। বিগাতাগী মস্বিবু সংং নিন্দাবা!

তপ। মহিবি, সনামচুদি মৈশাদা অরুক্ হেন্না লজিঙ! অদুনা ইবেম্মখোযগী অপ্পাব দশা অসি ইবেম্মখোয়গী সনান হেল্হষা নত্তনা মগ্রেখক্ তাহল্লোই! যেংবিযুদো, স্বযং

ধর্ম্মপুত্র *যুধিষ্ঠিবনা কয়া ক্লাওবা অৱাবা থাঙ্খিদবগে।

অহা। ভগবতি, ঐগী বিচাবদদি রাজভোগ অসিদগী যাবজ্জীবন বনবাস তৌবনা হেন্না ফৈ! রাজপদবী লুঙাইব ওইবদবু কবিগী ধর্ম্মবাজনা রাজ্য থাদোক্কনা * মহা যাত্রাদা চৎলম্‌দরা?

তপ। হোই-মতু সত্যনি। ফরে, রাজমহিষি, য়া অতৈ অমা হঙ্গে; সিবি, ঈবেম্মখোয়না রাজকুমারীগী বিবাহগী মবম্‌দা কবি লেপ্পববগে, হায়ু ৎাসি?

অহ। কবিবু লেপ্পগবনো? মহাবাজগীবু বিষয় পুম্নমক্ অতুদা মন চঙলিববা? ঋব শাংন হোন্দোক্লগা ভগবতি, কবি অমুক্ হায়সিগে, ঐগীসু মতম্ খজিক্ত শংদে মহাবাজগী মফম্‌দা থারম অসি হৌদোক্লবা।

তপ। কবি য়ানো মহিষি? থবক্ অসিদা থৌশাদবা কবিমতা চুম্‌দেনা। সুকুমারী রাজকুমাবী কৃষ্ণাগী যোবন কাল ওইবক্লেদনা; অতুনা মতম্ অসিদা বিবাহ তৌত্রবদি কদৌডৈ তৌগদগে?—মহারাজ নত্রা অসোম্‌দা লেঙ-লক্লিবসে?

অহ। ভগবতি, মহাবাজগী মায়থোংদা অমুক্ত মুন্না য়েংবিযুদো! হা বিধাতা; হিন্দুকুলরবি অসিবু নংনা বাহুগ্রাস অসিদগী কদৌডৈ থাদোক্পিদগে? হাইরে, প্রাণ পুবা য়াদরে! কপ্পা

তপ। দেবি, তপ্থবিয়ু। মতম্ অসিদা ইবেম্মনা অতুক্ তয়াং-

*মহাভারতকী প্রসঙ্গ

তশোইনবা হৌনদে। মহাবাজনা ইবেম্মবু অবস্থা অসিদা উববদি কযা যাম্না স্না পুক্লিং নুঙাইবোই হায়বহ্ ইবেম্মমক্কা বিচার তৌবীদুনা।

অহ। ভগবতি, কন নবু হিংনিংবনো মহারাজগী দশা অসি—উবদা। হা বিধাতা, ঐনা কবি জন্মদা কবি পাপ তৌবক্কুনা নংনা যন্ত্রণা অসুক্ পীবিবা ঐঙোন্দা? কপ্পা

তপ। মথন্তদা অংহা। পতিগী অবাবা উবদা পতিনিংবী নূপীনা তংবাবা ওস্ববা? ফোংনা মহিষি, ইবেম্মা হৌজিক্ খব থৈদোক্কুনা লেপ্পিগে, মতুংদা খব ঈংলগা মহাবাজগা উনবিস্যু। মথং পা দুনা লাক্পিবো, মখাদ অনিমক্ খব থৈদোক্কুনা লেপ্পসি। ম ন্দা লৈবা

ভৃত্যগা লোয়ননা বাজা ভীমসিংহ চংলক্পা

বাজা। বামপ্রসাদ।

ভৃত্য। স্না যাথং, মহাবাজ!

বাজা। পত্র খবসি সত্যদাসদা পীবগী যেঙও, মঙোন্দা হাযবম্মু, পূম্নমক্ অসিগী উত্তর চসিমক্ থাদবা যাদ।

ভৃত্য। স্না যাথং, মহাবাজ।

বাজা। উত্তবগী মর্ম্ম কবি কবিনো হাযবত্থু পব খুদিঙ্গী লামংইদা ইববনি।

ভৃত্য। স্না যাথং, মহাবাজ। থে ১ পিবা

বাজা। মথন্তদা হে বিধাতা, অসিবা খাঙ্বনা বাজভোগ হায়নবদো!

তপ। চঙশিন্নগা মহারাজ, চিরঞ্জীবত্তু!

রাজা। প্রাণাম তৌহনা ভগবতি, অসুব্ কুইমবগী মতু দা ইবেম্মগী

পাদপদ্ম দর্শন ফংজনদা ঐ কয়ামুক্ নুঙাইজরে, করি অমুক্ হায়সিগে ? রাজমহিষীদি কদায় ? মহাক্পুদি অসিদা উদেনা ?

তপ। অজ্ঞা, মহাক্ অসিদা লৈবম্বগুম্ তৌবনি, হৌজিক্মক্ অমুক্ লাক্লনি।

রাজা। ভগবতি, ইবেম্মবু অম্মুক্ কুইবা কদায়দা লৈবিরুবা ?

তপ। অজ্ঞা, ঐদি তীর্থ কোয়বা চচ্চকই। মহারাজগী হিবম্ পূম্বদা মঙ্গল ওইবিবিদনা ?

রাজা। উবিবিবা অসিনি। ভগবান একলিঙ্গগী কৃপানা অদুগা ইবেম্মখোয়গী আশীর্ব্বাদনা রাজলক্ষ্মী হৌজিক্সু রাজগৃহ অসিদা লৈবিবি, অদুবু অসিগী মতুংদা লৈবিথিগদ্রা, মদু হাযবা লুবে।

তপ। মহারাজ, অদুগুম্ব রা হায়বা হৌনদেদা ? মন্দাকিনীনা কদৌঙৈ *শৈলরাজগৃহ থাদোক্ই ; কমলানা রাজভবন অসি ত্রেতা যুগ ফাওবা লৈবিবম্মী। শরচ্চন্দ্রগুম্না অন্নাব নোং কয়াদগী হন্না হন্না নাম্থোক্তুনা পৃথিবীবু মহাক্কী নিংথিজবনা নিংথিজহল্লি। অচৌব রাজকুল অসি হেক্তা মাঙবা য়াত্রা ? শ্রীযুৎনা অম্মুম্না খক্ খন্বিবোই।

অহল্যাদেবী অমক্ চঙলক্পা

লাক্পিসি, মহিষী লাক্পিসি।

অহ। রাজাগী খুৎপায়গুনা নাথ, অম্মুক্ কুইববগী মতুংদা অমুক্তং লৈমাকোন্দা স্না খোঙদাবিরে, মসিবু ননাই ঐগী য়াম্না

*চীং নিংথৌ সঙ্গায় হিমালয়

লাইবক্ ফবনি।

রাজা। দেবি, ঐনা নঙ্গী নফম্‌দা দোষ কয়া তৌরে, মন্থু খল্লুবদা য়াম্না ইকাই। অদুবু করিদি তৌনি? ঐনা খুসীনা তৌব দোষনা করিমত্তা দোষী ওইবা নত্তে। লাউ,প্রিয়ে, ফম্মু। তপস্বিনী রোমদা ভগবতি, ইবেম্মস্থু আসন্দা লেঙ-শিল্লিয়ু।

পূম্নমক্ ফম্বা

ভৃত্য অমুক্ চঙলক্‌পা

ভৃত্য। ধর্ম্মাবতার, মন্ত্রী মহাশয়না পত্র অসি স্না চরন্দা কৎলকুই।

রাজা। কদায়? য়েঙ্গে। পত্র পারগা আঃ, অস্থুক্ কুইরবা তুংদা রাজ্য অসিগী আপদ মতম্ খরগীদমক্ লৈত্রেদনা।

ভৃত্য থোক্‌খিবা

অহ। নাথ, মন্থু করম্ তৌদননো?

রাজা। মহারাষ্ট্রগী রাজাগা মওং অমা তৌতুনা সন্ধি তৌননবা হোৎনরম্মী। মহাক্না পত্র অসিদা অঙ্গীকার তৌরক্লে, মোহর লাক্ কুম্থ্রা ফংলবর্দি স্বদেশদা হন্‌খিগনি। দেবি, সংবাদ অসিদা *রাজা দুর্য্যোধনগী মতৌগুম্না ঐগী অরা-নুঙাইবা ওইরে। বৈরীবলগী মশক্ ঈচাওনা রাজ্য অসি থাদোক্পসি নুঙাইবগী বিষয়নিদি হায়ববু থাদোক্‌পগী হেতু অন্থু খল্লুবদা ঐদি ক্ষণ অমা ফাওবা প্রাণ পুনিং-দরে। স্বর শাংনা হোন্দোক্লগা অরাবনি! ঐসে ভুবন ফাওব শৈলরাজগী বংশধরনি, দুষ্ট, লোভী যঞ্জেব অমবু

---

*অশ্বথামানা দ্রৌপদীগী মচা মঙা হাৎপদা ফৈগন্ তেক্‌প দুর্য্যোধন্না অরা-নুঙাইনা প্রাণ থাথি। মহাভারত।

কিতনা ংশা পীত্নবা বাজ্য ভাবৃপা ভাববা ঐনা? তোল্লিদা ঐসে। অসিদগী হেন্না শাথিব ইজ্জৎ মাঙবা অতে কবি লৈবি?

তপ। মহারাজ, শ্রীযুক্ত পুন্নমক্ খংবিবিবনি। দ্বাপুবদা চন্দ্র-বংশ রাজা যুধিষ্ঠিবনা *বিবাট বাজাগী সভাসদ ওইদুনা মতম্ লেপ্পিখি। †সূর্যবংশ চূড়ামণি নলস্তু সাবথি ওই-বিখি। অসিনা পুন্নমা বিধাতাগী লীলা ভাক্কি।

রাজা। অজ্ঞা, চুপ্‌স্‌. চিংনবিভাই লৈবা?

অহ। মহারাষ্ট্রপতিনা তেঙ্গোল্ পাবনদুনা স্বদেশদা হব্বিখিবা অসিমক্ ভগবান একলিঙ্গগী কৃপানবি।

বাজা। মোমোন্দুনা দেবি, নবাবম অদুনা ঐখোয়বু পুমথা থাদোক্লম্লে হায়বসিবু ন য়ানি ববা? যঙ্গোম্মনম্ অমুক্তং থেংনখিব মকম্ অদুবু হাদানা থাদোক্কিববা? পৈশা লৈরক্কবদা মহাব্ পাংনুক্ হেক্তা লাক্কন, চিংনকনু।

তপ। মহারাজ, মাও-তুং-হাজকী কওা-ইবুঙো মহাক্ত্রনা শ্রীযুংপু মতুংদা কপা তোবিবান। বিষয় অসিদা শু শা থিবিরোই।

অহ। নাথ জঞ্জাল অসিদি লোইশিন্নরেদনা। হৌজিক্ক ‡নঙ্গী কৃষ্ণাগী বিবাহগা মবংদা স্না পুম্নং ভারো।

বাজা। মন্ত্রীদমক্ অস্তুক্ ভাগ হাথ্রবগী দরবার কবিনো?

অহ। কবি হানো, নাথ? অস্তুক্ চাডব নৃপী মচা অসিবু

---

*মহাভারত বিবাট পর্ব †মহাভারত নল দময়ন্তী প্রসঙ্গ।

‡ইমং-মমুংদা নং-মা শিজিন্নবা।

অমুক্ত্রু ... দনা থগ্না হাবিনবা ? নেপথ্যদা থাঃা বংশী ধ্বনি

রাজা। কবিনো সিদে ? অঃহা ! বনানদো বংশী ...লিবা ?

অহ। যেংলগা আত্থু নঙ্গী ... লোযনহুনা লৈকোন্দা শান্নবি।

তপ। অঃ হা ! মহারাজ, ... বনদেবীগা মাগী সহচরীশিঙ্গা লোযননা ... কোনিলাগে।

অত। নঙ্গী, নাথ, ... 'সিদৈ ... লাক্কুনা ?

রাজা। ববি দানো, ... ?

অহ। মহারাজ, ... অতৈ যবন রাজ অমনা, ... নলিনী অসিগী ... কনিগী নবনৌ ভীমসেন ... বাবি ...বিবিবা ?

...

রাজা। বা বা, ... !

নেপথ্যদা—

...।

ধানী-মূলতানী—কাওয়ালী।

তাবদ' মোহন মুরলী গান।

তৌরে অলমান, চৎখুমামে কুলমান।

* পাওল্ কপাম্মনীগী ... -রাজস্থান ইতিহাস

সুরশির ম[illegible]না প্রাণ থক্‌-খা ওম্রে ।
[illegible] ভূপ থর যাদবে
শ্যাম [illegible] নিডিড তত্তনা ;
পো[illegible]লাই [illegible]বে [illegible]কাই ঠকিবনা ।
[illegible] সখি, যমদা লৈবা,
ত্রিভঙ্গ শ[illegible] নত্তনা ফ[illegible]নোই নিলন থুনা
[illegible] উ[illegible]য মহুী ।

ভপ। বা [illegible] অ[illegible] ভৈখবেনা। মহারাজ, ঐখোয়দি [illegible] অসিত্তস [illegible]শির মর আকাশ থক্তা [illegible] সুবস্নন্দবাগী নত্তনা [illegible] অসি অ[illegible]গী [illegible] ।

রাজা। [illegible], [illegible] । আচ্ছা, মহিনি, কৃ[illegible]গী [illegible] চহি কবা [illegible] ।

অহ। [illegible], মহারাজ [illegible] কৃ[illegible]গী চহি তনা [illegible] চ[illegible]না ।

ভপ। মহারাজ, [illegible] অসি[illegible] স্মারাী বিবি শূক্রে লৈনিদবে, [illegible] রাজকন্যা কৃ[illegible] [illegible] বদগী তাঞ্জা অনিদ[illegible] বাজা [illegible] নি[illegible] [illegible] কুনা হ[illegible] [illegible]

রাজা। মবশা[illegible] [illegible] ভগবন্ত, [illegible] অসিগী শ্রী অহু অনুক্‌ লৈবিরা! [illegible] অ[illegible] থায়নাী ব্রাবি পুন্নমক্‌

নিংশিংবদা, ঐখোয় মীনি হাযবসি, কবিমতবু বিশ্বাস তৌদে! জগদীশ্বরনা ঐখোয়দা অশুক্ যেক্ববিবিবা,—হাযবা ওম্‌দবে। হাইবে [illegible] অমনা ঈশিং অহাওব-ভুবেন্ অমদা [illegible] ঈশি অহাওবহু নাশ তৌবগুম্না দুষ্ট যবন দল-নসু [illegible] দেশ অসিব সবব নাশ শাহল্লে। ভগবতি, এবেনা অনুক্ কদোইভ আপদ অসিদা [illegible]?

শং। হা [illegible]! [illegible] অমুক্ লৈবিব্রা?

[illegible] সুন্দরী কন্যা [illegible]।

ভগ। [illegible] মহারাজ, [illegible] লৈবাই। [illegible] উদ্ধার [illegible] নমিৎ-[illegible] লৈবিনা।

রাজা। অদুনদি [illegible] কৃষ্ণাবু অমুকুং [illegible] বনো, [illegible]।

অহ। কে [illegible] ?

ভগ। মহিনি, [illegible] চচ্চগে।

অহ। [illegible] কবি বানো, ভগবতি? [illegible] লেঙ্গদগে?

*লাইবক্ Fate [illegible]

রাজা। য়েংলগ' কনাস্থ চৎবদবা লৈত্রে। আদু য়েঙু, কৃষ্ণা মশামক্ অসোম্‌দা লাক্লে।

তপ। অঃ হা! মহারাজ, শ্রীসুংকী লাইবক্ কযাদ যখ্রবা! মহিধি, মবেম্মবুস্থ এনা চানবক্ ধন্যবাদ তৌবি,—মবেম্মনা অঙাংনে বক্সিবু ফংবিবে। অ: হা! মবেম্মনা স্বযং উনাবু পাম্দা পুথরবা! মবেম্মখোযন। পূর্ব্বজন্মদা পুণ্য কম্না তৌরগা—মদু শিংখাবা ওমদ্রে।

অহ। যম্লগা মিঙা দম্না চেঙ ভগবাঙ, কে ভিক্তি— আশী-র্ব্বাদ অসি তৌবিযু—নুপী মচানা মনিং তৌনা লৈসনু। মাগী মশক্ মতৌ অমর মচৎ ব্যবহার অদুগা বিদ্যাবুদ্ধি উবদা, ঐগী পুরিংদা ভাব বন্ন খোবক্‌ই, মদু হায়বা ওমদে।

কৃষ্ণকুমারী চঙলকপা

লাউ, মেমা লাউ। মেমা, নহা ভগবতী কপাল-কুণ্ডলাবু খঙ্‌দ্রবনা?

কৃষ্ণা। ভগবতীগী শ্রীচরণ মতম কুইনা দর্শন তৌখিদবে, অদুনা, ইমাসি, মতাবপু অতাংদা খঙনা ঙম্দ্রবে। প্রণাম তৌরগা ভগবতি, ননাইগী দোষ মাফ না তৌবিযু।

তপ। নুপীমচা, পুন্নিম, হৌরাইযু। মতমদা মহিষি, ঐনা তীর্থযাত্রা চৎপা মতমদা ইবেম্মগী মনা থম্বাল্ অসি পোক্মৌবত ঙাইহৌই।

রাজা। ফম্মু, মেমা, ফম্মু। নং লৈকোন্ অদুদা করি তৌকবা?

কৃষ্ণা। ফম্মগা অজ্ঞা, লৈ-পাম্বীদা ঈশিং চাইনা চাইনা, ঐনা

ওঝা ইবুঙোনা অনৌব সঞ্জ অমা ওসি তম্বিরম্বত্থ ঔরাইবম্মীবা । পাবু্খা, কয়া কুইরবনো ঐগী লৈকোন্দা খোঙ্দাবিখিদ্রিবা, ওসি অমুক্তং লেঙুসি। অ: হা ! মথুদা লৈবাং মখল্ কথা কয়া শাৎলিদো, শ্রীযুৎনা মিৎয়েং তাবিবদা কয়া নুঙাইবিনি হেক্তা ।

অহ। মথুদি করি লৈনো, মেমা !

কৃষ্ণ। ইমাসি, মসি গুলাপ্নি; ঐগী লৈকোন্ অসিদগী নঙ্গী-দমক্ হেক্কুনা পুবক্পনি। মমাংগী মথুত্তা পীবা

বাজা। মমাঙৈদা লৈ অসি দেশ অসিদা লৈবম্দে। ঐখোয়না মণি অসি লীন্গা লোয়ননা ক্ংলম্মী ; মথুগী তুনা ভাবতভূমি অসি দিনদিন চাকৃশিল্লক্লে । স্বব শাংনা হোন্দোক্লগা লৈরাং-বন্ন অসি যবঞ্জিনা দেশ অসিদা পুবকৃই ! থাপ্না তুন্দুভি ধ্বনি

পূন্নমক্লা- ইথক্ থক্লা কবিনোসিদে ?

বাজ। বামপ্রসাদ !

নেপথ্যদা - মহাবাজ ? ভৃত্য অমুক্ চঙলক্পা

রাজা। যেঙুচৌ তুন্দুভি ধ্বনি অসি কবিগীনো ?

ভৃত্য। সনা য়াথং, মহাবাজ। থোক্খিবা

রাজা। বিপদ অমামুক্ থুঙববা কবিনোসিদে, য়েঙু ? মহারাষ্ট্রপতিনা সন্ধি থুগাইদুনা যুদ্ধ হৌবল্লববা অমুক্ কবিনো ? হৌগতুনা আং, ভারতভূমি অসিদা হৌজিক্পূ অসিগুম্ব মঙ্গল ধ্বনিবু থাইগী নাকোংদা ইতত্তত্তনা চঙববা ! ঐনা তাখি, কবি কবিগুম্ব সাগরদা নোং-মুংশিৎ ইতত্তত্তনা

শিংলি; অদুদি দেশ অসিদস্থ দশা অহ খোক্লবরা! হাই! হাই। -

ভৃত্য অমুক্ চঙলক্পা

ঈ-পাউ কবিনো?

ভৃত্য। অজ্ঞা, মহাবাজ, পূম্নমক্ মঙ্গল ওইবি। জয়পুরগী যাজা জগৎসিংহ রায়না রাজ সনানাক্তা কবিগুম্ব বিশেষ কার্যাগীদমক্ দূত থাবিবক্লে।

রাজা। মত্থরা? আঃ, হিংলেদনা! ঐনা খল্লুবিবদি, সিবি, বিপদ অমমুক্ থুংলবমাল্ল। জয়পুবগী বাজাদি ঐগী অখোইব জাতৌনি। জগদীশ্বরনা তৌবিসন্থু, মহারা কবিগুম্ব অরাবদা তাত্থুনা ঐঙোন্দা দূত থাবক্তবা। তপস্বীনিরোম্দা ভগবতি, ঐঙোন্দা হৌজিক্ বিদায় পীবিবো। রাণী-রোম্দা প্রিয়ে, ঐ অমুক্ রাজসভাদা চৎপা তারে।

অহ। স্বব শাংনা হোন্দোক্লগা প্রাণনাথ, মিকুপ্ অমত্ত দস্থু নাথগা লৈমিন্নবগী হুঙাইবা ফজদা—অদি গুম্ব সৌভাগ্যবু ননাইসিগী খোকদবা?

রাজা। দেবি, বিষয় অসিগীদমক্ নংনা নপুক্লিংদা রাবৌবা বুথানি। খ্বাইনা নবপতি হায়বিবসে, খস্তুনা য়েংলবদি, নরদাস নত্রা! অত্থুনা মী অস্থুক্ য়াম্বগী পেন্নবা তৌবিব মী অত্থনা থোইদিং মখাইগীদমক্তস্থু বিশ্রাম তৌবা গুম্বা? ভৃত্যগা খোক্খিবা

অহ। ভগবতি, লেঙসি, অত্থুদি ঐখোযস্থু চৎলসি। কৃষ্ণারোম্দা লাউ, মেমা-ঐখোয় নঙ্গী লৈকোন্দা অমুক্তং কোয়রুখিগে।

কৃষ্ণা। চৎকেবা, ইমাসি ? চৎলুসিদনা। য়েঙু, ইমা, ঙসি পাবুংখা অমুক্ত ঐগী লৈকোন্ মিংয়েং তাবিদ্রেদো ?

পৃমন্নক্ থোক্‌খিবা

ইতি অনিশুব অঙ্কগী অহান্ব গর্ভাঙ্ক।

অনিশুব গর্ভাঙ্ক

উদয়পুব রাজপথ

*নিপা শাহুনা মদনিকা চঙলক্‌পা

মদ। মথন্তদা হা! হা! হা! 'নঙ্গী নমিং কবিনো, ভাই ? ঐগী নাম মদনমোহন।' হা! হা! হা!—নৱেদা; অমুন্ তৌনা নোক্লবদি য়াববোই। মশাদা য়েংলগা কয়াত চমৎকাবনো বেশসে, ফবেদা! কনানা হাযনি ঐ বিলাস-বতীগী সখী মদনিকানি ? হা! হা! হা! দূব দূব!-নোক্লরোই হায়না খবা শাই, মথন্ মথন্তদগী নোক্লিভি হেক্তা। ধনদাস শংশংব মল্লুবগী চূড়ামণিনি; মা মক্তা ঐবু শক্ খণ্ডব্রবসিদদি অতৈ কিনিঙাই কবি লৈবি ? বিলাসবতীনা য়াম্না পান্মিবদি বিবাহ শূক্‌ওই ওইদবা; মসি ওইববদি ধনদাসগী মমায়দা হামুক্ তৈবগুন্বনি। য়েংখিগে, কবি থোক্লবা। ঐনদি ব্রাকায়শুবী

---

*নিপা অমসুং নূপীনা অতৈগী মশক্ লৌবসি যুরোপ্‌কী নাটকী প্রভাবনি বিশেষ ওইনা সেক্সপীয়রগী নাট্য কৌশলগী বা মধুসূদন্না নীংশিংলম্মী।

†মঙ্গলচণ্ডী অসিদা পুহুনা লাক্লে। অদুগা কৃষ্ণকুমারীগী মমিংদা জাল তৌদ্না রাজা মানসিংহদা পত্র অমম্থু ইখরে। হা! হা! হা! কৌশল তৌদুনা ইখিব পত্রনি। মহ হেক্ ফংবদা মানসিংহদি কৃষ্ণাগীদমক্ অমুক্তোইনা মথম্-মরাং হৌবনি। রুক্মিণী দেবীনা, শিশুপালগী মখুত্তগী হিংননবগীদমক্, যদুপতিদা মিনতি তৌদুনা পত্র ইখিরম্মী, ঐখোয়নস্থ মতৌ অদুগুম্না ইখ্রেদো। হৌজিক্ য়েংবা তারে, ঐখোয়গী শিশুপাল অসিগী ভাগ্যদা কবি থোক্পা? অদু ধনদাস, মন্ত্রীগা লোয়ননা অসোম্দা লাক্লি। ঐনা মখা অসিদা বিলাসবতীগী ব্রা কয়া হাযথ্রবনি; মাগী মপুক্তিদা ঐখোয়গী বাজাবু য়াম্না শাউবমদোমাল্লে। য়েংহুন্ য়েংঙে, মখোয়না কবি করি ভাওনবিবা। মকম্দা লৈবা

সত্যদাস অমসুং ধনদাস চংলক্পা

ধন। মন্ত্রী মহাশয়, পাথং ওইবিরিঙদা মীনা করিনু তৌনদবগে? অদুনা ঐখোয়গী নরপতিনা মবক্ মবক্তা ভগবান কন্দর্পগী সেবক ওইবদো থোইনা অসম্ভব নত্তে। মহা-রাজগী বয়স য়াম্না নহানি। থোইদোক্না, মহাশয়মক্না হায়বিযুদো, অচৌ-অশাঙ্গী মযুম্দা কবি ঘটনা থোক্লবগে?

সত্য। অজ্ঞা, মহ চুম্মিনি! অদুবু ঐনা তাবদি অসিনি; জয়-পুবগী অধিপতি বিলাসবতী কৌবী *বাববিলাসিনী অমগী খুদোঙ্গীগী মথা অস্তুব্ পোনখ্রে,—

ধন। হা! হা! কবি ব্রানো মহাশয়? খ্বাংজেংববু কদৌঙৈ

---

†দুগা *ওক্তবী

লৈরাং অমগী মখাদা লৈবরা ?

সত্য ॥ মহাশয়, ঐনা তাবদি বিলাসবতী অমি য়াম্না চম্ব লৈরাং নত্তে হায়য়ে !

ধন । মথন্তদা থোইনা মিথ্যাদি নত্তেসে। নম্ভ্রবদি ঐগী মনঃ কবিগী থোয়রাংনি। ফোংনা অজ্ঞা, মহাশয়দা ম্বা অসিবু কনানা হাযবগে ? মাদি করিম্বু লৈতবা নুপী অমনি, ওসি লৈবে, হয়েং লৈত্রে।

সত্য । মহাশয়, রাজনন্দিনী কৃষ্ণাদি রাজকুলমণি ভীমসিংহগী প্রাণনি। অদুনা মহাক্না ম্বা পুম্নমক্সি তারবদি বিবাহ অসিদা সম্মত ওইনি হায়বসি ঐদি করিমত্তা বিশ্বাস তৌদে।

ধন । সব্ব নাশ। মহাশয়, ম্বা অসিবু মহারাজগী সনা নাকোং য়োহম্বা ছোনবরা ?

সত্য । অজ্ঞা, মহ্বুদি তৌবোই ; অদুবু তোক্‌ভাগী মবৈ লিশিংবু কনানা খিঙ্গনি ? বিবাহ অসিগী ম্বা শন্দোক্‌পদা কনানা কয়া কয়া হায়বক্নি, মদুগী মশিং অমুক্ লৈবিব্রা ?

ধন । মহাশয়, চন্দ্র কলঙ্ক পাকৃই হায়দুনা কনানা মাবু থোশাদবগে ?

সত্য । অজ্ঞা, নত্তে। অদুবু মসিদি অদুগুম্ব কলঙ্ক নত্তে। মসিদি বাহুগ্রাসনি। মসিনা মহাশয়খোয়গী নরপতিগী লক্ষ্মী অদু পুম্মাং মাওবা য়ারিবনি !

ধন । মথন্তদা মসিদি মহা *বিভ্রাটনি ! বিভ্রাট্টবনে ?

*Danger

অহোইনহুম্ ঐমক্কী উপকারনি। মহাবাজনা তেন্নুব্রা মচা অসি পোন্ হাংহুনা থাদোকপদা অতৈ কনানা ফংদগে ? ঐনিনে লাং থাক্তুনা খিন্দুনা লৈরিবা।

সত্য। মহাশয় তুমিন্ লৈবিবেনা ?

ধন। অজ্ঞা, নত্তে ; করি হায়সিগে খল্লি, তুচ্ছ বিষয় অসিদা মহাশয়না অহু য়োনা য়াবিিংদ্রবদি, ঐ মহাবাজদা মসিগী মরিদা পত্র অমা ইরসিরা, পত্র হেক্ পাবদা মহাক্কা হুষ্টা নূপী অহুবু দেশদগী তাম্মোক্লবা। মহু ওই-রবদি অতৈ আপত্তি অমা লৈরবোইদমাল্লে।

সত্য। অজ্ঞা, মসিদগী হেম্ব অতৈ অফব †পবামর্শ কবি লৈনি ? বাজা জগৎসিংহনা কর্ম্ম অসি তৌবিববদি বিবাহ অসিগী মবমদা অতৈ বাধা অমত্তা লৈরোই।

ধন। অজ্ঞা, মসিবু কবিগী তৌরোইদগে? কোরিগী মহুক্না সনা কনানা লৌদবগে ?

সত্য। অহুদি ঐদি হৌজিক্ বিদায় লৌজবগে। মহাশয়স্থু সঙ্গায়দা বিশ্রাম তৌবিরুবো। মহাবাজগা অমুক্ সন্ধ্যাদা উনবা তারেদনা।

থোক্‌খিবা

ধন। মথস্তদা ঐখোয় মহাবাজগী মিংচৎ'সিদি য়াম্না-লংনা উরেনা। আচ্ছা, তোকৃভা হাযবিব অসিগী মচিন্ মেন্নবা লম্বী অমত্তা লৈত্রববা? কবম্ হাবনবু লৈদগে ? মসিগী গতি মহানদগীগা মান্নৈ। অহান্বদা চীঙ্গী ঈফুত্তগী ঈশিং

†Advice

চুম্থরক্ত্না ঈশিং তুংফম্ ওইরে ; মতুদগী চেম্বোরক্ত্না মথং মথং ঈচেল কন্থংলকৃই ; মতুংদা অতৈ অতৈ ঈচেল্গা তিম্নতুনা ঈচাও ওইরকৃই। তোক্ঙা অসিগী থৌদোক্ম্ মসিগুম্বনি। মদনিকাবু থাগ্না উরগা বাঃ বাঃ ! ফজব অঙাং অসি কনানো ? মসিবু থঙ্গুম্-লাকুম্ তৌইদা। মাবু কৈদনো উখিবগুম্ তৌইদা ? কোংনা ও ভাই, নং অমুক্ত অসোমদা লাউদো।

মদ। চঙশিল্লগা করি তাকৃপিগদবা ?

ধন। নঙ্গী নমিং করিনো, ভাই ?

মদ। অজ্ঞা, ঐগী মিং মদনমোহন কৌই।

ধন। বাঃ নঙ্গী নমা-নপানা নঙ্গী নশক্ উবদা নমিং অসি থোন্খিমাল্লে ? নং অসিদা করি তৌবি, ভাই ?

মদ। অজ্ঞা, ঐদি সনা কোন্নুংদা লৈতুনা লাইরিক-লাইশু তম্লি।

ধন। হুঁ ! মুক্তাগী আশাদগী মীনা সমুদ্রদা ঈকপ্পী। সনা কোন্নুংদি শেন্গী বল্লাকবনি। অতুদি নং অসিগুম্ব মফম্দা লাইরিক্-লাইশুত তৌববা ? কবিগীনো ? নখোয়গী দেশদা টোল লৈত্রা ? ফবে, অমামা ওইরসন্নু, নংদি রাজনন্দিনী কৃষ্ণাবু উরবরা ?

মদ। অজ্ঞা, করিগী উবোই ? চন্দ্রলোক্তা লৈব মীনা অন্নত য়েংবা থাক্তুনা অমুক্ থম্মা ?

ধন। বাঃ বাঃ, বেশ ! আচ্ছা ভাই, হায়্ তাসি, নখোয়গী রাজকুমারীগী মশক্ মতৌ কবম্ তৌই ?

মদ। অজ্ঞা, রূপ অতু বর্ণনা তৌবা ঐগী ইতিক্ নত্তে ; অতুবু

মহাক্তি বিলাসবতীগী মন্যাক্ নকৃপা য়ারোই।

ধন। এ্ঁ—কনাগী মনাক্ নকৃপা য়ারোই।

মদ। ও মহাশয়, না থর তাখিমাগ্রে? বিলাসবতী! বিলাস-বতী! তাবিরবরা?

ধন। এ্ঁ—বিলাসবতী কনানো?

মদ। হা! হা! বিলাসবতী কনানো, মাবু মহাশয় খঙ্বিদরা? হা! হা! হা!

ধন। মথন্তদা সব্ব´নাশ শারে! মাগী নাম অঙাং অসিনা কৈদগী অমুক্ তারকপা? ফোংনা এ্রনা মাবু করম্ হায়না খঙদগে?

মদ। এঃ, এ্রঙোন্দা ঝুং তৌতুনা নম্থাক্ তৌবিরিবা করি-গীনো? মহাশয়না মন্ত্রীবরদা হায়বিখিব পুম্নমক্ক্ এ্র তাহোরে।

ধন। মথন্তদা রা অসিদা অমুক্ হেন্না নৈশিন্দুনা কাম্নরোই। ফোংনা য়েঙ্দো ভাই, এ্রগী মায় য়েংতুনা, নংনা তাখিবতু তারে, অদুবু অতৈ-অতৈদা রা অসিগী রারি শারুগু।

মদ। করিগী? মদুনা করি মহাম্ তানি?

ধন। নত্তেদা ভাই, নঙোন্দা এ্র মিঠাই খর পীজগে, রাজা-মহারাজগী রা-রান্দা নং য়াওরুতুনা করি কান্নদগে?

মদ। শাউনা নং সিদে ভারি পাগলনিদনা। মিঠাই উত্না ভুলাইবা য়াবা অঙাং নরা ওইনা এ্রবু খল্লবরা!

ধন। অদুদি হায়ু, ভাই, নং করি ফংলবদি পেন্গনি?

মদ। আচ্ছা, নঙ্গী খুত্তা শিরিব খুদোপ্ অদু এ্রঙোন্দা পীয়ু,

অদু ওইরবদি ঐ অতৈ কনাদসু করিসু হায়রোই।

ধন। সেরা ভাই, নংনা ঐবু পাগলনি হায়রগা নংসু পাগল ওইরবরা? মসি লোবগা নং করি তৌদোরিবা? মসিবু কনাদবু পীনবগে?

মদ। আচ্ছা, অদুদি ঐ বাজমহিনীগী মনাক্তা চৎলে। চংকে লৌবা

ধন। ও ভাই, ভাইখো, ভাইখো, শাউদুনা চৎলরো। ব্রা অমতা হায়গে তাখোবা। মথন্তদা ব্রা অসি প্রচার তৌববদি কবিসু কান্নবরোই। হৌজিক্ করি তৌনি? মমন্ নাইদব খুদোপ্ অসিবু করম্না পীদগে? করিনো তৌদোদসে? পীবা লাববরা! হাই! হাই! খুদোপ্ অসি কয়া লুনা মহারাজগী স্না খুত্তগী ফংলকৃপনি,- খল্লুদুনা কবিবু তৌগবনো?

মদ। ও মহাশয়, কপ্পিরবসা? হা! হা! হা!

ধন। মথন্তদা অভকৃপনি! অচাং অমনা ঐবু ঠকাইরবা? অচ্চা চা! করি অমুক্ তৌনি? পীরগে! ফরে, কর্ম্ম অসি মহৈ য়াল্লবদি, বাজাদগী য়াম্না ফংবা য়াযনা। ফোংনা লৌরো সেসে, ভাই। য়েঙু, ভাই, -ব্রা অসি হায়দোক্ত্রকো।

মদ। খুদোপ্ লৌবগা অজ্ঞা—অদুদি ঐ চৎলে। মকম্দা লৈবা

ধন। মথন্তদা দূর, লাইবক্ থীব অভাংনিদা! ভসি করম্ব ক্ষেন্দা মাবু উরম্বনো, হায়বা ভম্দরে। করি অমুক্ তৌদগে, চৎলগে হৌজিক্ য়ুমদা। থোক্থিবা

মদ। চণ্ডশিংদগা মথন্তদা হা! হা! ধনদাসগী অব্রাবা উবদা

পংনোক্কা নোক্লিঙি। হা! হা! বেটা লুবগী মতিক্ চপ্‌ চাব মহৈ ফংলেদো। অসিদনস্থ লোইগত্রা? মাবু মতিক্ চাব শাস্তি পীগদবনি, নত্রবদি ঐগী ইমিং লৈত্রেদনা। অদুদি হৌজিক্ চৎলেদনা। নুপী শাত্নুনা অমুক্তং রাজকুমারী কৃষ্ণাগা উনরুখিগে। আচ্ছা, ঐগী করি পরিচয় পীরুনি? চিন্তা তৌরগা হোইদা। মত্নুনা ফরে। মরুদেশগী রাজা মানসিংহগী দূতীনি হায়রুগেদহৈ। হা! হা! হা!　　　　থোক্‌খিবা

অহুম্‌শুব গর্ভাঙ্ক

উদয়পুর, রাজ উদ্যান

অহল্যাদেবী অমসুং তপস্বিনী চঙলক্‌পা

তপ। মহিষি, মসি য়াম্না নুঙাইব বিষয়নিনা। জয়পুরগী রাজবংশ ভগবান দিনমণিগী মহাতেজ ওাক্তগী মঙানগুম্ব অমনি। অত্নুনা মহারাজ জগৎসিংহ কৃষ্ণকুমারীগী যোগ্যপাত্র অমনি, সন্দেহ লৈত্রবনি।

অহ। অজ্ঞা, হোইনে; ম্বা অসি লেপ্পমক্ য়াফম্ থোক্লেদনা।

তপ। ঐনা তারম্মী,—রাজা নহা য়াম্মা ওইরি; অত্নুগা মহাক্ ধর্ম্মদা পুক্লিং য়াম্না চঙবা অমসুং বিদ্যাপায় মীনি।

অহ। ইবেম্মগী আশীর্ব্বাদনা পূম্নমক্ অসি সত্য ওইসনু। প্রলয়গী নোং-মুংশিংনা কমলিনীবু ছারখার শাহল্লি;

অহুবু মলয়-মালংব শিংপদা মাগী নিংথিজবা দ্বিগুণ হেম্বগুম্ তৌই; গুলৈতব স্বামীগী খুবাক্তা তাববদি নৃপীগী *শ্রী-লৈরা? চিন্তা তৌরগা কয়াত ঙক্লবা। ভগবতি, ঐনা কৃষ্ণাগী বিবাহগী মরমদা কযা নুংশা থিরম্বা; মদু অমুক্ কবি হায়নি? অহুবু হৌজিক্ মাগী বিবাহ তৌবনি হাযবা ৱাসি ঐনা খল্লকৃপদা ঐগী প্রাণ অসি কপ্পগুম্ তৌরক্ই। কপ্পা

তপ। অঃ হা! মমাগী প্রাণনিদনা! অহুননি।

অহ। ভগবতি, ঐগী হৃদি সবোবরগী পদ্মিনীসি কনাদা পীগনি? কনানা হেক্লনা পুখিগনি? ঐনা চোঙা-মচাসিবু অমুক্ কুইবা প্রাণ য়াউনা য়োক্লকপনি, মাবু ঐনা কবয়া অতৈগী মখুত্তা পীদগে? ঐগী অমম্ব ইমুঙ্গী মণিসি চৎখ্রবদি ঐনা করম্না প্রাণ পুহুনা লৈদগে? কপ্পা

তপ। দেবী, পূন্নমক্সি বিধাতাগী নিযম্নি। কন্না পোক্পা মকমদা যন্ত্রণা অসি খাঙ্বা তাই। য়েংবিযু, চীং নি থৌগী মহিষী মেনকানা চহি অমগী মসুংদা মহাক্কী উমাগী চন্দ্রমুখ নুমিৎ হুন্নিত মউজৈ। অহুনা চিন্তা অহু বৃথানি। লেঙসি, হৌজিক্ ঐথোয মসুং সঙ্গায়দা। মহারাজসু মতম্ অসিদা রাজসভাদগী লেঙখৎলম্বা যাবে।

অহ। অচ্ছা—অহুদি লেঙো। অনিমক্ থোক্থিবা

কৃষ্ণ কুমারী অমসুং মদনিকা চঙলক্পা

*অরুবা, মঙ্গল। দুর্গা পূজাগী বা।

কৃষ্ণা। করি য়ানো, দূতি? নঙ্গী য়া তাবদা, ঐদি কিন্নুম্ কি। নংনা অম্মুক্ য়ানা অদিদা লাক্লিবা?

মদ। রাজনন্দিনি, অয়োকৃপ চেক্লা পোন্দগী পাইথোরকৃপদা বনগী চেক্লা পুম্বনা মাগী মতুং ইন্নগুন্না, ঐগীসু দশা অদু থোক্লম্মী। অদুবু ইবেম্মগী চন্দ্রবদন উবদা, ঐদি অন্নাবা খিবিক্তু ঙসাইনা কাউখরে।

কৃষ্ণা। ফরে দূতি, রাজা মানসিংহনা, ঐখোয়গী পাবুং স্নাখ্‌াগী স্নানাক্তা দূত থাদনা, নংবু ঐগী ইফম্‌দা থাবিরক্লিবা করিননো?

মদ। অজ্ঞা, রাজনন্দিনি, ইবেম্মদি য়াম্না বুদ্ধিমতীনি, ইবেম্ম-নত্নুম্ থোইনা খঙ্‌বিবিবনি। দুর্গশিব মী অদুগী মবুক্লিং খঙদনা কনানা থবক্তা খুং থিংজিন্নবগে?

কৃষ্ণা। মোমোন্নত্না কৈদৌদনা? নহোইগী মহারাজনা ঐনু নুংশিবিবংনে?

মদ। রাজনন্দিনি, নুংশিবিবরা, হায়না অমুক্ হংবিবিবা! ঐখোয়গী মহারাজদি দিবানিশি পুম্না ইবেম্মগী য়াত খল্বি, ইবেম্মগী নাম-ত শোল্লি। মহাক্কী মনঃ চঙদবে করিগুম্ব থবক্ অমদা?

কৃষ্ণা। কয়াত ঙক্লবা! মহাক্কদি ঐবু কদৌবৈদা উবিখিদ্রি। অদুদি মহাক্না ঐবু অম্মুক্ য়ৌনা নুংশিবিবিবা, মরম্ কবিননো? ফরে, দূতি, হায়ুদো ত্তাসি, নহোই মহা-রাজগী রাণী কয়া শুই?

মদ। বাজনন্দিদি, মহারাজদি হৌজিক্ ফাও লুহোংদ্রিদা! ঐনা

তারম্মী, মহাক্না ব্রাশকৃথে —ইবেম্মবু ফংদ্রবদি মহাক্তি অতৈ কনাবুস্থ লুহোংলোই ?

কৃষ্ণা। সত্যবা ?

মদ। রাজনন্দিনি, ঐনবু ইবেম্মদা মিথ্যা হায়গদ্রা ? মহারাজনা ইবেম্মগী রূপ প্রথম্দা মঙদা উই, মতুংদা মাগী মচিন্দগী ইবেম্মগী গুণ তাবদা মহাক্ পুম্ঙাও ঙাওবগুম্লে।

কৃষ্ণা। য়েঙু, দূতি, ঐগী ইকোক্ চাবা শকউ, নং থাঙ্গেংবা হায়ু য়েংসি, নখোয়গী রাজাগী মশক্ - মতৌ কমদৌই ?

মদ। রাজনন্দিনি, মহাক্কী রূপকী ব্রা অমমম ওইনা ইবেম্মদা করি হায়গনি ? মহাক্কা মান্ননা মশক্ ফজব নিপাবু ঐগী ইমিৎনা খক্ উখিদ্রি। অঃ হা ! রাজনন্দিনি, মশক্ অদুগী ব্রা ঐঙোন্দা নিংশিহল্লে, ঐগী মনঃ অসি অমুক্কোইনা শ্বাই লাউরমাল্লেদা, আঃ, ফজৈদা ! নিংথিদা। কবি কুচু-কুমেন্নো ! কবি শাওং-শাদানো ! সাক্ষাৎ কন্দর্পনি। রাজনন্দিনি, ঐনা মহারাজগী চিত্র অমা পুবকৃই ; ইবেম্মনা মিৎয়েং তাবিগে তায়নবদি ঐ মত্তম্ অমদা পুবক্কুনা য়েংহঞ্জগে। মিৎয়েং তাবিবদা ইবেম্মনা হেক্তা খঙবিগনি, মহাক্কী রূপ কম্দোগে হায়বদু।

কৃষ্ণা। মথন্তদা দূতী অসিগী ব্রা সত্য ওইবিদবা ? ওইবস্থ য়াই। ফোংনা য়েঙু, দূতি, নং অমুক্ লাক্খো ঐগা উনখিসি। হৌজিক্ ঐদি চৎলে। ঐগী সখীশিংনা আদৈ পুখ্রী মপান্দা ঐবু ঙাইরি।

মদ। অজ্ঞা।

কৃষ্ণা। থর চংলগা। ঙেঙ্ক, নং কাউনুকো, দূতি। নঙ্গা ঐগা ঙাংনগদবা রা য়াম্ লৈ। থোক্খিবা

মদ। মথন্তদা মী খ্বাইনা বিলাসবতীবু রূপবতীনি হায়। অদুবু মহারাজনা নারীরত্ন অসি ফংলবদি মাগী মশক্ অমুক্ য়েংনিঙ্গদ্রা? অঃ হা! অসিগুম্ব রূপ পৃথিবী অসিদা অতৈ লৈবিদ্রা? অদুগা গুণসু অদুমঙাই! সাক্ষাৎ কমলানি। অঃ হা! অসুক্ মবুক্তিংবী নূপী লৈগদ্রা? চিন্তা তৌবগা ফবে অদু মঙাইবে। মহাক্কী মনঃসি রাজা মানসিংহ-রোমদা অমুক্ক নিংথিজনা ওল্হল্বা ঙম্মগা লোইবে। তুরেম্না অমুক্কং সমুদ্রবোমদা পাংখ্রবদা অতৈ মাইকৈ অমরোমদা ওম্বা? চিন্তা তৌবগা রাজা মানসিংহগী দূত য়াম্না থুনমক্ অসিদা লাক্লনি, কবি থোইনা চিং-নদবে। মহাকা পত্র অদু সন্দর নিঙাইদনা অমুক্ লৈথোকদা মহারাজ ভীমসিংহ মসোম্দা লেঙলক্লিদনা। ঐ উ অসিগী মকুম্দা ঙহাক্ লেপ্লুনা লৈখিসিবা?

মকুম্দা লৈবা

রাজাগা, অহল্যাদেবী অমসুং তপস্বিনীগা অমক্ চংলকপা

তপ। মহারাজ, রাজদূতকী নাম কবি তাব্পিখিবদো?

রাজা। অজ্ঞা, মাগী নামদি ধনদাস। নিপা অদু গুণ য়াম্না চেল্লি অদুগা য়াম্না খঙি। অদুগা রাজা জগৎসিংহ মশামক্ মহাগুণীনি, মহাক্কী অক্কব মিংচৎ পাক্-চাউই।

তপ । মহাবাজ, শ্রীযুৎখোয়দা ভগবান একলিঙ্গগী সীমা৺লতব কৃপানিদনা । য়েংবিযুদো, কযা ঙকখ্ব ঘটনানো ! মহাত্মা বঘুকুলমণি বামচন্দ্রবু জানকী সুন্দবীগা লুহোংনবগী পুবক্তুনা পীবিববেদনা । অসিদগী হেন্ব অতৈ নুঙাইবগী বিষয় কবি লৈনি, হায়বিযুদো ?

বাজা । অজ্ঞা, ঙন্নমক্ ইবেম্মখোযগী আশীর্ব্বাদনি ।

তপ । ঐগী সংকম্নদি অসিনি,- বিবাহ অসি লোইবগা ঐ অমুক্ তীর্থযাত্রা চংলগে । অতুনা মপি অমুক্ পন্থবিদবা । 'শুভস্য শীঘ্রম্' হায়বনবিদনা ।

অহ । নাথ, অতুদি কম্ম অসি পন্থবিবা কান্নদে ? ঐগী কৃষ্ণা- কপ্পা

বাজা । মখুং পায়বগা প্রিয়ে, শুভ কর্ম্মগী মবম্দা নংনা কওা হৌনববা ?

অহ । প্রাণনাথ, ঐগা হাদমপিবু ববন্না অতোম্প অমগী মথুক্তা শিন্নগদগে ? ববা

বাজা । স্বব শাংনা তোন্দোব্বগা দেবি, বিধাতাগী বিধি কনানা ককপা ঙম্দগে ? খন্দুনা যেঙু, নং নশানক্ তোজিক্ কদাযদা লৈবি, অতুগা হান্না কদাযদা লৈবম্বা ? বিধাতাগী সৃষ্টি মতৌ অস্নুম্না চংববকি । লৈবাং-উবী লিশিং কযা, উহৈ-পাম্বী লিশিং কযা মীনা লৈকোন্ অমদগী পুবত্নগা অতৈ লৈকোন অমদা থানবি ; অতুগা মখোযস্ অনৌব আশ্রমদা মহৈ মপান্না নিংথিজনা লৈবি !

নেপথ্যদা

গীত

আশা গৌড়ি—আড়া

সুণ্ডাইতে খোইমু শঙ্গুনা।
মক্লে থম্বাল্ মথং মথং
ঈশিং থক্তা লৈরে ব্রানা॥
মুমিং তাখ্রে, থা-খোরক্লে,
উবদা থরো নোক্চরে,
শাবি-শানৌ য়াম্ হরাওরে,
বিরহিনী পিনা তাউরে॥
অহিং চঙ্বদা সুণ্ডাই কনানা,
কনাই মনঃ চাক্ই অব্রা-মৈনা॥

রাজা। অঃ হা!

অহ। মহারাজ, ঐগী কোকিল অসি বন অসি থাদোক্লনা চৎখ্রবদি ঐবু অমুক্ হিঙ্গদবা? কপ্পা

তপ। মহিষি, ইবেম্মনা অতুক্ হাক্লা পাখৎপিবোই। য়েংবিয়ু, ইবেম্মগী ব্রাবদা মহারাজন্থ মা মায়থোং কয়া লাংশিল্লে?

কৃষ্ণা অমুক্ চঙলক্পা

রাজা। লাউ, মেমা, লাউ। মকোক্তা চুপ্পা

কৃষ্ণা। পাবুংখ্বা, ইমাসিনা অসুম্ তৌরিবসি করিদৌরে? নং কৈদৌ কপ্পি ইমাসি!

অহ। কৃষ্ণাবু তম্বাক্তা পম্নগা মেম্মা, নংদি অসুক্ কুইরবা মতুংদা নঙ্গী দুঃখিনী নমাবু থাদোক্লনা চৎলেদনা? ঐগী অতৈ

কনা লৈ, মেম্মা, ঐবু অসুম্না 'ইমা' হায়না কৌবিনবা ?

কপ্পা

কৃষ্ণা। কবি ব্রানো ইমা ? নংবু থাদোক্কুনা ঐ কদাযদা চৎকদগে, ইমা ? কপ্পা

বাজা। ভগবতি, মোহগীমশক্ লৈবাং-তিংখং চুম্নত তুস্রা !

তপ। অজ্ঞা, চিংনজদ্রে। মবম্ অসিদগী মমাভৈদা মহর্ষি-বংশদা অয়াম্বনা সংসাব ধম্ম থাজুনা বনবাসা ওইবম্মী।

ভৃত্য চঙলক্পা

বাজা। কবি সংবাদনো, রামপ্রসাদ ?

ভৃত্য। ধর্ম্মাবতাব, মরুদেশগী ঈশ্বব বাজা মানসিংহ নাযনা বাজ শ্না মাঙদা দূত থাবিবক্লে।

রাজা। মথন্তুদা রাজা মানসিংহনা ঐগী ইফমদা দূত থাবি-বক্পদি কবিগীনো ? খোংনা আচ্ছা, দূতবী বিবি চানা সৎকাব তৌনবা সভাদাসদা হাযকচো। ঐ না লাক্লগে।

ভৃত্য। সনা যাথং, মহারাজ। থোক্খিবা

বাজা। প্রিযে, চৎলো, ঐখোয মঙ্গুংদা চৎসি। ঐদি অমুক্ রাজসভাদা চৎপা তাবে।

কৃষ্ণা। মথন্তদা দূতী অদূগী রা সত্য ওইববদি, দূত অসি ঐগী দমক্তা লাক্পা ওইবম্নি। হৌজিক্ পাবুংখানা কবি লেপ্পিবা—খঙদ্রে।

অহ। লেঙসি। তপস্বিনী বোন্দা ভগবতি, ইবেম্মসু লেঙবিবক্লো। পূম্নমক্ থোক্খিবা

মদ। চিত্র পাযজুনা চঙলগা মথন্তদা অঃ হা ! রাজমহিষীগী

অল্লাক্না উরগা থমোই কায়দো। অসিগুম্ব মচানু মমা-
মপানা অম্মুক্ মুংশিন্দ্রবদি অতৈ কনাবু হুংশিবিদগে ?
অনৌব দূত অমা করি দেশদগী লাক্লে হায়রিবসিদি
নিংথিনবু খঙদ্রিনা। চৎলগে, ব্বারমতু কবিনো, স্কেঙ্খিগে ?
ঐনা য়াম্না বিশ্বাস তৌরিবদি, দূত অসি রাজা মান-
সিংহমক্লা থাবিরক্লম্মি। অঃ হা, পরমেশ্বরনা মহুম্ শীন্বি-
সম্নু। হৌজিক্ চৎলগা নিপা অমুক্ শাকখিগে। মসি
মানসিংহগী দূত ওইরবদি, ভসিদি ধনদাসগী সর্ব্বনাশ
শাহল্লুবগে ? হা! হা! নূপীবু অপংবীনি হায়না তুক্কচব
মখোয়না খন্দবনি, নূপীগী মপোক্ শক্তি কোন্দগীনি
হায়বসি। ত্রিভুবন্ মিকুপ্ অমদা প্রলয়-ওম্ব মহাদেববু
*ভগবতীনা কৌশল তৌত্লনা মহাক্কী খুয়া-খাদা থঙ্গিবি।
হাই! হাই! নূপীগী বুদ্ধিগী কাদা অতৈ কবি বুদ্ধি
লৈবা ? য়েংবা তাবেদনাসে, ধনদাসমক্কী বুদ্ধিনা কয়া,
অতুগা ঐমক্কী বুদ্ধিনা কয়া। হায়নবিঙৈদা রাজনন্দিনী
অমুক্ অসোম্দা লাকৃপিরি। লোইরেদনা ! মায়থোং
উবদা ফজনা থঙ্লে, মনঃ থিক্তংদি পেৎলমাল্লে। মতু
নত্রবদি, ঐবু অম্নুক্ তোয়না তোয়না উননিংঙ্গিবা করি-
গানো ? হন্দক্তি চিত্র অসি য়েংহন্বা তাবে। য়েংদা
য়েংখিগে কবি ভাব থোবক্পা। হা! হা! হা! মসিদি
মানসিংহগী বংশগী কনা অমগী চিত্র নত্তে। ওইদসনু,
কৈদৌনে হায়বগে ? উগী চৌদোং ওইসন্দনা, উচিক্কাবা

*কালী মুর্ত্তিবু খাগৎপা

ঙম্মগা লোইরে।

কৃষ্ণা অমুক্ চঙলক্পা

কৃষ্ণা। অসিরা! দূতি, নংলা ঐবু থিরিবা? নহোই মহাবাজনা দূত থারক্লে হায়বহু ঐ হৌজিক্ তারক্লে। ঐনা খল্লম্মী-বদি নংনা ঐগোন্দা রাচোই অমা ভাঙ্লিবনি—

মদ। রাজনন্দিনি, মহুবু খক্ যাববা। ঐখোয়গুম্ব মীতাগী কদোংঙদা সাহস অহুক্ লৈগদরা?

কৃষ্ণা। অহুদি, দূতি, বিষয় অসিদা ঐদি উবে, শাথিব বিবাদ অমা নত্রগা অমা থোক্পা তাবে! নং তাদ্রিববা, জয়-পুবগী রাজানস্থু ঐহাক্তীদমক্ দূত থাবিরক্লে?

মদ। বাজনন্দিনি, মহুদা ঐখোয়গী মহারাজনা কিবিগদরা? ইবেম্মগী য়াথং লৈববদি মংঙাক্লা জয়পুরবু মিকুপ্ অমদা ভস্মরাশি ওইহন্বা ঙম্মি।

কৃষ্ণা। মোযোমহুনা নংনদি নঙ্গী বাজাগী প্রশংসা তত্তনা তৌবি। ফবে হেঙসি কবি থোল্লবা।

মদ। বাজনন্দিনি, ইবেম্মনা মহাবাজগী-বোম্‌দা লেপ্লিববদি, মহাক্পু অতৈ কনানা ফংনি?

কৃষ্ণা। নোক্নুনা যেঙু, দূতি, পারিজাতকীদমক্ *ইন্দ্রগা যতু-পতিগগী-বিবাদ হৌখিদো। হৌজিক্ য়েঙসি কনা ঙম্বা! নং অহুদি হৌজিক্ নখোযগী বাজদূতগা অমুক্তং উনৌদো।

মদ। অক্সা। খব চংলগা অমুক্ হন্নক পা রাজনন্দিনি, ইবেম্মদা

*সত্যভামানা হায়জবদগী পারিজাত হরণগী প্রসঙ্গ।

ঐখোয়-মহাবাজগী চিত্র অমা য়েংহন্‌গে হায়বম্বদো, সেসে য়েংবিরো। মথন্তা পীবা মসি হৌজিক্‌ ইবেম্মগী নাক্তা থম্বিরো; ঐঙোন্দা অমুক্‌ হম্বিবক্‌উ। থোক্‌খিবা

কৃষ্ণা। মথন্তদা কয়াত ঙকখ্রবা! রাজা মানসিংহগী রা তাবদা ঐগী মনঃ অমুক্‌ চরাংনরিবা কবি মকয়নো? চিত্র য়েংলগা ইস্‌! রূপ অসিদে! অঃ হা! চিন্বান্‌ মতা। মনোক্‌ অমুক্‌ যজব নিপা পৃথিবীদা লৈব্রা? আঃ ফজেদা, ফজে! দূতী অহুনা হায়বহু সত্যনিদনা! হাই! হাই! ঐগী ভাগ্যদা মসি তম্মগদ্রা?—ঐগী মনঃ য়ান্না চরাংনবক্লেদা! নত্তে-সিদা লৈবা হৌনদবে, কনা অমা লাক্লগা উখ্রগনি। চৎলগে, ঐগী যুম্‌তান্না। মহুদা চিক্না চিত্র অসি য়েংলুগে। অ, হা! চমৎকাবনিদা —

চিত্র য়েংনা য়েংনা থোক্‌খিবা

ইতি কৃষ্ণ কুমাবী নাটক্কী অনিশুব অঙ্ক।

অহুম্‌শুব অঙ্ক

অহান্ব গর্ভাঙ্ক

উদয়পুব, বাজধানীগী মমাঙ্‌দা

মরুদেশগী দূত অমসুং (নিপাশনা) মদনিকা চংলক্‌পা

দূত। কয়াত ঙকখ্রবা! অহুদি পত্রগী রা অসি সত্যরা?

মদ। অজ্ঞা, অহোই, সত্যনিদনা? রাজকুমাবীনা পত্র ইরগা অহান্বদা ঐঙোন্দা পীবি; মতুংদা ঐনা বিশ্বাসী মী অমদা মহাশয়খোয়গী দেশদা থাখি।

দূত। মত্থু ওইরসন্থু, ঐখোয়গী মহারাজগী ভাগ্য য়াম্না ফৈ হায়বা তাইদনা, মত্থু নহুবদি নখোয়গী রাজকুমারীনা মহাকৃপু অম্মক্ মুংশিবিগদ্রা? অঃহা। কয়াত ঙক্লব লীলানো বিধাতাগী। মহা মণি পামত্থুনা কনানা চঙিঙ অমম্ব খনিদা, অত্থুগা তারমত্থুনা খুল্লি কনা অমনা লম্বীদা। মরাইবক্কী রানি পুম্নমক্সি! মহারাজনা পত্র অসি ফংব-দগী মতৌ অমা তৌরকৃপত্থু করি অমুক্ হায়গনি নঙোন্দা?

মদ। য়েংবিয়ু দূত মহাশয়, খর চেক্শিন্না চংপিগনি। পত্র অসিগী রাকম্ অসিদা প্রকাশ তৌবিগন্থু, মত্থু ওইর-বদি রাজনন্দিনী ইকাই-হঙ্গোইবদগী প্রাণ ফাওবা থাবা য়ায়।

দূত। হোইদা! করি রানো? ঐদি ঙাওবমক্তি ঙাওদ্রিনা রাকম্ অসিবু প্রকাশ তৌবা হৌনত্রা!

মদ। জয়পুরগী দূত ধনদাসবুদি মহাশয়না নিংথিনা খঙবি-রিরোইদো।

দূত। খঙনদে, মহাক্না ঐগা থোইদোকৃপা রারি-রাতাই শানবা লৈতে।

মদ। মহাশয়, মাননে ইবুঙোখোয়গী রাজাবু কয়া নিন্দা তৌই, মত্থু তারবদি মহাশয়দি মৈদৌনা চাক্লক্কনি।

দূত। অচুম্বরা?

মদ। মত্থুদা রাজনন্দিনীনা কয়া মুঙাইতে, মত্থু করম্না হায়সিগে। মহাশয়, মাবু খজিক্তুং পঙহন্বিবা ঙমগদ্রা? মত্থু ওইরবদি য়াম্না ফনি।

দূত। করিগীনো? মানবু করি করি হায়রবগে?

মদ। মহাশয়, মানা হায়বহুবু ঐখোয়দি চিন্দা পম্বদা ইকাইজৈ। মানা মীঙোন্দা কোয়চচ্চত্তুনা হায়রিবদাই— মহারাজ মানসিংহদি ভ্রষ্টা নৃপী অমগী য়োক্‌চব মচানি, অহুগা মহাক্তি মরুদেশগী অশেংব অধিকারী নত্তে।

দূত। এঁ—করি, কবি হায়বা? মাগী মতিক্ অহুক্ লৈরববা? করি হায়নি? ঐদি ব্রাহ্মণ অহন্নি, নৎলমদ্রদি দণ্ড অসিদা মাগী মকোক্ কক্লমদৌনি!

মদ। মহাশয়, মসিদা অহুক্ হাক্লা শাউববদি থবক্ য়াবরোই। রাহৈ রাতা অমা-অনিনা মচৎ ফত্তবহুবু দণ্ড পীবা ঙম্লবদি কৈ; নত্তনা অতৈ করিগুম্ব অত্যাচাব তৌবদি মথোং চারোই।

দূত। আচ্ছা, ঐ হৌজিক্ বাজমন্ত্রীগী মনাক্তা চৎলে। মভুংদা অমুক্ তানবগা তোবা তাবে। লক্ষ্ণইগী মচিন্দা নোংশাগী নিন্দা। মসিবু কদৌঙৈদা হেক্ খাঙবা য়াব্রা? থোব্‌খিবা

মদ। মথস্তদা বাঃ! বিবাদ অমদি থোক্‌হল্লেদনা? হৌজিক্ জগদীশ্ববনা শীম্বিবসনু, মসিদা বাজনন্দিনী কৃষ্ণাগী কবি-গুম্ব বিম্নি থোক্‌হন্বিবন্ন। ফবে, মসিস্থ য়াম্না ঙক্‌খেদা! ঐদি বেশ্যা অমগী লোয়নবীনি, বনগী উচেক্কোনা স্বাধীন্নি; কদৌঙৈদস্থ সংসাব-পোন্দা ফাকদ্রি। অহুবু সুন্দরী বাজকুমাবী অসিগী স্বভাব উবদা ঐগী মনঃ

অস্থুম্ তৌরিবা করিনেনো ? সত্যনিনে ! ইকাইবা অহুগা ফজব-ব্যবহাব নূপীগী অথোইব অলঙ্কারনি। অঃহা ! থম্বাল্ অনিসি পুত্রী অসিদগী হেক্কুনা লংশেক্লম্লবা ঐনা ফত্তব-ক্ষেণ করম্বদা ; মহু হৌজিক্তদি খঙবা ঙম্লে। ধনদাস অসোম্‌দা লাক্লেদনা।

ধনদাস চঙলক্‌পা

মহাশয়, ঘুঙাইবিবিববা ?

ধন। হে হে মদননিনা ? কম্‌দৌবিবা ? ভাই, নং খুদোপ্ অহুদি কদায় থম্‌খে ?

মদ। অজ্ঞা, মহাশযদ. তম্‌গদবা ইসু ইকাই ! অহুগা মহু তাবি-বগস্থ শাউবিবা য়াই ?

ধন। কবি বানো ? কবিদৌবে ? কৈদৌ শাউদগে ?

মদ। অজ্ঞা, অহুদি তাবিযু। নগব অসিদা মদনিকা কৌবা য়াম্না ফজবা নূপীমচা অমা লৈ, মাবু ঐনা য়াম্না নুংশি। মানা ঐওোন্দগী খুদোপ্ অহু মুন্দুনা লৌখবে।

ধন। সর্ব্বনাশ শাবেদন ! অহুগুম্ব মমন্-নাইদব রত্নবু বেশ্যা অমদা পীবা হৌনব্রা ? নঙ্গা মতৌসিদি য়াম্না অঙাঙ্গী বুঙ্কিন্দিনা। অচা চা। অহুগা নংদি নহা অস্থুক্ ওইনা অসিগুম্ব মীশিঙ্গা সঙ্গ তৌববা ?

মদ। যেংবিথুদো, মহাশয় শাউবোই হায়বিখ্রগা শাউবিবিবা কবিগীনো ?

ধন। মথন্তদা চুম্মী মহস্থ ; ঐমক্লা শাউবিবা কবিগীনো ? ফোংনা হা ! হা ! হা ! ঐনা ফাগি তৌবনিদা। ফরে, নংসিদি,

উরেদনা, য়াম্না নুঙাইব মীনিনা। ফবে, নঙ্গী মদনিকা অসিদি কদাবদা লৈ, হায়ুদো ভাই।

মদ। অজ্ঞা, মাগী যুমদি সহবগী মপান্দান।

ধন। মথন্তদা নূপী অদুগী মযুম্ খঙলবদি খুদোপ্ অদু পৈশা খর পীদুনা লৈহৌনবগী হোৎনবা য়ায়। তবাই তবাইনা পীদ্রবস্মু উপায় অমা তৌরুবা য়ায়। ফোংনা কদায়দনি হায়বা ভাই?

মদ। অজ্ঞা, সহব অসিগী মপান্দা।

ধন। ফবে, নূপীমচা অদুগী মশক্-মতৌদি ফজৈদনা?

মদ। অজ্ঞা, থোইনা থীবা নত্তে। মহাশয়, অসোম্দা যে বিযুদো, বাজা মানসি হগী দূত মন্ত্রীগা লোযনদুনা অসোমদা লাক্পিবি।

ধন। অফব বা নিংশিংহল্লে, ভাই। নঙোন্দা ঐনা মপু সঙ্গায়দা হাযকনবা হাযবস্ব বাশি দো হাযবম্মেদনা?

মদ। অজ্ঞা, মহাশয়গী থবক্তা ঐনা কদোইদস্ থৌশাদবা তৌদ্রা?

ধন। নঙ্গী ভাই, গুণ কযাতনো, ঐনা ইচিন্ অমতনা মদু কয়া হায়গনি; ফবে হায়ু তাসি, নঙ্গী মদনিথা কদায়দা লৈবা?

মদ। মাগীদমক্ মহাশয়না অদুক্ লাওতক্নবিবিবা কবিগীনো? নোংমা, নত্রগা, চৎমিন্নবগা মহাশয়গা মাগা উনহনুগে, মদু তৌববদি য়ানিদনা? ঐ হৌজিক্ চৎলে, লেপ্পবোই

অমুক্। মথন্তদা য়েঙ্গেদো, ঘটক ভায়াগী ভাগ্যদা ওসি করি থোক্পা। থোক্খিবা

ধন। মথন্তদা খুদোপ্ অহু ফংত্রিমখৈদি ঐগী মনঃ অসি করিমতা তঙ-তারোইদৌরে। মহুগী মমন্ লুপা লিশিং তরামুক্নি। মহুবু তরাই তরাই থাদোক্পা য়াবরা ? অঃহা। মহারাজবু কয়া কয়া ভুলাইহুনা মহু ফংলম্বনি ; মহু নিংশিংলুবদা মিত্তা পি তাই। খজিক্ খরাক্নীদমক্তা মহু ঐগী খুত্তগী নাম্থোক্পা ওম্মম্মোই। য়েঙ্গে, মদনিকা অসিগী ময়ুম্ খঙলবদি অমুক্তং খঙদোক্পা ওম্গনি। ধনদাসগী চালাকীবু করিমতা কান্নদনা তোক্লদরা ?

সত্যদাসগা লোয়নহুনা দূত অমুক্ চঙলপা

সত্য। অসিদা ধনদাস মহাশয় লৈরেদনা। লেওসি, রাজসভাদা অমুক্তং লেঙ্সিদনা।

দূত। মহাশয়, মহাক্নি রাজা জগৎসিংহগী দূত নত্রা ?

সত্য। অজ্ঞা, মানি।

দূত। ধনদাসরোম্দা মহাশয়, ঐখোয় অনিমক্তা মমন্-নাইদব রত্ন অমগী আশাদা দেশ অসিদা লাক্লবনিনা ঐখোয় অনি মহৈ মহৈ বিপক্ষ ওইরে, অহুবু ঐখোয় অমগামগা নত্তব-বেভার তৌনবা হৌনবরা ?

ধন। অজ্ঞা, মহু য়াবরা ?

দূত। অহুদি—ব্রা অমতং হংজগে ;—সিবি, মহাশয়না ইতত্তনা মরুদেশগী রাজ্যেশ্বরগী নিন্দা তৌই, মসিবু মহাশয়গী যোগ্য কর্ম্মরা ?

ধন। হায়বিরিবা করিনো মহাশয় ? খ্রা অসি মহাশয়দা কনানা হায়বগে ?

দূত। মহাশয়, নুংশিৎ শিল্রবদি উনা থক্ লেঙদে।

ধন। মহাশয়না ঐগা য়াম্না বিবাদ তৌনিংবনিদনা ?

দূত। মহাশয়গা ঐগা বিবাদ তৌবগা কবি ফল ফংদৌবিবা ? অছুম্নদি ওইরবদা মহাশয়না দুষ্কর্ম্ম অসিগী মতিক্-চাব ফল ফংবিনি. করিমতা সন্দেহ তৌবিন্নু। মহাশয়খোয়গী নবপতিদি বেশ্যাদাস ; জগোই, ইশৈ, প্রেমালাপ-বিদ্যা-পুস্বসিদা য়াম্না এক্সপার্টনি ; অতুনা মহাকৃপু, রাজেন্দ্রসিংহ মানসিংহগা লাম্বা য়াব মীরা ? নত্রগা সুন্দরী রাজকুমারী কৃষ্ণাগী যোগ্য পাত্রবা ?

ধন। সত্যদাসরোম্‌দা মহাশয়, তাবিবেদনা ? নাকোং মখুৎনা মেল্লগা দূতরোমদা ঠাকুব, কবি হায়নি, নংদি হন্নুব ব্রাহ্মন্নি, নত্রবদি নংবু ঐনা ঙসি অস্নুম্ থাদোকদবা !

দূত। কবি, কবি ? নং করি তৌগে হায়বগে ? এঃ! ঙক্সিদে পোওঙলেদা ?

সত্য। মহাশয়খোয় তপ্‌থবিয়ু। অরেম্বদা চিন্দা-পাউদানবগী দবকাব কবিনো ? থোইদোকৃপদি, মফম্ অসিদা মহাশয়-খোয়গী অসিগুম্ব নত্তব বেভার প্রকাশ তৌবা হৌনবরা ?

ধন। অজ্ঞা, হোই, অচুম্বনি। অহুবু ইবুঙোনম্ব বিচার তৌবি-যুদো, হিবম্ অসিদা ঐগী দোষ করিনো ? মহাক্তনা বিবাদ তৌরিবনি।

বলেন্দ্রসিংহ চঙলক্পা

বলে। করিনো তৌরিসিদে, মহাশয় ? ইবুঙোখোয়দি শাথিনা

লাম্বানরেদনা ? মহাশয়খোয়দি যুদ্ধ হৌবিরবোইরে * লক্ষ্য কক্তি থৈগ্না ?

দূত। অজ্ঞা, নচ্চদে। যুদ্ধ করিগীবু হৌদগে ? অহুদা, জয়পুরগী দূত মহাশয়দা ঐনা পাউতাক্ অম-নিদং পীরম্বনি।

বলে। করি পাউতাক্ পীবিরম্বা, হায়বিয়ু তাসি ? মহাশয়গী ইচ্ছাবু মসিরা, মহাক্না বিবাহ অসিগী আশা থাদোক্লুনা স্বদেশদা হন্থিবা, নত্রদো ? হা ! হা ! হা !

ধন। হা ! হা ! হা ! অজ্ঞা, অমরোম্দা মহু তারেদনা।

দূত। অজ্ঞা, মানি ! ঐগী বিচাবদা মহাক্না তৌক্ষম্ থোক্লবনি। মহাশয়, সম্মান অচোব পোৎনি। মরম্ অসিনা...অসি-গুম্ব সম্মান অসি ভাক্লবগী বিষয়দা থৌশাদবা থক্ তৌরোইদবনি।

বলে। হা ! হা ! দূত মহাশয়, ইবুঙোদি, উবেদো, স্বয়ং চানক্য অবতারনি। ফরে মহাশয়, ঐনা তাখি, ইবুঙোখোয়গী মরুদেশদা ভগবতী বসুমতীদি চাবোক্লবীগী স্বভাব চৎলি ; অহুদি—হায়বিয়ুদো, ইবুঙোখোয়গী রাজকর্ম্ম করম্না পাঙ-থোকই ?

দূত। বীরবর, চাবোক্লবীগা কনানা যুম্বান্নদবগে ?

বলে। হা ! হা ! বেশ ! ধনদাসবোম্দা তাবিয়ু মহাশয়, ইবুঙো-খোয়গী অম্বরদেশগী বর্ণনা অমুক্তং তৌবিয়ু তাসিদনা।

ধন। অজ্ঞা, মহু বর্ণনা তৌবা ঐগী ইতিক্ করি লৈনি ? * পঞ্চাননমক্না অম্বরগী ঐশ্বর্য্যগী বর্ণন নিংথিজনা তৌবা

* মহাভরতকী প্রসঙ্গ * মহাদেব

ঙম্‌দে। মহাশয়, ঐখোয়গী অম্বর, সাক্ষাৎ ✝ অম্বর দেশ-মক্তি। মফম্‌ অচুদা নুপী নহাশিং তারা-মপৈ মান্নবা ফজৈ; অচুগা নোংদা, নোংথাং অমম্বং নোংমরিক্কুম্না, রাজভাণ্ডারদা হীরা-মুক্তানচিংবনা থল্লি, মচুগী মথক্তা ঐখোয়গী মহারাজদি স্বয়ং চন্দ্রমানি—

দূত। হোইদা, চন্দ্রমাগুম্না কলঙ্কীসুনি।

বলে। হা! হা! করি হায়রবা, ধনদাস?

ধন। অজ্ঞা, অচুক্‌ হায়জবা শাবনিদা, কবিবু হায়নি? মকুদি মুমিৎকী মঙান্‌ কদোঔঙেদা থাঙবা ঙম্‌দেদনা! অচুগা মবুক্‌ লাম্‌চুনা অহিংদা মপান্‌ থোক্লবস্নু, চন্দ্ররোম্‌দা মমিৎ ফন্দোক্কুনা য়েংবা ঙম্‌দে। তেজলৈব পোৎমখৈদি মাগী মিৎকী চুনি।

বলে। হা! হা! হা কম্‌দোই, দূতবব! হায়বিবসে! নেপথ্যদা যন্ত্র ধ্বনি করিনো তৌবিসিদে?

নেপথ্যদা পুং-শেন্‌ য়ৈবা

সত্য। তোতো, মহারাজ বাজসভাদা লেঙশিল্লক্লে। লেংঙসি, ঐখোয় হৌজিক্‌ চৎলসি।

রক্ষক চঙলক্পা

রক্ষক। খুৎলোন্নচুনা বীরবব, গণেশ গঙ্গাধব শাস্ত্রী কৌব দূত অমথক্‌ মহাবাষ্ট্রপতিগী লাঞ্চুংদগী সিংহদ্বাবদা থুঙওরে। করি আজ্ঞা তাকৃপিগদবা?

বলে। দূতলা? মহাবাষ্ট্রপতিগী লাঞ্চুংদগী হায়রবা? আচ্ছা,

✝ আকাশ

মহাক্পু রাজসভাদা পুশিল্লু, ঐ লাক্লে। লেঙসি অহুদি ঐখোয় পুন্নমক্ রাজসভাদা অমুক্তং য়ৌরুসি।

পুন্নমক্ থোক্খিবা

মদনিকা অমুক্ চঙলক্পা

মদ। মথন্তদা হৌজিক্তি ঐগী কর্ম্ম মহৈ য়াল্লে; অহুনা নগর অসিদা অমুক্ পন্থকবগী দরকাব লৈতরে। ঐগী খুজিন্দগী রাজনন্দিনীস্সু রাজা মানসিংহবু অস্মুক্ নুংশিবিরে, মহাক্তি রাজা জগৎসিংহগী নাম পম্বদা অমুক্তোইনা মৈ ফ্রং ফ্রং হৌই; অহুগা ঐগী পত্র ফংবদা মানসিংহনস্সু দূত থাবি-রক্লে। অহুনদি অসিদা অমুক্ লৈহুনা করি কান্ননি? চৎপদি তাবে, অহুবু রাজনন্দিনীবু থাদোক্কুনা চৎপদা প্রাণ অসি কৈনো অমা তৌই। অঃহা! অসিগুম্ব স্বভাব নিংথিবী নুপীমচা অনি শুদেদা! হে পরমেশ্বর, ঐনা বন্দা মৈ চূবম্মে, মসিনা লাম্মৈ শাহুনা সুনয়না কুরঙ্গিণী অসিবু চাক্হন্বিগনু। প্রভু, মহাক্লা মাবু কৃপা তৌবিহুনা কল্লু। চৎলগে, ঐমক্লা ধনদাসগী মমাঙ থানা জয়পুরদা থুংদবা য়াদে। থোক্খিবা

অনিশুব গর্ভাঙ্ক

উদয়পুব, বাজ-উদ্যান

তপস্বিনী চঙ্গলক্পা

তপ। মথক্ষদা কয়াত ৬বক্‌খ্রবা! ঐনা ত্রিপতিদা ভগবান গোবিন্দবাজগী মন্দিবদা কৃষ্ণকুমাবীগী মরমদা ফত্তব-মগু মণ্ডলস্থ থাঙ্গেশে না থোক্লবরা? রাজা মানসিংহ অমস্থং বাজা জংৎসি হ—অনিমক্লা বাজনন্দিনাগী বিবাহগী আশাদা নগব অসিদা দূত থাবিবক্লে, অত্থনদি শামু অনিসিমা থেঙ্গাঙ্গনদনদি হন্‌গত্রা? নত্রগা মথোয়গী অকিব লড়াইনা বনগী সামান্য দুঃখ দশা থোকদবা? হাই! হাই! বিধাতানা কয়া বৈবীবিরবা! স্বর শাংনা হোন্দোক্লগা দীনবন্ধু নংতনি সত্য! কৃষ্ণানসু উরে, রাজা মানসিংহবু য়াম্না থু শিবে। ফরে, চৎলগে, রা পূম্নমক্লি বাজমহিষীদা অমুক্তং খণ্ডহল্লুবনা চুম্মি। থোক্থিবা

কৃষ্ণ কুমারী চঙ্গলক্পা

কৃষ্ণা। মথক্ষদা উচেক্তোনা ফ্রং পাইখ্রববা কবিনো দূতী অত্থবু? ঐনা মাবু থিকনবা মী কয়া কদায় কদায়দা থারুরে, মশিং নাইদরে। স্বর শাংনা হোন্দোক্লগা কয়াত ঙক্‌খ্রবা! মানা করি মায়ানা ঐবু অস্কু খোয়বাংহল্লন্নিবা, ঐদি করিমতবু খণ্ডবা ঙম্‌দরে। হা অপংব মনঃ! কবিগী বৃথাদা অস্কু তথক্ তথক্লিবা? অহিঙ্গী মঙবু কদোঙে মহৈ য়াম্বগে? দূতী আসনা ঐবু ছল তৌরম্বরা? মত্থসু

কয়রা হায়সিবা? মখোয়গী রাজাগী দূত কাওবা লাক্লে। চিন্তা তৌরগা ভগবতী কপালকুণ্ডলাদা ঐগী মন:গী রা পুম্ব হায়দোক্লবনিদু করিবরা? অসিগুম্ব রহস্য অসিবু পুক্লংদা লোত্তুনা থম্বা য়াত্রা? তীন্না লৈরাং ময়োন্ চিক্থত্তুনা থোরক্পগুম্না, মসিস্ মত্থম্ তৌই। আহু ভগবতী, ইমাগা ৱারি শানা শানা অসোম্দা লাক্পি-রিদনা। ঐগী রা ওইরম্নি। হাইমা, ইকাইজৈদা। ইমানা তাবদা করি হায়বিগবা? ঐদি ইমাদা ইমাইসি করম্না উৎকদগে? বিধাতানা লাইবক্ অসিদা করি ইবিরম্বা, করিম্নু হায়বা য়াদ্রে। চৎলগে, হৌজিক্ সঙ্গীত-শালাদা চেল্লগে। থোক্খিবা

অহল্যা দেবীগা লোয়নহুনা তপস্বিনী অমুক্ চঙলক্পা

অহ। করি ৱানো, ভগবতি? ইবেম্মনা রা অসি কৃষ্ণাগী মচিন্দগী তাবিরব্রা?

তপ। অজ্ঞা, তাজরে। মা মশামক্না হায়রম্মে।

অহ। কয়াত ঙক্খ্রবা!—

তপ। মহিবি, লজ্জা যুবতীগী হৃদি মন্দিরগী দ্বারি মশক্নি। মাবু মাইথিহম্বা তরাইব কর্ম্মরা? ঐনা কয়া কৌশল তৌহুনা বিষয় অসিদা মহে য়াল্লক্পা, মহু ইবেম্মদা করি-মুক্ হায়সিগে?

অহ। অঃহা! মরম্ অসিননিদমা নূপীমচাবু মমায় অসুক্ মক্না উরিবা! ফরে, ভগবতি, কৃষ্ণানা রাজা মানসিংহবু অসুক্ মুংশিন্নিবসিগী মরম্ খর থত্তবা ওম্বরা?

তপ। মহিষি, লাইনা তম্বনি পুন্নমক্তু। আহু সূর্য্যমুখী লৈরাং উবিবিদনা, মানা হেক্ শাৎপদা সূর্য্যদেবরোম্‌দা য়েংহুনা লৈ ; অহুবু কবিগী য়েংলিবনো হায়বহু কনানসু হায়বা ওমদে।

অহ। সূর্য্যদেবগী অবংব মঙান্ উবদা সূর্য্যমুখীনা মহাক্কী মখা পোম্বনি, ঐগী কৃষ্ণাদি বাজা মানসিংহবু থক্ উখিদ্রি—

তপ। দেবি, পুক্লিং-মিৎনা কবিবু উদবগে মীনা? থোইদোক্-পদি, ভগবান কন্দর্পগী লীলাখেলা অসিবু ইবেম্মনা খঙবি-দরা? *দময়ন্তী সতীনা বাজা নলবু মহাক্কী চর্ম্মচক্ষুনা উহুনা মহাক্কী মক্ষমদা নুংশিবা পোক্‌খিববা? ইথক্ থক্কা অংগ! কয়াত মনঃ হুবব গন্ধনো! দেবি, য়েংবিযুদনা, নুংশিব গন্ধসি গন্ধ-পুবগা লোয়ননা আকাশদা ভাউবি, লৈবাং কবম্বদগী মহাক্ পোক্লকপা, ঐখোযনা মহু উবা ফংদে। অহুবু ঐখোয়না নিংথিজনা খঙি,—লৈবাং অহু য়াম্না ফজে। মসিন: মখোন্ থোক্কনা ঐখোয়দা মাগী অপোক্‌প লৈবাঙ্গী নিংথিজবা শন্দোক্লা তাক্লবি। দেবি, মিংচৎ-মনম্‌গীসু, খঙবিসি, রীতি অসিনি। মকদেশগী মবুঙো মানসিংহ রায় মমিং চত্তব নিপা নত্তে।

অহ। অজ্ঞা, মহু সত্যনি। নেপথ্যদা যন্ত্র ধ্বনি

তপ। তাবিযু মহিষি, রাজনন্দিনীগী মপুক্লিঙ্গী ভাব অহু হৌজিক্‌মক্ প্রকাশ ওইরনি।

---

* মহাভারতকী নল-দময়ন্তীগী প্রসঙ্গ

নেপথ্যদা—

গীত

ভৈরবী-মধ্যমান।

মাবু উদবদা ইমিং চোংলে।
প্রাণ হুখেং কামতেন্না মন্থহল্লে॥
দিবানিশি হুভাইবা লৈত্রে পুক্লিংদা,
পুক্লিং ব্রাবা, ইতা, হায়নি কনাদা॥
মলয়-মালংব চাকৃহল্লে তত্তনা,
থমোইদা লেংলরে কোকিল-কুহুনা॥

তপ। অঃহা! ঋতুবাজ বসন্ত খোংদাবদা, কোকিলবু কনানা মচিন্ মেন্দুনা থম্বা ঙম্বগে? মানা শোয়দনমক্ মবুক্লিঙ্গী ব্রা দিবানিশি পঞ্চম স্বরনা বন্দা ফোংদোকৃই। যৌবন চঙবদা মী ওইবগী হৃদিস্থ মতৌ অহুন্না তুমিন্না লৈবা ঙম্দে।

অহ। ফবে ওইরসন্থ। ভগবতি, ইবেম্মগী ব্রাহ্ম তাবদা ঐগী মনঃ কয়া খোয়বাংলক্লে, হায়বা ঙম্দরে। হাই, হাই, ঐগুম্না লাইবকৃথীবী নূপী অতৈ লৈব্রা? ইচাগী বিবাহ নিংথিজনা তৌগে হায়না আশা চাউনা লৈজরম্বনি; অহুবু বিধিনা চাম্বিদবনা, উরেদো, পুন্নমক্সি অবেম্বদা তারে। কপ্প

তপ। করিগী, মহিবি? করিগী লেম্গদৌরিবা?

অহ। ভগবতি, ইবেম্মনা খম্বিরিব্রা,—মহারাজনা মরুদেশগী রাজাদা মজাইবেম্মা পীবিগনি? অমরোম্দা রাজা মানসিংহগা

শ্রীযুৎকা য়াম্না নুংশিনদে, অহুদগী, অসিদা জয়পুরগী দূত হাম্না লাক্লে।

তপ। অহু ওইরগা কৈদৌয়ে হায়বগে ? অহাঙ্ক ঈরুপ্প-ভাঙ্কাবদা সাগরনা অঙ্কব মুক্তা পীনবরা ? মসি করি ৱানো, মহিষি ? ইবেম্মখোয়গী কন্যানি, ইবেম্মখোয়না পীনিংব মীদা পীবিয়ু, মসিদা অমুক্ অকোন্-অহান্গী করি লৈ ?

অহ। স্বর শাংনা হোন্দোক্লগা ভগবতি, ঐখোয়গী ইনিংলা ? অঃহা ! ভগবতি, অসোম্দা অমুক্ত য়েংবিয়ুদো ! চঙশিল্লগা লাউ, মেম্মা, লাউ—

কৃষ্ণা অঃক্ চঙলক্পা

ঙসি নঙ্গী নমাঙ্ট অস্থুক্ লাংনা উরিবা করিগীনো ?

কৃষ্ণা। লাংদেদা, ইমা, কৰিগী ইমায় লাঙ্গদগে ?

অহ। কৈনো কৈনো, কৈদৌবে ? নং কৰিগী কপ্লিবা, মেমা ?

কৃষ্ণা। তুমিল্লা রাণীগী ঙক্ কোন্দুনা কপ্পা

অহ। কপ্ কন্থু মেমা, ছি ! করিগীনো ? নঙ্গী করি ৱাত্তনা, নং অমুক্ ৱারিবা ?

তপ। মথস্তদা অঃহা ! ব্রত অসিগী অনৌব * ব্রতী ওইবননিদো ! মবম্ অহুনা ব্রতগী উদ্দেশ্য-দেবতাবু ফংদ্রবদা মানা অমুক্ তঙতানা লৈবা ঙম্গদ্রা ?

অহ। হৌনদে, ছি ! করিনো, মেমা ?

কৃষ্ণা। ইমা, ঐনা করি দোষ তৌখয়ে, নখোয়না ঐবু ঈশিংদা লংশেক্লবা হোৎনবিরিবা ? কপ্পা

---

* new pupil

অহ। হায়হৈদে! কৈদৌদনা মেমা! ইচাবু ঈশিংদা করিগী লংশেকদগে? নুপী মচাশিংনা পুন্সি চুপ্পা মপাম্দা লৈবরা, ইবেম্মা? কপ্পা

তপ। ইচাসিদে, উচেক্ মচানা পুন্সি চুপ্পা পোক্কম্ মহুম্দা লৈহুনা মতম্ লেমরা? য়েঙ্দনা মঙ্গী নমাসিজ, মহাক্না কবম্না মপাবুঙ্গী যুম্ থাদোক্কনা স্বামীগী যুম্দা লৈরিবা? নংস্থ মহুম্ তৌনিদো; মহুদা করি রারিবা?

কৃষ্ণা। ভগবতি,— কপ্পা

অহ। তপ্থৌ, মেমা তপ্থৌ। ছি, মেমা, কপ্কনো। কপ্পা

কৃষ্ণা। ইমা, ঐবু অস্নুক্ কুইনা য়োক্পিরক্লগা মমৈদা বনবাস তোহল্লগেবা? কপ্পা

তপ। মহিষি, আহ্ মহারাজ অসোম্দা লেঙবিবক্রি! মহাক্না নখোয় অনিগী দশাসি উবদা য়াম্না রাবমি। অহুনা থবক্ অমা তৌবিয়ু, রাজনন্দিনীবু পুহুনা খর থৈদোক্কনা লৈবিক।

অহ। লাউ, মেমা, ঐখোয় হৌজিক্ চংলসি।

অহল্যাদেবী অমসুং কৃষ্ণা থোক্খিবা

তপ। মথন্তদা তুম্দবা, চাদবা, অকঙ তপস্যা—পূম্নমক্ অসিনা সংসার-মায়াগী য়োংহ্লিংদগী মুক্তি পীনৈ হায়না ঐনা খল্লম্লিবনি। কদায় অহুদি? ঐনা মুক্তি অহু কংলে হায়বস্থ করিমতা খল্লুদে। অঃহ! মখোয় অনিগী অরাবা উবদা থমোই কায়বে। মর শাংনা হোন্দোক্লগা হে বিধাতা, মীগী থমোইদা নংনা ইন্দ্রিয় পূবগী বীজ থাবিরম্মে, মহুবু

মন্না ফংনা ফুক্তোক্পা মীগী মতিক্লা? কপ্-লাউবা তাবদা * যোগীন্দ্রগীস্তু মনঃ চরাংনরক্ই।

রাজা ভীমসিংহ চঙলক্পা

রাজা। ভগবতি, মহিষী নত্রা অসিদা লৈরম্বদো?

তপ। অজ্ঞা, মানি! মহাক্ অসিদা লৈরম্বনি; হৌজিক্ অমুক্ হেক্ লাকদৌমাল্লে।

রাজা। মহাকা ঐগা ভাঙ্নগদবা অরুব ব্রা অমা লৈ। কোয়চচ্ছৎলগা ভগবতীস্তু তাবিরম্বা য়ায়, মরুদেশগী অধিপতি রাজা মানসিংহরায়নস্তু কৃষ্ণাগী বিবাহগী আশা তৌদুনা ঐগী ইকম্দা দূত থাবিরক্লে।

তপ। অজ্ঞা, তাজরে।

রাজা। স্বর শাংনা হোন্দোক্লগা ভগবতি, পুন্নমক অসি ঐগী লাইবক্তদ থোক্লরবা!

তপ। অজ্ঞা, করি রানো, মহারাজ? অসিগুম্বদি সর্ব্বত্র থোক্ইনা।

রাজা। ভগবতি, ইবেম্মদি পুন্সিগী তপস্বিনীনি, অতুনা দেশ অসিগী মীগী চরিত্তি মুন্না খঙবিদে। বিবাহসিগী মরম্দা গোলমাল কয়া থোক্লগদগে, মশিং লৈরিবরা?

অহল্যাদেবী অমুক্ চঙলক্পা

প্রিয়ে, নঙ্গী কৃষ্ণাগী বিবাহ ইনিংতৌনা ফজনা পাঙ-থোক্লনি হায়বসি ঐদি করিমতা বিশ্বাস তৌদ্রে।

অহ। করি রানো, নাথ?

---

* মহাদেব

রাজা। করি অমুক্ হায়দগে? বিষয় অসিগী মহারাষ্ট্র অধিপতিনা বাজা মানসিংহগী পক্ষ ওইনা, ঐঙোন্দা হায়জরক্লে—

তপ। নবনাথ, অদুদি নজাইবেম্মবু রাজা মানসিংহদা হেক্ পীথোক্পিদ্রিবা কবিগীনো? মহাক্ সামান্য রাজাদি নত্তেনা—

অহ। প্রাণনাথ, দাসী অসিগীসু প্রার্থনা অদুনি।

রাজা। করি রানো, দেবি? রাজা জগৎসিংহ ঐগী য়াম্-চান্নব মবি-মতানি, অদুগী মথক্তা অমুক্ মহাকী দুতনা হান্না লাক্লে, হৌজিক্ ঐনা কবি হায়দুনা মাবু বিষয় অসিগী আশা কায়হল্লি? স্বব শাংনা হোন্দোক্লগা হে বিধাতা, নংনা ভ্রমগী মৈ চুবস্মিব অসিবু ঈ-ঈচেন্ নত্তনা অতৈ কবিনা মুৎহন্গনি?

অহ। প্রাণেশ্বব, মহাবাষ্ট্রপতিনা মসিদা থুং থিংজিল্লিবা অসিগী কাবণ কবিনো? মহাক্ নত্রনে স্বদেশদা হন্নবা তৌথে হায়বদু!

রাজা। দেবি, নংদি নবাধম অদুগী চবিত নিংথিনা খঙদেদো। মাদি অসি পাস্মিবনি। যেসা লংজিন্ অমা ফংলগা লোইবে।

তপ। ফবে, মহাবাজ, শ্রীযুৎনা মসিদা সম্মত ওইদ্রবদি, মহারাষ্ট্রপতিনা কবি তৌদগে?

রাজা। অদু ওইরবদি মাগী গুণ্ডাদলনা অমুক্ দেশ লুট তৌবা হৌগনি! হাই! হাই! মদুদবু দেশদা অতৈ কবি লৈদগে?

ভগবতি, ঐহাক্কী হৌজিক্পু অবস্থা অদু লৈরিবরা, মপাঙ্গল্ কম্ব বৈরী থিংননবা ?

তপ। মহারাজ, ইমা ইন্দিরাগী কৃপানা শ্রীযুংকী করি অরাৎপা লৈবগে ?

অহ। রাজাগী মথুং পায়দুনা নাথ. মসিদা স্নাপুক্লিং অদুক্ হাক্লা য়াংবিরুনু। ভগবান একলিঙ্গগী কৃপানা নুংশাথিবসি য়াম্না থুনমক্ ঈঙ্গনি থগ্গে।

রাজা। মহিষি, নংদি রাজা পুনীনি। নং খঙভ্রা, বিবাহ অসিদা ঐনা আশা থুগাইব মী অদুনা খুদক্তা থাংশাং লাপ্লা লংশেকড্রা ? প্রিয়ে, নঙ্গী কৃষ্ণা, * সতীগী মতৌগুম্না মাগী পাবুঙ্গী সর্ব্বনাশ তৌনবা লাক্লবরা ? হাই, হাই ! ঐনা বিধাতাগী মফম্দা করি পাপ তৌরদননো মহাক্লা ঐবু অম্নক্ য়েংথিবিরিবা ! ঐগী মমন্ নাইদব রত্ন অসিম্নু মৈ ওইদুনা ঐবু চাক্পা হৌবক্লে ! ঐগী হৃদি মণিদগী ঐগী সর্ব্বনাশগী ব্রাহৌদোক্ ওইগনি হায়বসি মঙদম্নু মঙলম্দে।

অহ। খুম্দনা কপ্পা

তপ। করি মতৌনো ? মহিষি, করিনো তৌবিরিবা ?

অহ। ভগবতি, যম-না ঐবু কাউবিবমাল্লে ? কপ্পা

তপ। হায়হৈদেদা ! মহাক্লা ইবেম্মগী শত্রুবু নিংশিংসম্নু ।

* দক্ষ যজ্ঞদা সতী প্রাণ থাখি। অদুদগী শিবগী মনাইনা যজ্ঞ থুগাই। দক্ষসু প্রাণ থাখি। তুংদা শিব কৃপানা হামেং মকোক্ ফংখি। পুরাণগী দারি।

মহারাজ, স্না য়াৰং লৈরবদি, ঐখোয় হৌজিক্‌ মঙ্গং-সঙ্গায়দা চচ্চরগে ।

অহ । নাথ, ঐগী কৃষ্ণাগী মসিদা করি দোষনো, হায়বিযুদো ? ঐগী ইচাদি অক-ফত্ত করিস্নু খঙজদে। মহারাজ, মঙোন্দা অস্নুম্‌ তৌনা হায়বিরবদি মমাগী প্রাণনা খাঙবা য়াব্রা ? মেমা, করিগীদমক্‌ অভাগিনীসিগী গর্ভদা নং পোক্লস্বা !

কপ্পা

রাজা। মখুৎ পাযদুনা দেবি, ঐগী অপরাধ অসি ঙাকুউ। হাই ! হাই ! ঐদি কয়াত তোল্লব ! ঐগুম্ব ভাগ্য-লৈতব নিপা অতৈ লৈবিরোইদা ! অসিগুম্ব অমৃতস্নু ঐঙোন্দদি হু ওইরে। অদুদি চংলসি, প্রিয়ে, হৌজিক্‌ মঙ্গং-সঙ্গায়দা চংলসি। সূর্য্যদেবস্নু অস্তাচলদা লেঙশিন্‌খরে। স্বর শাংনা হোল্লগা হে দিননাথ, * নহাক্‌পু মীনা রাজকুল অসিগী হৌরক্‌-ফম্নি হায় ; অদুনা নহাক্সু মাগী অন্নাবদা মক্লবরা !

পূম্নমক থোক্‌খিবা

কৃষ্ণা অমুক্‌ চঙলক্‌পা

কৃষ্ণা। কোয়চচ্চংগা মথন্তদা অংহা ! মদুনা মতম্‌ অমা অদুগা মসিনা মতম্‌ অমা ! ঐনা কবিগীনো অরেশ্বদা অমুক্‌ অসিদা লাক্লিবা ? পূম্নমমক্‌ অসি ঐঙোন্দা মুঙাইরিবরা ! স্বর শাংনা হোন্দোক্লগা অংহা ! ঐনা মল্লিকা অসিবু লুনা তৌদুনা বনবিনোদিনী থোল্লম্মী। ফজব ক্যাম্লে পাম্বী-সিবু সখী হায়না বরিরম্বনি ! ইঙক্‌ ঙক্লা কৈনোদো ?

* মেৱারগী রাজবংশ সূর্য্যবংশনি হায়নৈ।

অংহা। সখি, নংনা লাইবক্থীবী অসিগী অরাবা উবদা স্বর শাংনা হোন্দোক্লবরা? কবিগীনো? নংদি পুন্সি-চুপ্প মুণ্ডাইবীনি; নঙ্গী অরাবগী বিষয় করিনো? মলয়-মালংবনা নংবু য়াম্না লুনা তৌবিবনি, ইতত্তত্তা নঙ্গা মধুর স্বরনা প্রেমালাপ তৌবিবনি, অদুবু নং অতৈগী অরাবা খণ্ডবিবরা? কয়াদ ঙকৃখ্রবা! চিন্তা তৌবগা হাই! হাই! মায়াবিনী অসি করম্ব ফত্ত-ক্ষেন্দা দেশ অসিদা লাক্লম্বা, হাযবা ঙমদ্রে। কয়াদা ঙকৃখ্রবা! ঐনা কদোৈঙদা উখিদ্রিব, কদোৈঙদা মনিং তাখিদ্রিব, কদোৈঙদা রারি-রাতাই শানখিদ্রিব মী অদুগীদমক্ ঐগী প্রাণ তঙ-তাদ্রিবা কবিগীনো? থালি দূতী অদুগী মাযাদগী ঐগী মনঃ অস্থুক্ চবাংনববা? অংহা। ঐনা কৈদোদনা চিত্র অদু যেংলম্লিবা? কৈদোদনা মনোহব মূর্ত্তি অদু ঐগী হৃদি-পদ্মদা লিংখৎলম্লিবা? মীনা হাযনৈ, মকদেশ লৈহাও-চেন্দব লম্গংনি; মদুদা বসুমতীদি সদাই বিববা শাহুনা লৈ, হৈবাং-লৈরাং-নচিংব অলঙ্কাব অমত্তা শিদে। অদুবু কযাদ ঙকৃখ্রবা! ঐগী মনঃদা দেশ অদু নন্দন কানন দৌনা পাল্লে! ঐনা মাগী বিষয় কয়া কযা খল্লক্ই, মদু ঐগী মনঃতনা খডিঙ। স্বব শাংনা হোন্দোক্লগা অমুক্তং চৎলগা যেঙ্গুগে, দূতী অদু খিদা ফংলবরা হাযদুনা? কোয়চচ্ছৎলগা ইঙকৃঙক্লা করিনোস্নিদে? লৈকোন্ অসি খুদক্সিদা থম্বাম্মনম্না হারিবা কবিননো? কিনা কয়াদ ঙকৃখ্রবা! ঐদি লেঙ-লাকপা য়াদ্রবা। ঐগী ইশাপূম্ব খুদক্সিদা

তুজুংলক্লে। নেপথ্যদা য়েংলগা কৈনোসে? কৈনো!ও!ও!

মূর্চ্ছা ওইখিবা, আকাশদা মেঙনা পুংয়েবা।

তপস্বিনী কন্না হোচ্চিল্লকপা

তপ। মথন্তদা সর্ব্বনাশ শারে! সর্ব্বনাশ শারে! কৃষ্ণাবু তম্বাক্তা পন্নগা কৈনো তৌরিসিদে? সর্ব্বনাশ! ঐনা অসোম্‌দা লাক্লস্বগী ফবনি! হৌগৎলো, মেমা, হৌগৎলো! কৈননো অস্মুম্‌ তৌরিবা?

কৃষ্ণা। হিপ্না হিপ্না দেবি, ইবেম্মনা মধুব-বাণীশিংদো অমুক্তা হায়বিযু। ঐহাক্‌ নিংথিজনা তাজগে। কবিনো হায়বিখিবা? অঃহা! "অচৌব শাগৈ অসিগী সন্মান মশাগী প্রাণ থাহনা ঙাক্‌পা যুবতী অহ্নবু লুনা তৌবগী সীমা লৈতে স্বর্গপুরদা।" অঃহা! অভাগিনী অসিগী লাইবক্তা অস্মুক্‌ নুঙাইবা লৈরিব্রা?

তপ। করি ব্রানো মেমা? কবিনো হায়বিদো মথন্তদা হাই, হাই! য়েঙ্‌দো, বিধাতাগী করম্ব বিঘ্নিনো? অমরোম্‌দা রাক্ষসী বেলানিসে, অহুদা অমুক্‌ কৃষ্ণাগী নবযৌবন্নি; কনা থঙি কনাগী দৃষ্টি—

কৃষ্ণা। হৌগৎলগা ইঙকুঙক্লা ভগবতি, ইবেম্মনা অসিদা অমুক্‌ কদোম্‌দগী লাক্‌পিরিবা?

তপ। করিগীনো, মেমা, কৈদৌরবা?

কৃষ্ণা। মাইগৈ মরি য়েংলগা কয়াদ ঙক্‌খ্রবা! ভগবতি, ঐনা অঙকুপ মঙ-অমা মঙলক্ষ্মী, মহু তাবিরবদি ইবেম্ম অমুক্তোইনা ঙকনি।

তপ। করি মঙনো, মেমা ?

কৃষ্ণা। ঐনা সনাগী মন্দির অমদা কমল-আসন অমদা ফমহ্না লৈবগুম্ তৌবম্মী, মতম্ অহুদা য়াম্না ফজবী নূপী অমনা মখুৎনা পদ্ম পায়হ্না ঐগী ইমাঙদা লাক্লগা লেপ্তুনা হায়বম্মী,—নূপীমচা, নং ঐবু প্রণাম্ তৌ। মবি থিনবদা ঐ নঙ্গী নমা থোক্‌ই।

তপ। মতুংদা ? মতুংদা ?

কৃষ্ণা। ঐনা প্রণাম তৌবম্মী। মথংদা মহাক্না হায়রম্মী,— "য়েঙু, নূপীমচা, অচৌব শাগৈ অসিগী সম্মান প্রাণ থাহ্না ঙাক্‌প যুবতী অহুবু লুনা তৌবগী সীমা লৈতে স্বর্গপুরদা ! ঐ শাগৈ অসিমক্কী মো ওইবম্মী। ঐগী নাম পদ্মিনী কৌই। নংস্ত্র ঐগী মতৌদৌনা কর্ম্ম তৌ, অহু ওইরবদি ঐমক্কী মতৌগুম্না মিংচৎ লৈবী ওইগনি *।

তপ। অহুদগী, মথংদা ?

কৃষ্ণা। উঃ, ভগবতি, ইবেম্মনা ঐসু অমুক্ত পায়বিযুদো। ঐগী ইশাপুম্ব নীক্লে।

তপ। মাঙলে, কবিনো। চৎলসি, মেমা, নং মন্নুং-সঙ্গায়দা চৎলো। অসিদা লৈহ্না কান্নদবে। য়েঙু, মেমা, ঐঙোন্দা হায়খিব ব্রা অসি নং অতৈ কনাদস্থ হায়নুকো। আকাশদা মেঙনা পুং-শেন্ মৈবা

* প্রেতাত্মা (spirit) থোক্‌পসি সেক্সপীয়রগী নাটক্কী বিশেষ কৌশলনি, কবিনা প্রেতাত্মা থোক্‌হন্দনা মঙদা উহল্লে ! মসিনা সেক্সপীয়রগী প্রভাব য়াওই হায়বা উৎলে।

কৃষ্ণা। অঃ হা হা। ভগবতি, আহু ভাবিম্নু!

তপ। মাঙলে মাঙলে। নূপীমচা, ঐনা কবিবু তাগবা।

কৃষ্ণা। কবি ৱানো, ভগবতি? তাবিদৱনে, কয়াদ নুংশিবব মখোন্নো। অঃ হা হা!

তপ। চৎলসি, মেমা, অসিদা অমুক্ পম্বা কান্নদবে। নং থুনমক্ অসিদগী চৎলো। অনিমক্ থোক্থিবা

অহুম্শুব গর্ভাঙ্ক

উদযপুব নগব—সিংহদ্বার

বলেন্দ্রসিংহ অমস্তুং ৱক্ষক থৱ চঙলক্পা

বলে। বঘুবব সিংহ।

অহাম্ব। খুৎলোন্নহনা কবি য়াথং, বীববর?

বলে। যেঙঙু, নখোয় পূন্নমক্ যাম্না হুসিযার ভৌনা লৈযু। ঙসি কনাবুম্নু নগব অসিদা চঙ্হন্গন্নু।

অহাম্ব। অজ্ঞা! ইবুঙোগী অনুমতি য়াওদনা, কনাগী মতিক্ লৈ, নগব অসিদা চঙবা।

বলে। অহুগা যেঙঙু, মহাবাষ্ট্রপতিগী লাঙ্কংদা করিগুম্ব গোলমাল ভাববদি, খুদক্তা ঐঙোন্দা পাউ হায়ৱো।

অহাম্ব। অজ্ঞা!

বলে। মেংলগা মথন্তদা মহাবাষ্ট্রগী লম্ফ্ই অসি সামান্য *ধূর্ত্তৱা।

---

* cunning—মৱোৌলৈবা।

অমুক পৈশা পাম্ব, মাঙনবা তৌবা, নরাধম ডাকাত অনি শুবরা? অদুগা মানসিংহগা মাগা খুদক্কা অমুক্ চান্নরিবসিগী কারণ ঐদি কবিস্নু খঙ্বা ঙমদ্রে। চিন্তা ভৌরগা কারণ অমা নত্রগা অমদি শোয়দনা লৈবে। মদু নত্রবদি বৃথাদা ব্রাবিগদব অদুগুম্ব পাত্রদি নত্তে মহাক্। কৃষ্ণাবু বিবাহ তৌগে তৌসনু তৌবোই তোক্লনু, মদুদা মাগী করি মহাম্ তাদগে? থোব্খিবা

নেপথ্যদা লাম্বুং ম্বৈবা—

অনিশুব। আচ্ছা, রঘুববসিংহ—

অহান্ব। কৈনো?

অনিশুব। নঙোন্দা, ভাই, ঐ ব্রা অমতা হঙ্গে; নংদি সদাই ঐখোয়গী সেনাপতি বলেন্দ্রসিংহগী মনাক্তা লৈবদাই; সনাকোন্নুঙ্গী ব্রারি নংনা খঙ্বা অদুক্ অতৈ কনাম্নু খঙ্দে।

অহান্ব। হোইনে, খব-খরদি মখঙিঙ। অদুদি কবি হঙ্গে হায়রিবনো, হাযমু তাসিদনা।

অনিশুব। য়েঙঙু, ভাই, মহারাষ্ট্রপতিগা ঐখোয় মহাবাজগা সন্ধি তৌখবে হায়না ঐদি তাখবে, অদুগা মহাক্কা অমুক্ লাক্তুনা থানা ফম্মবিবসিগী কাবণ করিনো?

অহান্ব। করি ব্রানো? নং মসিগী কবিস্নু তাদ্রিববা?

অনিশুব। তাদে, ভাই!

অহম্শুব। কদায়? ঐখোয়দি মসিগী কবিমতা খঙ্দেনা।

অহান্ব। মরুদেশগী রাজা মানসিংহ, অদুগা জয়পুরগী অধিপতি

জগৎসিংহ অনিমক্না ঐখোয় রাজনন্দিনীবু লুহোংনিংহুনা দূত থাবিরক্নে।

অহুম্‌শুব। হোই, হোই। মহুবুদি খণ্ডিদা। সিবি, বিষয় অসিদা মহারাষ্ট্রপতিনা খুং খিংজিন্বা করিননো?

অহাব। ঐখোয় মহারাজগী ইচ্ছা মপুংদি—মজাইবেম্মবু জগৎসিংহদা পীবা; অহুবু মহারাষ্ট্র রাজাগা জগৎসিংহগা পুন্সিচুপ্প বিবাদনিদো; মহাক্কী ইচ্ছাদি—মহাবাজনা রাজকুমারীবু মানসিংহদা পীবিবা।

অনিশুব। ফরে, ভাই, মহাক্না বিবাহগী ঘটক ওইহুনা লাক্লবদি সৈন্য অমুক যাম্না লোয়নরক্‌পগী দবকার কবিনো?

অহাব। হা! হা! মসিম্ন খঙবিদ্রিবা ভাই? মাগা মাল্লব ভিখারীদি অনিশুদে। মাদি অসিগুম্ন গোলমাল অসিত পাম্‌জে। কবিগুম্ন অমা খিক্ত' থোক্‌পদা, ছল-নবা, মাগী ভিক্ষাগী ঝুলি থল্‌হল্লি।

অনিশুব। মহু সত্যানি। অহুদি ঐখোয় মহাবাজনা কবি লেপ্লিরে, খঙব্রা?

অহাব। কবি অমুক লেপ্‌কদগে? জযপুবগী বাজদূতপু বিদাই-নবগী শ্লাসাখং পীখবে। অহুগা লুমিং খরনিগী মতুংদা মহারাষ্ট্রপতিগা ভগবান একলিঙ্গগী মন্দিবদা উনবিগনি। মতুংদা বিবাহগী বিষয় কবি ওইরগবা, হায়বা ঙমদে।

অহুম্‌শুব। ফবে, নংদি, ভাই, খন্নরা, মসিদা জয়পুরগী রাজানা তুনিন্‌ লৈগদ্রা?

অহাব। হায়বা ঙম্‌দে। রাজাহুবু লান্‌ য়াম্না পাম্‌দে হায়না

তাখি। অড়বু যেসাস্থু ওইবস৴ত্র, রাজপুত্রনিনা? অপমান অসিবু থাওবা ভমগদ্রা?

অহুম্ শুব। তোতো, অসে নদা কমানো মী অনি লাক্লি, য়েঙ্‌দো।

অহান্ব। খ্বাইপুম্ব হুসিযাব হে! মন্ত্রী মহাশয ওইবমাল্লে।

সত্যদাস অমসুং ধনদাস চঙলকপা।

সত্য। রঘুবরসিংহ—

অহান্ব। খুৎলোম্নড়না— অজ্ঞা।

সত্য। পুম্নমক্ মঙ্গলনিদনা?

অহান্ব। অজ্ঞা!

সত্য। আচ্ছা। ধনদাসবোন্দা মহাশয, অসোম্দা অমুক্ত লাকপিযু।

ধন। মন্ত্রী মহাশয, থোদো অসিদি ফরিবরা?

সত্য। অজ্ঞা, মহু অমুক্ পম্বিরনু। মহারাজনা মসিদা কদায় ফাওবা মুঙাইতে হাযবহু মহাশযমক্ কৈদোই, খন্নহুনা যেংবিযুনা? অড়বু কর্বিদি তোনি? মাসদা অতৈ উপায় অমত্তা লৈতে।

ধন। অজ্ঞা, মানি, বা অসি অচুম্বনি। অড়বু ঐগীদি, খঙজবে, সব্বনাশ শাবে! ঐনা কবম্ব ফত্ত-ক্ষেন্দা দেশ অসিদা লাক্লম্ববনো, হায়বা ভম্দরে।

সত্য। কৈদোদনা, মহাশয়?

ধন। অমুক্ কৈদোদনা, মহাশয়? অহান্বদা য়েংবিযুদো, ঐগী খব লৈজরম্ব পুম্নমক্ অহু ডাকুদল অসিনা লুট

তৌবিখে। অহুগী মতুংদা রাজা মানসিংগী দূতকী মথুক্তা ঐনা কদায়ফাও অপমান খাওখিবা. মহুদি মহাশয়না নিংথিনা খওবিরিবনি, অহুগা—

সত্য। মহাশয়, থোক্‌খিবা থোকখরে। মা পুন্নমক্ অহু অমুক্ মাহেল্লৌনবিবহু। হোক্তিক্ চাম্বিদ্‌না খুদোপ্ অসি লৌবিধু। মহারাজনা মসি মহাশয়দা পীনবা পীবিরক্‌পনি।

ধন। মহারাজগী সনা কৃপা ইকোক্ থোংজরে। খুদোপ্ লৌবা

সত্য। মহাশয়, ইবুঙোদি কৈ-পিব না অমনি। মরম্ অসিনা ইবুঙোদা থোইনা হায়রুহুনা অরেম্বা তানি। মহাশয়না মহারাজ জগৎসিংহবু বিষয় অসিদা চংশিন্দনবা * পরামর্শ পীবিগনি। ইমু-মনুং কায়নবগী সময় নত্তে। চিন্তা তৌরগা য়েংবিয়ু মহাশয়না থবক্ অসি তৌবা ওম্বিরবদি মহা-রাজ-ইবুঙোম্ম মথৈ পৈতনা পেম্বিগনি।

ধন। অজ্ঞা। ঐনা ভম্বমথৈ হোৎনজরুগে। অহুবু জগদীশ্বরগী কৃপানি।

সত্য। ঐনা রাজকর্মচারীশিংদা রাজ আজ্ঞা হায়দোক্‌খরে। লম্বীদা মহাশয়গী করিগুম্ব অরাবা লৈররোই।

ধন। অহুদি ঐ তৌজিক্ বিদাইজরে।

সত্য। অজ্ঞা, লেওবিবসি অহুদি। থোক্‌খিবা

ধন। মবন্তদা য়েংহুম য়েংখিগে, খুদোপ্ অসি করম্বনো? য়েংলগা বাঃ, মসিদি মহাবরননিনা! মসিগী মমন্ লুপা লাক্‌মরুম্ ওইনি। হা! হা! ধনদাসগী ভাগ্যসিদে। লৈপাক্

* advice

শোক্‌পদা সনা ওই। হা হা হা! বিধাতানা বুদ্ধি পীবিব মী অহুদা পূমনক্‌ পীরি। চিন্তা তৌরগা বিবাহ অসিদা মহৈ য়াল্লক্কে, হায়দুনা মহারাজনা শাউবিরবদি, শাউবি— রেদনা; মাগী রাজ্য থাদোক্কুন অতৈদা চওনা লৈকবা হায়সিঙাইদনা। কবিদি তৌনি। ঐগীদি হৌজিক্‌ শেন্নমগী অৱাৎপা লৈতরে। হা! হা! বুদ্ধি পাঙস্থনা ধনদাস ধনপতি ওইববা; অহুমদি ওইরবদা, মসিদা বাধা অমদি উবে; বিলাসবতীগী আশাদি পূমথা থাদোক্পা তাবেদনা। শজীবু লক্ষ্য তৌত্নুনা অশুক কুইবা বন খুদিংদা কোযবক্কিবনি, মহুবু হৌজিক্‌ মতৌ অমা ওইনা খুত্নুনা চন্নগা করম্না ছন্দোক্লম্‌সিবা! চিন্তা তৌরগা কবিগী? ছন্দোক্লম্‌ত্নুনা কবিগী চৎকনি, ঐনা বেণ্যা অমবু ভুলাইবা ভস্মরোইদবা! মী কয়া কয়ানা স্বর্গ বন্যাবু বশ তৌখরে, অহুগা ঐনা সামান্য বাবাঙনা অমগী মনঃ হুবা ভস্মবোইদবা! হা! হা! য়েংবা তারে কবি থোক্‌ অবা।

(থোক্‌থিবা)

অহাম্ব। চৎশিল্লগা কনা লৈ, নথোয় কনানো মী অসিবু থওববা?

অনিগুব। কবিগী থওদনি? মসিদি জযপুরগী দূতনি। আঃ নোংমা অহিংদা, ভাই, মসিনা ঐবু কয়া রাহল্লম্মে, করি হাযনি?

অহুম্‌ব। কবিগী? করিগী?

অনীগুব। ঐনা, ভাই, বক্সিস্‌ পাম্‌ত্নুনা মদনিকা কৌবা নূপীমচা অমবু থিবা মহাকা চৎমিল্লরম্মী। অহিং নোংশোইবা

কোয়চচ্চংপদা শিখরে, করিস্থ ফংলম্‌দে। মমৈদা অয়ুক্তা য়ুম্‌দা হল্লমদাইদা বেটা ঐঙোন্দা শিকি অমত্তং পীরগা হায়রম্মী,—নং মিঠাই লৈতুনা চারু। হা! হা! হা!

অহাম্ব। হা! হা! হা! থবক্‌ মতুং ইম্ব মহৈনিদনা। অকাশরোম্‌দা য়েংলগা উঃ, অহিংসিদি নোঙাল্লেদনা।

নেপথ্যদা।—

গীত

ভৈরব—কাওয়ালী।

চংখরে যামিনী, শাংকায়রে নলিনী।
উবদা মংশিব দেবদিনমণি
মুঙাইজরে য়াম্না * ভানু-ভামিনী;
চংখরে চন্দ্রমা মতৌত্থ উবদা
রাবনা মক্নিল্লে মায়থোং কুমুদিনী। ১
পাইরি খ্বাংজেংব মধুখিবা লৈকোন্দা,
গুঙ্গংলে চেক্লাগী মধুর স্বরনা,
হরাও হরাওনা চচ্চরি উমংদা,
মুঙাইরে হানৌদা পুক্রিং শজী'মোম্না॥

অহুম্‌শুব। আতু তারেদনা? চংলসি, ঐখোয় হৌজিক্‌ চংলসি।

নেপথ্যদা লাখ্নুং য়েবা

অহাম্ব। হোই-চংলসি। আতু দল অমামুক্‌ লাক্লে।

পুম্নমক্‌ থোকৃথিবা

ইতি অহুম্‌শুব অঙ্ক।

---

* থম্বাল্‌ ১ থরো

মরিশুব অঙ্ক

অহান্ন গর্ভাঙ্ক

জয়পুব, বাজগৃহ

রাজা জগৎসিংহ অমসুং মন্ত্রী

রাজা। পাউ অসি নঙোন্দা, মন্ত্রী, কবি হাযবা, তৌন্নে কনানা ?

মন্ত্রী। ঙসি নুংথিন্দা নত্ত্রে, মহাবাজ, হয়েং অয়ুক্তা থুংলনি ধনদাস। মাগী মচিন্দগী পূম্নমক্সি তাবিরবদি হেক্ বিশ্বাস তৌবিনিদনা শ্রীযুৎনা ?

রাজা। নহাক্কী ব্বাবু থাজদব্রা ঐনা, জুগোৎ চাখিদ্রেদা ? ঐনা হংলিবদি, সিবি নংনা কনাদগী তাবকৃপগে ব্বাসি ?

মন্ত্রী। ঐহাক্কী, মহারাজ, * চর অমগী মচিন্দে তাবকৃপনি। য়াম্না বিশ্বাসযোগ্য পাত্রনি মহাক্।

রাজা। শোয়দ্রবরা ? অহুদি ভীমসিংহনা থৌ-বা শাদহুনা ঐবু, কন্যা পীগে থব্বা ওইরিনিনা মানসিংহমক্তা ?

---

* spy

মন্ত্রী। অজ্ঞা, তাজখি, শ্রীযুৎপু
য়া ম্না হুং শি ভীমসিংহ বাজেন্দ্রমণিনা ;
খুদোং চাদবমক্তদৈ তৌ খ রে ম হা ক্লা
শ্রীযুৎকী বিরুদ্ধ কর্ম্ম। মহাবাজ, ননাই
ঐনা ৱা পূম্বসি হা ম্না হ ঙ্গ চ খি ব নি
সনা চরন্দা, অহুবু, ঐগী ই বা ই ব ক্লা
মতম্ অহুদা শ্রীযু‌ৎনা তারম্মি স্নাপুক্লিং
ধনদাসগী পরামর্শদা।

রাজা। আঃ, খোক্খুব
খোদোক্কী ৱারুবৈ কবি কাম্নদগে ?

মন্ত্রী। অজ্ঞা,
চিংনজদে মঙ্গুবুদি ? অ হু বু, বি ঢ' ব
তৌবিু, ধনদাসমক্ মূলনি অ মা ঙ বা
অসিগী। মহাক্কী স্বার্থ পাঙখোক্লবৈদমক্
সর্ব্বনাশ'সি শাহল্লে বাজ্যগী মহাক্লা !

রাজা। করিগী ? করিগী ? মাগী করি অপরাধ ?

মন্ত্রী। অজ্ঞা, করি অমুক্ হাযনি ঐনা ? শ্রীযুৎনদি
খঙবিদে নিংথিনা ধনদাসগী চ রি ত্রি।

রাজা। করিগীনো ? কবিদৌরে, হাযুদনা।

মন্ত্রী। অজ্ঞা,
সনা মাঙদা ৱা পূম্বসি হঙ্গংপা হৌনদে
করিমতা ননাই ঐনা। অহুবু—

রাজা। করিগী

ধনদাসগী মসিদা করি অপরাধ?

মন্ত্রী। বাজকুমাবী কৃষ্ণাগী চিত্র, মহাবাজ,
কৈদৌ উৎলম্বা শ্রীযুওা, হৌজিক্ ফাওবা মতু—
ভৌবিত্রিদনা স্নাবুদ্ধি ?

রাজা। কদায, খঙদে ? করি
মবম্নো, হায়্দা ভাসি।

মন্ত্রী। বিবাহ অসিগী
মরম্দা গোলমাল মা থোকহল্লগা, মবুক্
থল্হন্গে মশাগী, মবম্ অসিনি, অতৈদি
করি ওইনি ? মহাবাজ, মশাগী ওইজ্রব-
তাম্ব মী মাগুম্ব অনি শুত্রা ?

রাজা। মতুরনে ?
অতুননিদনা থরাই অম্বুক্ য়াওনা মানা
হোৎনবিবা কর্ম্মসিদা ? খঙম্দে ঐহাক্তি
মতম্'তুদা। আচ্ছা, হল্লক্খিস্ন্ মহাক্ হান্না।
ফরে, হৌজিক্ করি তৌবা তারে, হাযুদনা ?

মন্ত্রী। অজ্ঞা, বিষয়সি থাদোক্পনা ফরে ঐগী
বিচারদদি।

রাজা। শাউনা করিগী, মন্ত্রি ? ভাওরত্রা নং ?
কনানা কদায়দা খাঙবা ঙম্বু অপমান
অসিবু ? করিগী, পৈশা লৈত্রবরা ঐগী ?
লৈ গ্ল লৈত্রবরা ? লৈত্রবরা ইপাঙ্গল্ ?

মন্ত্রী। অক্তা, রাজলক্ষ্মী কৃপাদগী করি রাংপা মহারাজগী ?

রাজা। অহুদি কৈদৌদনা খাম্মিবা ঐরবু ? সম্মান্দগী হেন্না পাম্মুবরা পৈশা নত্রে প্রাণ ? অচ্চা ! নংনা নচিন্দা পল্লিবা অসিগুম্ব র্বাবু ? যেঙ্, নং হৌজিমক্ চিঠি পীখো কিল্লা ডাক্পশিংদা, চিঠি হেক্ ফংনদা সৈন্য পুহুনা লাক্রবা নগর অসিদা মখোয়। অহুগা য়েঙ্দো—

মন্ত্রী। তাক্পিয়্ য়া যাথং—

রাজা। নহান্ নংনা হায়খি—ধনকুলসিংহগী র্বা, মহাক্ কনানো, ঐঙোন্দা হাযু নিংথিজনা. তাসি।

মন্ত্রী। অক্তা, মেরাবগী লৈখিদ্রব রাজা ভীমসিংহগী মচানি মহাক্তি। অতদা মপাবুং লৈখিদ্রবা মতুংদা পোবপদগী, মহাক্ থাঙ্গশেংনা ভীমসিংহমক্তী মচা নত্তে হাযনা হাযনৈ কনাগুম্ব মীনা।

বাজা। মঙবা ? মরুদেশগী বর্ত্তমান বাজা মানসিংহদি গোমানসিংহগী মচানি। গোমানসিংহনা, ধনকুলসিংহদু গী মবুধো বীরসিংহগী মনাওনি ; অহুনা

ধ ন কু ল সিং হ ম ক্লি থাঙ্গেশেংব ম পু
মেৱারগী।

মন্ত্রী। ম হা রা জ, কলিকাল'সিদা
বিচার অমুক্ লৈবিত্রা ধর্ম্ম-অধর্ম্মগী?
শ ক্তি লৈ ব মীগী জয়। রাজসিংহাসন
অমুক্ ফঙ্গদ্রা কুমাব ধ ন কু ল সিং হ?

রাজা। ফঙ্গনি শোয়দনা! ঐনা ফম্মনগি' মাবু
মেৱারগী সিংহাসন্দা। য়েঙ্ভু, মন্ত্রি, পত্র
থুনা ইথবো নং। মানসিংহগীবু মতিক্
অমুক্ য়ান্না লৈজববা! ঐগী বিপক্ষদা
লেপ্লববা মানা? য়েঙ্গে হৌজিক্, মাগী রাজ্য
করম্ ভাক্পা মানা।

মন্ত্রী। মহবাজ,—

রাজা। হৌগংলগা অবেম্বদা
ভাঙহ্নুা কৈ কান্নদগে? চৎলো—

মন্ত্রী। মহারাজ,
হ নু ব ব্রা হ্ম ন্নি ঐদি। মহৎকুল'সিগী
কৃপানা মী ওইজবক্লে। শ্রীযুৎকী স্বর্গীয়
পাবুংনা—

রাজা। আ! করি উৎপাতনো! নংবু ঐনা
খঙদরা; নংনা ঐঙোন্দা, মন্ত্রি, পরিচয়
পীরিবসিবো?

মন্ত্রী। নচ্চদে, অজ্ঞা। অহমক্পু,

অরুব থবক্ অসিদা, ননাইগী বাখল্দি,
খুৎ পাক্-হেক্ থিংজিন্বা চুম্দে।

রাজা। মীওইবগী পুন্সি,
মন্ত্রি, * চিরস্থায়ী নত্তে। অতুবু অথীব
মিংচত্তি চিরস্থায়ীনি। অপমান অসি
খাঙলবদি ঐনা হৌজিক্, মতুংদা ঐহাক্পু
কা-পুরুষগী খুদম্ফম্ লৌনরনি মীনা।
শেম্থু ম-থবাই মাঙলবসু কৈ, অতুবু বাসি
হায়বিদবা কনানসু,—অম্বগী রাজা
চেনখি মেৱাব-রাজাবু কিতুনা। অচ্চাচা!
অপমান অসিদগী শিবনা কৈ ঐহাক্
শরুক্ লিশিং। অতুনা নং চৎলো।

মন্ত্রী। স্বর শাংনা হোন্দোক্লগ সনা য়াথং,
মহারাজ! মথন্তদা
বিধাতানা তস্বু ভস্বগে
কনানা কক্পা? হাইবে হাই! দুষ্ট ধনদাস
'তুমক্না সব্বনাশসি থোক্হল্লিবনিদো!
থোক্খিবা

রাজা। মথন্তদা
হোবেদো কুরুক্ষেত্রগী যুদ্ধ অমা অমুক্!
অশুক্ কুইবা মৎ কাতুনা লৈরম্মেদো। রাজ-
ভোগ চাতুনা, খজিক্তং নোমতুনা য়েঙ্গেদো

* permanent

হৌজিক্। মতম্ কুইনা থাংশাং থাঙথুম্দা লৈবদ্দি,
মোংলকৃই-কোংহ্লিং কারকৃই। চিন্তা তৌবগা
অমামা ওইসন্নু,
দণ্ডি পীবা তাবে হন্দক্তি ধনদাসবু।
ঐনা তৌখিব কুকর্ম্ম পূন্নমক্কা তুষ্ট
অতুনা গুরুনি ঐগী। ওঃ! বদমাসগী
বুদ্ধি চমৎকার! য়েঙ্গে, কৈথোক্পা হন্দক্সু।

থোক্খিবা

ইতি মবিশুব অঙ্ক অহাম্ব গর্ভাঙ্ক

অনিশুব গর্ভাঙ্ক

জয়পুর, বিলাসবতীগী যুম্

বিলাসবতী অমসুং মদনিকা

বিলা। বাঃ, নঙ্গী, ভাই, বুদ্ধিসিদ্দি? ধন্যনি হায়।

মদ। নোক্নিচুনা অতুক্ হাক্লা মিথ্যাদি নত্তে! ঐনা উদয়পুরদা তৌকরিব থবক্ পূন্নমক্কু খল্লুবদা ইথস্তা নোক্কুনা শিবা তাই। হা! হা! হা!

বিলা। মানিনে! কয়াদ ঙক্খ্রবা! ফরে, ধনদাসনা নংবু থাঙ্গে-শেংনা খঙবা ঙমদেকো?

মদ। ঙম্নদবু। মানা ঐঙোন্দা খুদোপ্ অসি পীরম্ব্রাউ?

বিলা। ভাল, ভাই, নংদি খ্াইদা করি হায়না নশাগী পরিচয় পীরম্মী ?

মদ। কৈদৌনি ? উদয়পুবগী মীদা হায়রম্মী,—ঐগী য়ুম্‌দি জয়-পুরদনি ; অদুগা জয়পুরগী মীদা হায়রম্মী,—ঐগী য়ুম্‌দি উদয়পুরদা। অদুগনে, দেশ অনিসিগী মী লৈব লম্‌দা শূক্-চঙ চঙলম্‌দে।

বিলা। বাঃ, নঙ্গী বুদ্ধিসিদি ভাই!

মদ। হা! হা! রাজমন্ত্রী, রাজা মানসিংহগী দূত, রাজকুমারী —কনাগবু ঐনা ঙৈংখিদবগে ? অদুগা শক্লোন্ কয়া কয়া লৌরম্মী, করি অমুক্ হায়নি ?

বিলা। হোইনে ? ভাল, মদনিকা, রাজকুমারী কৃষ্ণা য়াম্না ফজৈ হায়না ?

মদ। অঃহা! ফজবী হায়নবা ফজবীদরা ? মদুদি, ভাই, অমুক্ হঙনুদা। ঐবু হায়জৌ হায়রবদি, অদুক্ ফজবা রাশি-লৈবা পৃথিবীদা অতৈ কৈদসু লৈতে! স্বর শাংনা হোন্দোক্পা।

বিলা। হাইমা কবিনো ? নমায় ইমক্ মক্সিল্লবা ? করিগীনো ? মহাক্লা নঙ্গী মনঃ অদুক্ হাক্লা ভুলাইখ্রবা ? ইস্! ইস্! ঙক্চরেদকো ইবেম্‌শা!

মদ। ভাই, করি হায়নি ? রাজনন্দিনী কৃষ্ণাগী মবা নিংশিংবদা প্রাণ কপ্পগুম্ তৌরক্ই। অঃহা! মশক্ অদু অমুক্তং উরুব মীতুনা কাউবা ঙম্‌গদরা ?

বিলা। অচুম্বরনে হায়রিসিবো ? মহাক্পু অদুক্ ফজখ্রবা ? কয়াদা ঙক্খ্রবা! লাউ, ভাই, ঐখোয় অসিদা ফম্‌সি।

অছুদি ঐওোন্দা রাজকুমারীগী রারি নিংথিজনা লীরোদো, তাসি।

মদ। কৈদৌদনা? মাগী রা তারগা নঙ্গী করি উপকার ওই-দৌবিবা, হায়ুদো?

বিলা। কনা খঙনি, ভাই? নং-নচিন্দগী মাগী রা তাবদা ঐসি অসুম নিংলক্লে,—উদয়পুর চত্তুনা মহাক্পু অমুক্তং য়েঙুরসিবা কৈনো!

মদ। ভাই, কৃষ্ণাকুমারীবু থক্ উত্রিব মী অছুদা বিধাতানা অরেম্বদা মিৎ পীবিরম্বনি! মত্থু থম্খো হৌজিক্, মহা-রাজ অসিদা লেঙক্কবা কয়ানি শুবে, হায়ুদো।

বিলা। মর শাংনা হোদ্দোক্লগা কবিগী অমুক্ ব্রাত্থু হংবা শাবি-বনো? ঙসি হুম্নি শুবে।

মদ। অওইবরা? অছুদি মহাক্ ধনদাস হল্লক্প মুমিৎ ফাওবা অসিদা লেঙক্লে্দনা। বিবাহ অসিগী বিষয়দা মহাক্ য়াম্না মুঙাইরম্মরোইদো! ওইকম্সু খোক্ই। মহাকী দুম্ভা ঐনা খোঙ্প্না কল্লম্মেদো,—হা! হা! ধনদাস, ভাই, মপোক্ অসিদা অমুক্ কনাগী ঘটক ওইববোই। হা! হা! হা!

বিলা। হা! হা! হা! ওইরবোই।

মদ। য়েঙু, সখি, মহারাজ ঙসি অসিদা হৌজিক্ লেঙলক্পা য়াই। অছুদি নংননে, ভাই, মহাক্পু ঙসি নখোঙ পায়হন্দনা থাদোক্লবদি, ঐদি অমুক্ জন্মসিদা নঙ্গা কৌনররোইদবনি।

বিলা। হাইমাইপেম্মা, করি ব্রানো? ছি। ছি। মত্নস্থ হেক্ য়াবরা?

মদ। করিগী য়াবোইদগে? বুদ্ধি লৈরব্দি ঙম্নমক্ য়াইয়ে? লাউ অহুদি, নঙোন্দা, *মানভঙ্গগী পালাহ্ উত্তুনা তাক্পা তারেদনা। কথা ঐ মানিনী নায়িকা শাহুনা ফম্মে, নংনা নাযক শাহুনা লাক্লগা ঐবু থেম্মোদো। মকোক্ খুম্জিন্বা

বিলা। হা। হা হা। বেশ, বেশ। নংসিদি, ভাই কুম্মে কথা-দনো হৈবিবা? অহুদি ঐনা হৌজিক্ করি তৌদৌবা, হায়ুদো?

মদ। হৌগৎলগা ঙম্মোক্ইদা! নংহুম্ মান তৌহুনা ফম্মোসে। ঐ নায়ক শাহুনা থেম্মগে!

বিলা। ফম্লগা আচ্ছা—অহুদি ঐ ফম্মেসে।

মদ। হৌজিক্ মান তৌবোদো।

বিলা। তৌবেসে। মমায় খুমজিন্না।

মদ। হে স্নন্দরি! নঙ্গী চন্দ্র-মুখবু মান-রাহুনা উন্বা উবদা ঙসি ঐগী চিত্ত-চকোরনা —

বিলা। হা! হা। হা!

মদ। ছি! ছি! কৈদৌবে? কবিমতা য়াদ্রেদনা। মতম্ অসিদা নোক্পা য়াব্রা?

বিলা। আদৈসি নত্তরা মহারাজ, অসোম্দা লেঙবিবক্লি?

মদ। মানিনে। য়েঙু ভাই, মহাবাজ লেংশিল্লক্পদা অহুম্ককা

* শ্রীমতি রাধানা মান তৌহুনা লৈবদা শ্রীকৃষ্ণনা থেম্জিন্বা মতাং

নোক্‌চন্নুকো। ঐদি হৌজিক্ চৎলে। অস্নুক্ কুইববা মতুংদা ধনদাসগী মকোক্ শায়নবগী যোগাড় লোইববনি।

থোক্‌খিবা

রাজা জগৎসিংহ চঙলক্‌পা

রাজা। মথন্তদা ঙসি হুন্নি শুবে অসিদা লাক্কবা। করম্ হায়-নবু লাক্কবা? ঐগীদি স্বর হোন্দোক্লব মতম্ ক্ষাওবা শংলিববা। মুমিৎ হুন্নিসিদা সৈন্য লিশিং মবিফুতবামুক্ নগর অসিদা লাক্‌না পূল্লবে। অতুগা ধনকুলসিংহস্নু মী লিশিং নিপান্-তবা লোযনহুনা লাল্লনি। বীর লিশিং লিশিং। যেঙ্গেদো, হৌজিক্ মানসিংহনা মাগী রাজ্য ববন্না ঙাক্‌পগে? মসি থম্‌খিসি। যুম্ অসিদদি, লৈবাং-লীকং অতুগা তেন্মঙা নত্তনা অতৈ খুৎলাইগী বা লৈতে। মসিদি ভগবান কন্দর্পগী যুদ্ধ ক্ষেত্রনি। 'হুদি কদায়, বিলাসবতি কদায চৎখ্রবা! ফোংনা বৈদনো, বসন্ত লাক্‌পদা কোকিল মখোন্ থোক্রবা? যেংলগা সিদা লৈরেদনা—কৈদৌবে প্রিয়ে, নংনা নমায় অতুক্ মক্লা ফল্লিবা কবিগীনো? মনাক্তা ফম্বা যেঙ্ ভাই, ঐনা ননাক্তা লাক্লিংদহুনা লাক্লিবনি—অস্নুম্ থক্ খন্‌গম্নু নং। কযাদ ঙক্‌খ্রবা। ঐগা ব্রা ঙাঙনরগা, ভাই, নঙ্গী জাত তাগদবা? ব্রা অমত্তদি ঙাঙ্। কবিনোসিদে? চেক্ মোক্ লাউদ্রবা! অহুদি নংনা, ভাই, ঐঙোন্দা ব্রা সূক্‌ঙাং ঙাঙদ্রবদি, হাযু, ঐ হল্লগে। ঐনা থবক্ লিশিং লখা লংশোক্‌না নঙ্গীসিদা লাল্লগা নংনা

তুমিন্না-ফমৃহনা লৈরে ।

বিলা। কৈদো চৎপিদ্রিবনে:, ঐনা নহাক্পু খাম্লিবরা ?

রাজা। করিগী, ভাই, ঐনা করি দোষ তৌখ্রে, ঙসি নংনা অম্লুক্ চাম্বিদ্রিবা ?

বিলা। করি হ্বানো, মহারাজ ? শ্রীযুক্তি রাজকুল চূড়ামণিনি ; মহুগী মথক্তা অমুক্ রাজা ভীমসিংহগী মমাক্ ইবুঙো ওইবিদৌরি ;—ঐদি করিম্ব লৈতব—

রাজা। নংসি, ভাই, খঙলে, ঐবু থাঙ্গেশেংনা শাউবেদো। ছি ! করি মতৌনো ? নং অমুক্ তুমিন্ লৈখবা ? য়েঙু, অম্লুক্ হায়ব-ইম্ব-মীবু অতুক্ শাউবা হৌনবরা ? নেপথ্যদা যন্ত্র ধ্বনি অঃহা। অম্লুক্ খোয়খুম্নব মখোন্ ভাববমক্তদম্ব নঙ্গী অশাওবা কোক্তবা ?

নেপথ্যদা—

গীত

কাফী ঝংলা—যৎ

খম্বহনা য়েঙ্না মান'সি হেক্ ফবোইনা
মহনু খঙদ্রনে ?
য়াম-লুনা ভৌবা নহাক্পু চালাকী তৌবা মহাক্পু,
তৌদ্রবদি মহুই প্রতীকার
ব্রা অমত্তা ওাঙেঙাইনে।
নহাক্কী মনোমোহিনী ওইহন্ব অভিমানিনী
দোষহুই বিধিনি, হে গুণমণি,
খোঙ-পায়হনা খেম্মুনা !

রাজা। হা! হা! হা! সত্যনিদনা। য়েঙু, ভাই, নঙ্গী সখীশিংনা ঐঙোন্দা য়াম্না ফব-পরামর্শ পীরেদো। অতুদি লাউ, নঙ্গী নখোঙচুমক্ পায়গে। হৌজিক্ নং ঐগী দোষ পুম্ব ক্ষমা তৌবো। খোঙ পায়বা

বিলা। ইক্ষিং ক্ষিংনা করিনো তৌবিরিবা, মহাবাজ? হৌনদে! ছি! ছি! ঐনদি খালি শ্রীযুক্তা অতুক্ তাৎ-পাৎ তৌবতনি। সিবি, মহারাজনা নৃপীগী মান ঙাক্প্রা ঙাক্তববা য়েঙ্গে তৌবনি।

রাজা। ভাই, তাৎ-পাৎ হায়বা! ইরাইবক্কা নঙ্গী অনাবগী হিদাক্ ফংবসি ফবনি, অতুনা কল্লেদো।—ফবে অদুদি—হৌজিক্কি ঐখোয় অমুক্ চান্নবেদনা হান্নদোনা।

বিলা। করিগী, সখা, ঐখোয়গীবু চান্নবগী অরাৎপা থক্ লৈরম্দেনা।

মদনিকা অমুক চঙলকপা

রাজা। লাউ লাউ! য়েঙু, সখি, নংবু উৎদা ঐদি কিজৈ।

মদ। হাইমা!—করি বানো, মহারাজ? শ্রীযুৎনা তাক্পিবা করি য়াথংবু?

রাজা। নংসি, সখি, মদন * কেতুনি। নংনা নুংশিৎ শিৎহন্ব মকম্ অতুদা কনানো খাঙ্গদবা! কামদেবগী লাল্লুং অতৎ-অখম্ লৈতনা য়ৈদো, ভ্রম্-প্রেম-যুদ্ধ থোক ইদো অতুগা তেন্মঙানা থাবদা মীগী প্রাণ হিংবা লুবক্ইদো।

মদ। শ্রীযুৎকী, মতুগী মতুগীদমক্তা, করি চিন্তা, মহারাজ?

* কাম্দেবগী ফীরাল্লি।

শ্রীযুক্তা মদনগী তা-না থিল্লরবস্থু মতুগী চপ্‌চাব হিদাক্‌ সনানাক্তা মবৈদনা? অসিগুম্ব ১ বিশল্যকবণী লৈবি-ঙৈদা শ্রীযুৎকী ভয় কবি?

রাজা। হা! হা! হা! সাবাশ্‌, সখি, অফব-ঙাক্তা হাযবেদো! নংসি, ভাই, সবস্বতীগী মবেল্লী! অতুনঙাইবে, য়াম্না পেল্লে। লৌবোসে। সনা শিক্‌ পরেং পীবা

মদ। খুরুমতুনা ননাইদি মহাবাজগী অপিক্‌প দাসী অমনি!

রাজা। ফম্মু। মদনিকা ফম্বা য়েঙু, সখি, নংনা ধনদাসগী মবম্‌দা ঐঙোন্দা হায়বম্ব ব্রাশিংতুবু সত্যবনে?

মদ। মহাবাজ, শ্রীযুৎনা দাসী অসিগী ব্রা থাজবিদ্রবদি ঐগী সখীদা হংবিবা য়াইনা।

বাজা। ধনদাস মবৌ চাউই অতুগা স্বার্থ যেঙিঙ হাযবসি ঐ তৌজিক্তদা যান্না নিংথিনা খঙলে, অতুবু মতাক্কী সাহস অতুক্‌ লৈবন্নি হ যবসি, ভাই, ঐদি খক্‌ বিশ্বাস তৌদে।

মদ। মহাবাজ, শ্রীযুৎনা হক্‌থেংননা মিৎনা-নাকোংনা তাবি-ববদি বিশ্বাস তৌবিনিদনা?

বাজা। মতুদবুদি কবিগী ওইরোই? মতুদগী হেম্ব অতৈ কবি সাক্ষী লৈনি!

মদ। অজ্ঞা, অদুদি সচ্চংলগা লাক্‌চগে। পোত্থিবা

বিলা। নবনাথ, তুষ্ট ধনদাসমক্তি সর্ব্বনাশসিগী মূল।

বাজা। সন্দেহ লৈতবে। ঐগী বিবাহসিদা কবি দবকাননো? থোইদোক্লা, মখুৎ পায়তনা থোইদোক্লা, নং লৈবিঙৈদা,

১ শিদ-হিদাক্‌ মখল্‌ অমা

ভাই, শ্রৈনা অতৈ কনাবু ঙুংশিবা ঙম্‌গত্রা ?

বিলা। অদুনিদো, মহারাজ মধুতৈব মাশিংদু ছায়রদুনা ইবুঙো-খোয়না ঐখোয়গী মনঃ চুরিবিদো। মনাক্তা নক্লিলগা থাঙ্গৈমক্ শেংনা হায়বিয়ু য়েংসি, মহারাজ, বিবাহসিদা হৌজিক্ ফাওবা মা খোয়দাবিরিবরা ?

রাজা। রামচুম্ শোল্লু! বিবাহসিদা ঐগী দরকার করিনো ? অদুদ্রক্তা, ধনদাসগী মন্ত্রণা তাবদা, ভাই, য়াম্না পাম্না থোক্‌খরে, অদুবু ইজ্জৎ ঙাক্‌বা য়াব্রদো। অদুমনি খোৗরাং পূন্নমক্লি—

মদনিকা অমুক চঙলক্‌পা

মদ। মহারাজ, অসোম্‌দা অমুক্ত থুনা লেঙশিন্নিরবদি ফগনি। ধনদাস লাক্লে। বিলাসবতীদা ভাই, হৌজিক্ মহারাজদা প্রমাণ অদু অমুক্তং য়েংহল্লুদো। রাজারোম্‌দা লেঙবি-রসি'দুদি, মহারাজ!

রাজা। হোগৎলগা আচ্ছা, চৎলসি'দুদি। নংনা চৎলু হায়ব মফম্‌দা চৎপা তারেদনা। অসিগুম্ব হিনাউ-শাবগী মথু-বাক্তা হি শিন্নবদা করিগী ভয় ? অনিমক্ মফম্‌দা লৈব্ব

বিলা। মথন্তদা ধনদাস ধূর্ত্তরাজনি, অদুবু মদনিকানা ঙসিদি লাং থাক্লেসে, মসিদগী নাম্থোক্‌পা য়াম্না লুরনি লম্মুই ভায়াম্নী।

ধনদাস চঙলক্‌পা

লাউ, লাউ, ধনদাস, ফম্মো। অদুদি, ভাই, মুঙাইরিদনা

ধন। কম্মগা মুঙাইবা, ভাই ? করম্ হায়না মুঙাইনি, হায়ুদো ?

উদয়পুরদগী হল্লক্পদগী, মহারাজনা অমুক্তস্থ ঐবু রাজ-সনা মাঙদা কৌবিদরি। অহুগা মী কয়া কয়াগী মচিন্দগী রা কয়া কয়া তায়, কবি অমুক্ হায়গনি? অহুবু নংনা ঐবু নিংশিংলিবসি, ফবনি।

বিলা। আকাশবু, ভাই, পুন্সি চুপ্পা নোং মংহুনা লৈব্রা?

ধন। মহুবুদি লৈতে। অহুন্নদি ওইরবদা, নংননে, ভাই, নংননে ঐগী নোং মংব আকাশ অসিগী পূর্ণচন্দ্র ওইববদি ঐবু ফংদগে কনানা?

মদ। লোন্না মহারাজ, তারিবেদনা।

রাজা। লোন্না তুমিল্লৈসু।

ধন। মথন্তদা বিলাসবতীনা মন্থুং মন্থুংদা ঐবুত-ম্নুংশি-হাযবসি লিশিংলক্ ওইবিনি ঐঙোন্দা মদনিকানা হাযখিবা। অহুগা মসিগী ভাব ভঙ্গি উবদা রা অহুদা য়াম্নব বিশ্বাস ওইবক্লে। লোংনা নংদি, ভাই, তুমিন্না লৈববোইরে? ঐনা নংবু কয়াম্নক্ ম্নুংশি হায়বসি নং খঙদরা?

বিলা। ইকাই ইকাইনা মহুবু ভাই, ঐনা করম্না খঙ্গনি?

ধন। করি রানো, ভাই? নং মসিস্থ খঙদবা,—হঙোইদি ইতত্তনা কমলিনীগা লৈমিন্নৈ, অহুবু লৈবাং অহু অমৃত-রসগী তুংফম্নি হায়বহুদি মধুচুপ্পতনা খঙিঙ। নংসি করম্ব বস্তনো হায়বসিবু, মূর্খ বাজাশিংঙ্গী মতিক্লা খঙবা? হা! হা! হা!

রাজা। লোন্না তারেদনা? তাও, বেটাগী উশিত্তব রাঙাংসি?

নরাধম অসিগী মকোক্ অসি হৌজিক্কক্ কক্লিডিও।
থাঙ-শৎকে তৌবা

মদ। লোয়া করিনো মহাবাজ? তৌবিরিবহু কবিনো?
মথুৎ পায়বা

ধন। য়েঙু, বিলাসবতি—

বিলা। কবিনো, ভাই!

ধন। ঐদি ভাই, নংনা য়াম্না মুন্না খণ্ডব দাসনি, অদুগা ঐনা সনা থৌগঞ্জহুনা ফংজব পূম্নমক্কি নঙ্গীনি। মপন্তুদা নূপী অসিগীদি বাজানা পীব মমন্ য়াম্ব বত্ন কয়া লৈবিবনি, মহুনা কৈদা ঐগীসিনা কৈদা? অহুবু মসিব অমুক্তং থুৎ চন্নবগী উপায় কবিনো? দেশ অসিদগী মসিবু অমুক্তং পুহুনা চৎলবদি লোইবে। ফোংনা নংদি, ভাই, তুমিন্ লৈবেনা?

বিলা। ঐনা কবিবু হায়দগে?

ধন। য়েঙু. হয়েং অযুক্ ভস্তানা রাজা সৈন্য পুদুনা মরু-দেশদা লান্দানবগী যাত্রা তৌগনি। মহাক্ শস্ত্রবিদ্যা কয়া হৈবগে হায়বহু কনানা খঙদবগে! লান্ফম্ উবদা মূর্চ্ছা ওইদবা লাই থুকল্ম্। হা! হা হা! মূন্না খডিঙ ঐ, অস্তুক্ পাণ্ডব মীদি অনি শুদে।

রাজা। লোয়া কয়াদনো! বেটা, কয়া কবাম্ চাউনা ঐবু চৈবিবা?
হাৎকে হোৎনবা

মদ। কাজিন্নগা লোয়া কবিনো তৌবিবিবা মহারাজ? খজিক্তং তপ্ থবিখো, অতৈ কল্লি হায়বা, তাবিখোবা।

ধন। ঐদি য়াম্না মুন্না খঙলে, মহাক্ যুদ্ধ অসিদা শিগনি, নত্রগা হামুক্ তৈতুনা দেশদা হল্লকনি।

রাজা। লোম্না আচ্ছা, য়েংসি· কনাগী মমায়দা হামুক্ তৈবা। তৌবিমন্ খঙদব! পাপি!

ধন। অতুদি নংনা, ভাই, হায়রবদি, ঐ ওন্নমক্ তৈয়াব তৌগে। চৎলসি, ঐখোয অনি হয়েং দেশ অসিদগী চৎলসি। অতোম্ব কাপুরুষ অতুগী মনাক্তা লৈবগা নঙ্গী করি উপকাব ওইগনি? লৈনাং-পন্গী কবি ভবসা, হাখুদো?

রাজা। চর্ণশিল্লগা শাওনা ধনদাসগী মখোরি মেত্তুনা
তুবাচাব, নবাধম, দাসীপুত্র! মসিবা নঙ্গী তৌবিমন্দি? নংদি, খঙলে, ক্ষনব-তৌব মীগী মখোবিদা ছুবিনা থিঙ্বা ওন্মি।

ধন। কিনা সর্ব্বনাশ শাবে। মহাক্ অসিদা লৈরম্নি হায়ব-সিদি ঐদি মঙদম্নু মঙলমদে। কবি থোক্লনি? কদায় চৎকনি? হন্দক্তি লোইবেদনা, গতি লৈত্রে? ওক্তবী নূপী অসিনা ঐবু মাঙহল্লেদনা।

রাজা। নচিন্দগী বা থোক্ববা? নং কবম মীনো হাযবত্থু অম্নক্ কুইববা মতুংদা ঐ খঙলে। নংনা ওমদব কর্ম্ম লৈদে। অতুনা বম্মুমশানা অসিগুম্ব বদমাস পাযণ্ডী ভাব অমুক্ খাঙবিববোই! খাঙ শৎপা

বিলা। ইঙক্ ওক্লা রাজগী মথুং পায়তুনা মহারাজ, তৌবিবিবা কবিনো? ক্ষমা তৌবিযু। জীব মচা অসিগী ঈনা শ্রীযুৎকী সনা থুৎলাইগী কলঙ্কদ ওইহনি। সিংহনা কদৌবৈদম্নু

মন্দ্রূইদা হোচ্চিন্দে। অদুনা মহারাজ ঐভোন্দা মসিগী প্রাণদদি ভিক্ষা পীনবিয়ু।

রাজা। প্রিয়ে, নঙ্গী রাগী ওন্নতৈনবা তৌররোই। আচ্ছা, প্রাণদণ্ড তৌররোই। থাঙ হাপচিন্না অদুবু ঐনা মসিগী মমায় অমুক্ হন্না উদনবা অসুম্ব দণ্ড অমদি পীব দবকারনি।

—রক্ষক !—

নেপথ্যদা—মহারাজ ?

রক্ষক চঙলক্পা

রাজা। য়েঙু, দুরাচারসিবু নগরপালগী মনাক্তা হৌজিক্মক্ পুখ্রো। অদুগা মঙোন্দা হায়রু,—মসিগী মরু কোক্লগা যম্থি তৈবগা, মমায়দা হামুক্ তৈরগা দেশদগী তান্থোকখো অমম্বুং মাগী মরন্-মথুম্ অরৈবমখৈ লাইরব ব্রাহ্মণশিংদা য়েন্থোকখো।

রক্ষ। সনা য়াথং, ধর্ম্মাবতার! ধনদাসবোমদা চৎলো,—

ধন। মখুৎ লোম্নদুনা মমিত্তা ঈ চেন্না মহাবাজ—

রাজা। চুপ্ বহো, বদমাস। ঐ নঙ্গী রা করিমতা তানিংদে। পুখরো মসিবু। মশক্ অসি উবদা পাপ পুনি।

রক্ষ। চৎলো। ধনদাস পুদুনা রক্ষক থোক্খিবা

মদ। চঙশিল্লগা অঃহা! প্রাণদি হিংজহৌরে, মসিমক্ ফবিবনি! হৌজিমক্ ভায়াগী লীলা লোইরম্মবনিদো। হা! হা! অদুভাইবে, উচি ভায়ানা অহিং চুপ্প হুরান্ হুরান্দুনা চারগা, অহিং লোইরমদাইদা লাংদা থুরেদো। হা! হা হা!

বিলা। পুম্নমক্সি, ভাই, নংমকী খুজিন্ থোরাংদগীনি। অমামা

ওইববসু, মহাবাজনা মাগী প্রাণ কন্বিরে, মসি য়াম্না ফববনি। অদুগী মথক্তা, মহাবাজগী নয়ন অনিসি অস্থুক্ কুইববা মতুংদা পাঙলে, মসিমসু নুঙাইনিঙাইনি।

বাজা। হুবাচাব অসিনা ঐব্ ফস্তব লম্বী পুন্বদা পুবখ্বনি, মদু নিংশিংবদা ইব্ ইকাই! অত্তব্ কবিদি তৌনি, নংনা হাযজবদগী মঙোন্দা দণ্ড খজিক্ত পীড়না থাদোক্লবনি।

নেপথ্যদা। লাব্‚• যৈবা মহারাজগী জব, বাজকুমারগী জয়।

বাজা। ইঙক্ শুক্লা কুমাব ধনকুলসিংহ লাক্লবোইদনা। প্রিয়ে, হৌজিক্ ঐঙোন্দা বিদায পীবা তাবে। ঐ হৌজিক্ চৎপা তাবে।

বিলা। করি ন্নানো, মহারাজ? অস্থুক্ হাথু হাথুনা? অদুদি কদৌঙৈ অমুক্ লেঙক্কনি. তাক্পিযু?

রাজা। মদুদি ভাই, কবয়া হাযগনি? ঐদি হয়েং অযুক্ যুদ্ধগী যাত্রা তৌবগনি। শিদ্রবদি অমুক্ উননি, নত্রবদি জন্ম অসিগীদি উনবিবসিনা লোইরে। মথুৎ পায়ঙনা যেঙু, ভাই, ঐ শিবা থোক্লবদি ঐবুদি কাউগন্নু, অমুক্তুংদি নিংশিঙু, কবি অমুক্ হায়গনি।

বিলা। খুমদনা কপ্পা

মদ। মমিত্তা ঈরা চেন্না হায়হৈদে, মহাবাজ, অদুগুম্ব ন্নাহৈ শ্রীযুৎনা পন্বিবোইদা।

বাজা। সখি, থোদো অসি সামান্যদি নত্তে। পৃথিবীগী ক্ষেত্রি মখৈ যুদ্ধক্ষেত্র অসিদা পুল্লপ্ তিল্লবনি! ফবে, অদু-নঙাইরে। হৌজিক্ লাউ, বিলাসবতি, ঐঙোন্দা হবাও

হৌরাওনা বিদায় পীবনো লাউ।

মদ। লাউ, সখি, মহারাজবু থোগন্দুনা কোম্থোং ফাওবা চৎলুসি। অমুক্ কপ্তুনা কবি কান্নদগে, ভাই? হৌজিক্ পরমেশ্বরগী চরন্দা প্রার্থনা তৌ,—মহারাজ তেক্কা কায়-দনা স্ববাজ্যদা লেঙলক্সনু।

পূম্নমক্ থাবৃথিবা

অনুম্ শুব গর্ভাঙ্ক

জয়পুব, নগব চিদাইগী বাজপথগী মমাঙদা দেবালয়

দেবালযগী মিহুখোঙদা বিলাসবতী অমসুং মদনিকা

মদ। অমুক্ পন্থকহুনা বৈদৌনি, সখি? চৎলসি, হৌজিক্ য়ুমদা চৎলগা ঈরু-মাইথকবসি, মুমিৎ যুংদোবম্মনি। থৌওইনা দেবদর্শন তৌবশানা অসিদা লাক্পনি, অসিদা অমুক্ লৈথরবদি মীনা কবি হায়নি?

নেপথ্যদা লাম্বং য়ৈবা

বিলা। তোতো তাওদো, তাও। মহাবাজ অমুক্ লেঙলক্লমাল্লে।

মদ। নঙ্গীদি মহুম্না নিংহুনতা লৈবা হায়সিনঙাই। নিংথিনা য়েঙ্দো, কনানো লাক্লিবসে?

বিলা। সখি, ঐদি পিনা মিৎ পূমতাঙ তাঙলমাল্লেনে। কদায় কদায়? ঐদি কনাবুসু উদেনা।

মদ। হৌজিক্, ভাই, কপ্প্তুনা করি কান্ননি? আহ্ য়েঙ্, মন্ত্রী মহাশয় লাক্লে।

মখাদা মন্ত্রী চঙলকপা।

মন্ত্রী। বিধাতানা তম্ববু কনানা কক্পা ঙম্দগে? হাই হাই. কবিস্থ লৈতব মৈবিক্ অমনা তম্‌থিবব লম্মৈ ওইনা চাক্‌খৎলক্লে! অঃহা! মসিনা ফজব পাম্বী কয়া শা-উচেক্ কয়া কয়া চাক্লুনা উৎ ওইবনি, মশিং লাক্পা ঙম্মবোই। স্বব শাংনা হোন্দোক্পা হৌজিক্ ৱারুবা বুথানি। ঈচেল্ অসি চীংদগী থোরক্লে, মসিগী গতি থিংবা কনাগী মতিক্ লৈ? নেপথ্যরোম্‌দা কবিনোসিদে। অর্জ্জনসিংহ, নহাক্কীদল হৌজিক্ন্ অসিদা লৈরিবা?

নেপথ্যদা। অজ্ঞা, ঐখোয় চৎলে।

মন্ত্রী। সর্ব্বনাশ শাবে! কবিমতা নঙ্গীবু অকি-অখং লৈত্রববা! কৈদৌবেসে? ময়দা-গাড়ী পূয়মক্ হৌজিক্ন্ অম্নুম্ লৈবিনা? নেপথ্যদা—মহাশয, ষণ্ ফংদবা!

মন্ত্রী। নাকো' থাগত্তুনা এঁ—কবি হায়বা? ষণ্ ফংদবা সর্ব্ব-নাশ! নখোয় অহুদি কৈদৌগে লৈবিবা?

নেপথ্যদা। হৌগৎলো হৈ, হৌগৎলো, থুনা গাড়ীশিংসি পান্‌পৎলো

মানা। অজ্ঞা, লোইবে লোইবে?

মানা। পুং-শেন্-য়ৈবশা, নখোয়স্থ তুম্মববা? থীল্লু, য়ৈয়ু।

মানা। মহাশয়, আশীর্ব্বাদ তৌবিযু, ঐখোয় চৎলে। য়ৈয়ুবা! থীল্লুবা!

মানা। লাম্বুং থীবা মহারাজগী জয়!

মন্ত্রী। মথন্তদা য়েঙ্খিগে, অতৈ দল কনা কদায়দা করি তৌরিবা ? আঃ, পুন্নমক্লিবু মী অমত্তনা ঙম্বরা ? ভগবান * সহস্র-লোচন্না ঙম্ত্রা, চিংবু চিংনৈ, ঐগীদি মিৎ অনিদ। থোকৃখিবা

বিলা। মদনিকা, চৎলসি, ভাই, ঐখোয় ময়দা গাড়ী অসিগী মতুং ইন্দুনা মহারাজগী মনাক্তা চৎসি।

মদ। নংবু, সখি, পাগল ওইরবরা ? য়ুমদত্তুম্ চৎসি। য়েঙ্, মতম্সি মুমিৎ য়ুংখ্রিনি। হৌজিক্ রাজহংসীশিংনা সরোবরদা তাউদ্নো মশা ইংহল্লবিনি। অত্তুনা ঐখোয় অসিদা লৈবা চুম্দরে।

বিলা। ভাই, ঐগীবু অমুক্ য়ুম্দা হন্নবগী মনঃ লৈরিবরা ?

মদ। হা ! হা ! হা ! নংসি, ভাই, কৃষ্ণ যাত্রা হৌববরা ? হা ! হা ! হা ! সখি, কৃষ্ণ নত্তনা ভম্থিব প্রাণ অসি হিংবা য়াদরে। হা ! হা ! হা ! হে রাধে ! যমুনা মপান্সিদা ফম্তুনা নথস্তা কপ্লগা করি অমুক্ কান্ননি ? নঙ্গী বংশীখোংবতুদি হৌজিক্ মধুপুবদা কুব্জা সুন্দরীগা কেলি তৌবি। হা ! হা ! হা !

বিলা। ছি ! অত্তুম্ককা হায়জন্নু, ভাই। তামাসাশিংদো হৌজিক্ মুঙাইনা থোক্তরে।

মদ। কনানোসে ? ধনদাস নত্রা ?

মথাদা অনংবা শানা ধনদাস চঙলক্পা।

ধন। মাইকৈ মরি থেংলগা মথন্তদা হে বিধাতা, নঙ্গী মনঃদা

---

* ইন্দ্র

মসি লৈরম্বা! ঐনা অমুক্ কুইবা নিংথৌ কোন্দগী মুঙাইবা মখল্ বয়া কয়া ভোগ তৌরগা মমৈদা চানিঙাই লৈতহ্না চদৎনব হুইদৌনা থোঙ খুদিংদা কোয়না চৎপা তাববা? অদুবু নংমক্কী দোষ করিনো? ঐমক্কী কর্ম্মগী দোষনি। পাপ কর্ম্মগী চপ্‌চাব ফলদি অশুম্ন-মক্ থোক্ইদো। হাই! হাই! অপাম্বগী ময়ায়দা মৎ কারবদি মীগী জ্ঞান অমুক্ লৈব্রা? মদু নত্রবদি * রঘু-পতিনা সীতাব্ হুন্দোক্লমহ্না সনা-শঙ্গীগী মতুংদা তাম্ন-রমদ্রা? অপাম্ব-ময়ায় অসিদা মৎ কাহ্না ঐমা কু-কর্ম্ম কয়া তৌখ্রেদো, মশিং নাইদ্রে। কপ্পা প্রভু, ঐগী পিনা নংনা ঐগী পাপ্‌কী লৈনাং তৈব আত্মাবু শেং-দোক পিযু। কপ্পা হাই! হাই! ঐগী জ্ঞান অসি হান্না লৈরম্নবদি, ঐগী দুঃখ দশা অসি থোক্লমদবা?

মদ। অঃহা! সখি, তাবেদনা? যেঙু, সখি, ধনদাসগী দশা উবদা ঐদি ওন্তোক্লা মুঙাইতবে, করি অমুক্ তায়নি? নং, ভাই! অসিদা ঙাহাক্তুং লৈরম্মু, ঐ চৎলগা মাগা ব্রা অমা-নিদং তুক্ ঙাঙনরুগে। চংথবা

ধন। মথন্তদা পৈশা তান্নবগীদমক্ মীনা তৌদবা করি লৈ? অদুবু পৈশা অদুদি কনাগমু চৎমিন্নদে। হাই হাই! ব্রা অসি মীনা কবিগী খঙদ্রিবা, মসিনিসে অঙক্‌পা। য়েঙুদনা, ঐনা অস্তক রানা রত্নমালা অমা লেংলম্বনি,

* রামায়ণগী প্রসঙ্গ

পরেং অত্থ্ হৌজিক্ কদায়দা চৎখ্রবা ? কনানা ভোগ ভৌগনি ! হাঃ।

মদনিকা চঙলকৃপা

মদ। ধনদাসনিনা।

ধন। এঁ—কৈনো—কনানো ? মদনিকা ? মথন্তদা যন্ত্রণা অমুক্ল্ বাকি লৈরিববা কবিনো ? কো'না য়েঙ্ ভাই, ঐনা ফংফম খোকৃপ দগুদো. যংলেদো. অত্থদা নংনা অমুক্—

মদ। নত্তে, নত্তে, নঙ্গী ভয় লৈত্রে, ঐনা নঙ্গী অমুক্ ফত্ত-নবা ভৌববোই। নঙ্গী অব্রাদদা ঐ অস্মুক্বী মতিক্ ব্রাবে, মত্থ নঙোন্দা কবিম্যুক্ হায়সিগে ? ধনদাস, ঐদি ভাই, সতীদি নত্তে হায়নব্ ঐগীস্থ নৃপীগী প্রাণনিদো—হাজার গুইববস্তু, অতৈ ! অব্রাবা উবদা ঐগী মনঃদা চৈনা ধাওই। মত্থ, ভাই, খোকৃখিন খোকৃখ্রে, হৌজিক্ মাস লৌদো, ঐ নঙোন্দা খুদোপ্ অসি পীরে।

ধন। ইঙক্ ঙক্না আঃ, খুদোপ্ অসিদি, ভাই, কদায়দৈ ফংগুরিবা ?

মদ। করিগীনো ? নংমক্না ঐঙোন্দা পীবম্বদাই। হৌজিক্তি কাউরিববা ? উদয়পুরগী মদনমোহন্ন্ নিংশিংত্রববা ?

হাইরপ্ নোকৃপা

ধন। এঁ—কনাবুনো হায়রিবা, ভাই ?

মদ। মদনমোহন্ন্—নঙোন্দা মদনিকা উহন্গে হাযবম্বদো। ঙসি মত্থ খোক্লেদো। য়েংজৌসে— ঐমক্তি মদনিকা অত্থ।

ধন। নং অত্থদি উদয়পুরদা চৎলম্বরা ?

মদ। কবম্ হায়নামুক্ হায়সিগে? ঐ নত্তনদি ঘটনামখৈসি থোক্হল্লি কনানা? ধনদাস, নংনদি খল্লম্বদাই, নঙোন্দগী হেৎ মল্লুব অতৈ লৈত্রে, অহুবু হৌজিক্তি খঙলেদনা, খ্বাই-পুম্বগী মথক্তা মথক্ লৈ? খন্দুনা য়েঙ্‌ুদো, ভাই, নংসি কয়াদ তুষ্ট ওইরম্বা! ফবে মহু থম্মো, মতিক্ ওক্লে। হৌজিক্ নঙ্গী তুষ্ট বুদ্ধি অহু লৈত্রবদি ঐগা চংসি লাউ। য়েঙ্গে, ঐনা থুদেক্‌থিবমী অহুবু অমুক্ হন্না শেম্বা ঙম্ব্রা হায়না।

ধন। নঙ্গী ব্রা তাবদা, ভাই, ঐদি ইঙক্‌পু ঙক্লেনা! নংমক্ ওইবে অহুদি মদনমোহন অহু? কয়াদ ঙক্‌খ্রবা! ঐনা কবিস্নু খঙবা ঙম্লমদবা?

মদ। লাউ, নং ঐগা চংলসি লাউ। য়েঙ্‌. বিলাসবতী মথক্তা লেপ্লুনা লৈরি। মাগী মফমদা, ভাই প্রেমালাপকী মিংঙ্কাও পল্লুনুকো। অহুগা য়েঙ্‌, জন্মসিদা নুপীনি হায়-দুনা কনাবুম্নু থৌশাদবা তৌনুকো। মহুগী ফল উরে-দনা? চুম্মবরা? হা! হা! বিলাসবতীবোমদা লাউ, সখি, নং অমুক্ত কুম্‌থবক্‌উ। ঐদি চাক্ য়ান্না লাম্লে। চংলোদনা, ধনদাস, চংলো। ঙম্মক্ থোক্‌থিবা

ইতি মরিশুব অঙ্ক।

মঙাশুব অঙ্ক

অহাঙ্ব পর্ভাঙ্ক

উদয়পুর রাজগৃহ

রাজা ভীমসিংহ অমসুং মন্ত্রী চঙলকপা

রাজা। সর্ব্বনাশ শারেদনা। মতৃগী মতুংদা?

মন্ত্রী। অজ্ঞা, রাজা মানসিংহনা থাঙ চিক্কুনা প্রতিজ্ঞা তৌখরে,— মহাত্মা রাজকুমারী কৃষ্ণাবু বিবাহ তৌগনি, নত্রগা উদয়পুরবু ভস্ম শাহন্দুনা মহারাজগী রাজ্য ছারখার ওই-হনগনি। রাজা জগৎসিংহগীসু প্রতিজ্ঞা অসিমক্তি।

রাজা। মুঙাইন্দবা অমসুং অশাওবগী লোয়নবা অওইবরা? কলি-কাল অসিদা লোক্না মসিতবু বীরত্বনি হায়ংবরা? লাইরক্তা খুদুম্না ওবা হাই! হাই! মৃতদেহদা কনানা থাঙনা য়ান্‌বগে? ঐগী অস্বস্থ অবস্থা ওইরমদ্রবদি মখোয়না অমুক্ দর্প তৌবা ঙম্মমদ্রা? য়েঙু, ঐগী * রাজকোষ শূন্যনি; সৈন্য বীরশূন্যনি; অদুনা ঐনা ১অভিমন্যুদোনা সপ্তরথীগী ময়ায়দা খুৎলাই য়াওদনা উত্তিং লৈরিবসিনি; অদুনা ঐবু সর্ব্বনাশ শাহন্নবদা করিমতা অঙকপা ওইবোই। হে বিধাতা, অপমান অসি ঐনব্ কয়ানি অমুক্ খাঙখিগদগে? যম্না ঐবু কয়ানি লৈরগা উম্বিগবা?

মন্ত্রী। মহারাজ, সনা পুক্লিং অদুক্ লাওবিরবদি—

রাজা। শাউনা করি হানো, সত্যদাস? য়া পুম্বসি তারগা তুমিন্না

---

* Treasury ১ মহাভারতকী রা

লৈবা য়ারিবরা ? মরুদেশগী অধিপতি কনানো, মহাক্কা ঐবু য়ারক্লিবা ? অতুগা রাজা জগৎসিংহস্থু হৌজিক্তি মশামক্ কাউখবে, মসিস্থু য়ান্না অঙক্পনি !

কোপচচ্ছেৎপা

মন্ত্রী। মথন্তদা হাই ! হাই ! হৌজিক্পু শাউবগী সময়রা ? ঐখোয়গী বর্ত্তমান অবস্থাসিদা অকল্প বৈবীদলসিবু অথীব য়াহৈনা শাউহল্বা হৌনবরা ? স্বর শাংনা হোম্বা হা বিধাতা ! কুনাবী ঋুঋ্লাগী মবম্‌দা অস্থুক্ য়াথোক-লাম্নোক্কনি হায়বসি মঙদস্থু মঙলম্‌দে।

রাজা। ফম্মগা সত্যদাস, ফম্মু।

মন্ত্রী। য়ায়াথং, মহাপাজ। ফম্বা

রাজা। হৌজিক্ মসিদা করি তৌবা তারে, হায়ু তাসি ? ঐদি মাইকৈ অমত্তস্থু বিপদ-সমুদ্রসিগী চাংজৌ উবা ফংদবে। স্বর শাংনা হোম্বা মন্ত্রি, রাজসিংহাসন অসিদা ফম্বদগী হৌনা ঐনা স্থুঙাইবা ক্য়া য়ংখবে হায়বহু নংদি খুন্না খঙিঙ। বিধাতানা কবি অপবধ উত্থনা ঐবু অস্থুক্ বৈবীবিম্নিবা, হায়ুদো ! অসিগুম্ব মণিডাক্তুগী রাজমুকুট অসিস্থু ঐগী কোক্তদি অগ্নিডাক্ত ওইরে ! হাই ! হাই ! যন্না ঐবু কাউনবরা ! কুঞ্চা অসি ঐগী য়ুম্‌দা করিগী পোক্লস্মবা ? হাই ! হাই !

মন্ত্রী। নরনাথ, ববিবংশগী রাজাশিংনা মমাইদো মশা মশাগী বংশ মর্য্যাদা ডাক্লবগী তৌখি-তৌখিব কীর্ত্তি অছুবু শ্রীযুৎনা করিমতা নিংশিংবিদ্রবরা ?

রাজা। স ঢ়দাস, নংনা ব্রারি পূম্নমক্তু ঐঙোন্দা হৌজিক্ অমুক্ ক'গী নিংশি হল্লিবা ? মঙান্দগী অমম্বদা চঙবদা অমম্বহ্ ঙ্কিগণ ওইনা খল্লি, মমাঙ্গী ব্রা পূস্নহ্ নিংশিংলকৃপদা ঐনা মিকুপ্ অমা ফাওবা হিংনিংগ্রা—

মন্ত্রী। —মহারাজ—

রাজা। হাই, হাই ! শৈলবাজগী বংশ অসিদা ঐগুম্ব কাপুরুষ অতৈ কনা বদৌই পোকৃখ্রবগে ? ব্যাধ কিবনা লম্নাইদি লৈপ্নন্দা চঙবনি ; অদুবু সিংহগীস্ন বীতি অদুবা ?

বলেন্দ্রসিংহ চঙলকৃপা

লাউ, লাই, ফস্য্। নং পাউ-প্নসি তারেদনা ?

বলে। মগা কত্রা, মন্ত্রীগী মফমদগী পূম্নমক্নি খঙজবে। অদুগা দৈনস্ন দূত থব থাবস্মী, মখোযগী মবক্তা মী অদুম্ হয়ক্লে। মুসলমান-পতি আমীব অদুগা মহারাষ্ট্রপতি মাধবজী, অনিমক্ বাজা মানসিংহগী পক্ষদা যাওখবে।

রাজা। কবি হায়বা ? আমীব নত্রা ধনকুলসিংহগী দলদা যাও দ্বা ?

বলে। অজ্ঞা, যাওবম্বনি, অদুবু মহাক্না নমথাক্ তৌহ্নুনা ধনকুলসিংহগী প্রাণ নাশ তৌবে, হৌজিক্ অমুক্ বাজা মানসিংহগী সহায় ওইখবে।

রাজা। এঁ ! অওইববা ? অঃহাহা ! খঙলে খঙলে, বিশ্বাসঘাত মুসলমান জাতকী ব্রতনি।

মন্ত্রী। অজ্ঞা, স্না পূক্নি দা সন্দেহ তৌবিরুবম্নু ; ভাবতবর্ষদা মদুগী প্রমাণ ভান্নি ভান্নি ফংনখ্রে।

বাজা। জযপুবদগী, ভাই, কবি সংবাদ লাক্লে, তম্মু তাসি।

বলে। অজ্ঞা, রাজা জগৎসিংহস্থ প্রাণ খুবাক্তা হাপ্তুনা যুদ্ধগী যোগাড তৌবি। অহুগা বাজবীব কযা কযা মহাক্কী সহায ওইখবে।

মন্ত্রী। হাই! হাই! লডাই অসিগী ব্রা তাবদা মাইগৈ কয়াদগী মী কযা ও খৎলক্কনি মশিং নাইদনা। অকম্ব নোংঙ্গশিং হৌবক্‌পদা সাগবগী ঈথক্‌ মপৈ কদৌঙৈদস্থ শান্ত ওইনা লৈতে।

বাজা। লৈতে, লৈতবমক্রি। অত্তদি হৌজিক্‌ মসিদা কবি তৌবা তাববা? নংনা কবি হাযবিবা. বলেন্দ্র?

বলে। অজ্ঞা, করি অমুক হঙ্গংনি? মহাবাজগী অমদি স্বদেশগী ফনবা হোৎনবদা ননাই প্রাণ ফাওবা কপোক্‌পদস্থ ননাই ঐদি তৈযাব লৈজবে। অহুন্নদি ওইববদা, বিপদ অসিদগী নাম্বোক্‌পা মীগী মতিক্‌ নত্তে। মহু ওইববস্থ, ঐগী দেহদা প্রাণ লৈবিমখ্খদি ঐনা যতন তৌবা খক্‌ তোক্লোই। হৌজিক্‌ দেবতাশিংনা—

বাজা। ভাই, হৌজিক্‌পু মতম অহু অমুক্‌ লৈবিববা, দেবতাশিংনা মীগী অনাবনা বাবিবা। লোব কলিগী প্রতাপ্না অমবশিংস্থ শ্বাই মাখবে। অহুবু হৌজিস্স্থ চন্দ্র-সূর্য্য থোক্লিবসি, কেবল বিধাতাগী কাযবা-যাদব বিধিগী প্রভাবননি।

বলে। শ্রীযুৎকী স্না য়াথং লৈববদি, অমুক্তং যেঙ্সিবা কবিনো, বিধাতানা ঐখোয়গী ভাগ্যদা কবি তম্বা।

রাজা। স্বর শাংনা হোম্বা অহুবু, ভাই, মহুবু অমুক্ য়েঙ্গেদরা করিগী? খঙ্ঘহুনা য়েঙ্, কনা অমনা 'বিধাতানা ঐগী ভাগ্যদা করি তম্বা, য়েঙ্গে,'—অসি হায়হুনা চীং অরাং-বদগী চোংথরবা. নত্রগা অচাক্পা মৈঙ্গুংদা চোংশিল্লবদি, বিধাতানা মাগী ভাগ্যদা করি তম্বগে হায়বহু খুদক্তা থেংনরেদনা।

বলে। অজ্ঞা, মহুদি থাঙ্গৈশেংবনি! অহুবু,—

মন্ত্রী। বলেন্দ্ররোম্দা মনাও ইবুঙোনা পত্র অসি অমুক্তং পাহুনা য়েংবিয়ুদো। পত্র পীবা

রাজা। মহু করি পত্রনো, মন্ত্রি?

মন্ত্রী। মহারাজ, পত্র অসি ননাই ঐনা ঙরাং অহিং ফংলম্খী। অহুবু মসি কনানা কদায়দগী ইরক্পনো, অহুগা কনানা পীরম্বনো—হায়বহু ঐনা করিমতা থিবা ফংদে।

বলে। সর্ব্বনাশ! রাম, রাম, বিষ্ণু, বিষ্ণু! অসিগুম্ব ৱাবু চিন্দা পম্নবরা!

রাজা। করিনো, ভাই, ৱাহুবু করিনো, হায়ু, তাসি?

বলে। অজ্ঞা, ৱা অসি ননাই ঐদি চিন্দা পম্বা ঙম্জরোই, স্না পুক্লিংনা পাম্বিরবদি স্না মিৎয়েং তাবিসি। ৱা অসি স্না নাকোং য়োহম্বা ননাইগী ইতিক্ নত্তে। রাজাদা পত্র পীবা

মন্ত্রী। ৱা অসি য়াম্না অকিবনিদি হায়ববু,—

বলে। রাম! রাম! মহু অমুক্ হায়বগী করি দরকারনো? রাম! রাম! অহুবু ৱাহৈরা! ছি, অচ্চা!

মন্ত্রী। লোন্না আ—সিবি—সিবি—উপায় অসি নত্তনা অতৈ

উপায় অমা লৈরবদি, বিশেষ ওইনা মনাও ইবুঙোনা থম্মহনা য়েংবিয়ুদনা—

বলে। ঐনা য়াম্না মুন্না বিচার তৌরবনি। মহাশয়, মসি মীগী কর্ম্মরা ?

মন্ত্রী। অজ্ঞা, শাগৈজাত-ইজ্জৎ ঙাক্পা মীওইবগী প্রধান কর্ম্ম নি। বিশেষ ওইনা ক্ষেত্রিশিঙ্গী রীতি করিনো হায়বহু মনাও ইবুঙোনা খঙবিরিবনি।

রাজা। ক্ষণ অমত্তং তুমিল্লৈরগা স্বর শাংনা হোন্দোক্লুনা মন্ত্রি—

মন্ত্রী। মহারাজ! স্না য়াথং।

রাজা। পত্র অসি নঙোন্দা কনানা ইরক্পনো?

মন্ত্রী। মহারাজ, মহু ননাইদি হায়বা ঙম্দে।

রাজা। য়েঙু, মন্ত্রি, মাইব অসিদি য়াম্না কন্ন হিদাক্কী ব্যবস্থা তৌইদি হায়ববু, খঙলে, অনাবা কোক্লবা তৌবা নিংথিনা খঙিদনা। স্বর শাংনা হোন্না অহুগা তুমিন্না লৈবা

মন্ত্রী। অজ্ঞা, অনাবা অসিগী মসি নত্তনা হিদাক্ অতৈ লৈরোইদমাল্লে।

রাজা। বলেন্দ্র,—

বলে। স্না য়াথং—

রাজা। স্বর শাংনা হোম্বা ভাই, করি তারবা?

বলে। অজ্ঞা, পত্র অহু ননাইদা পীবিয়ু, ঐ শেগায়রগা লংশেক্থ্রগে। মসি শক্রনা ইরক্পনি, স্না পুক্নিংদা সন্দেহ তৌবিন্নু। সর্ব্বনাশ শারবনি।

রাজা। নংনা করি হায়বা, সত্যদাস?

মন্ত্রী। মহারাজ, বিপদগী মতম্‌দা মীনা রক্ষাগীদমক্‌ মথবাক্‌ শেগায়রদুনা দেবপূজাদা ঈ দান তৌনৈ।

রাজা। সত্যদাস, মহু থাজৈশেংবনি। অদুবু থমাক্‌ হোগাইদুনা ঈ দান তৌবগা কর্ম্ম অসিগা আকাশ-পাতালনি।

মন্ত্রী। অজ্ঞা সত্যনি। যন্ত্রণা অদুদগী যন্ত্রণা অসিনা য়াম্না হেল্লি, অদুবু স্না বুদ্ধি তৌবিয়ু, সময় অসিদা সর্ব্বনাশ ওইবনা নত্লে, অদুনা সর্ব্বনাশদগী—

রাজা। সত্যদাস, রা অসি খল্লুবদা ইশাপুম্ব ভুজুভিঙ, অদুগা মাইগৈ মবি ইমন্মম্বগুম্ উই। আঃ, করিনো ? হা ভগবান ! —নত্তে,—নত্তেদা ! মসিমু ওইবা য়াত্রা ?

মন্ত্রী। মহারাজ, স্না বুদ্ধি তৌবিয়ু। রাজসতী চা কয়া বংশ অসিগী মানরক্ষাগী অগ্নিকুণ্ডদা চোংশিন্দুনা প্রাণ থাখি ; বিশেষ ওইনা রাজাদি প্রজাশিঙ্গা মপাগী মশক্তি, মী অমবু নুংশিবদগী মা লিশিং কয়াগী মরন্-মথুম্-মথরাই মাঙহন্বা হৌনবরা ?

রাজা। হোই, চুম্মি। অদুবু মহু হায়দুনা ঐনা অন্ধকূপ তম্থিব থবক্‌ অসিদা সম্মত ওইগদবা ? অদুগা রাজমহিষীনা রা অসি হেক্‌ তাবদা কবিবু হায়গদগে ? ঐখোয়দি নিপাগী মপোক্লি ; অদুনা ঐখোয়দি য়াম্না থাওবা ওম্মি, অদুব—

মন্ত্রী। অজ্ঞা, মহারাণীমা রা অসি করম্না খঙ্গদগে ?

রাজা। সত্যদাস, রা অসিবু লোম্না থুপ্না লৈগদরা ?

মন্ত্রী। অজ্ঞা, মহু লৈতবা য়ায়। করিনা হায়ববু, মসি—অমুত্তম

লোইশিন্‌খ্ৰবদি অহুব্‌হাক্লা খল্লয়োই। মরমদি, অৱাবা শেম্বিব বিধাতা অহুমক্লা অৱাবগী মপুন্সি তেল্‌হল্লম্মে। মরম্‌ অহুনা অৱাবা পুন্সি তোলোইদে।

বাজা। চিন্তা তৌরগা ঐগী মৃত্যু ওইবনহুম্‌ ফরেদা। নত্তে,—মহুদা কবি কান্নদগে ? কেবল আত্মহত্যাগী পাপ লৎজবা। বিশেষদি; নিজ বাজ্যগী অমঙ্গং পবিবাবগী বিপদপুন্ব খণ্ডনা শিবস্থ কাপুরুষগী থৌদৌনি। নত্তে, নত্তে,—কৃষ্ণা লৈবিমখৈ বাথোক্‌ অসি লোইশিন্বগী মতৌ করিমতা উদে। অহুগা বাথোক্‌ অসি কায়দ্রবস্থ সর্ব্ব-নাশনি। উঃ—নত্তে, নত্তে, হোগৎপা মসি ঐনা কর্ম্ম অসিদা সম্মত ওইগদবা ? সত্যদাস, অসিগুম্ব কর্ম্ম চণ্ডালস্থ তৌবা ওম্মোই। অহুগা চণ্ডালদি মীনি, অসি-গুম্ব কম্ম শা-উচেক্‌শি নস্থ তৌবোই। য়েঙু, শা-চাব জীব পুন্বনস্থ মাগী মাগী মচাশিংবু প্রাণ য়াওনা যত্ন তৌনা যোক্‌-থাক্‌ই।

মন্ত্রী। অজ্ঞা, মহাবাজ, মসিদি তর্কগী বিষয় নত্তে। মনাও-ইবুঙোনা কবি হায়বিবা, বীববব ?

বলে। ঐনা মসিদা কবি অমুক্‌ হাযদগে ?

বাজা। বলেন্দ্র, ঐনা, ভাই, ইনিংতৌনা ঐগী মুংশিববী কৃষ্ণাগী প্রাণনাশ তৌনবদা সম্মত ওইগদবা ? চিঠি অসি ইবক্‌প মী অহু, মচা মুংশিবা করিনো হাযবহু কদৌ-ঙৈদস্থ খণ্ডব ওইবম্‌গনি। ভাই, ব্রা অসি খন্বদা প্রাণ কৈনো মতৌ অমা তৌবক্‌ই কবি অমুক্‌ হায়নি ?

উঃ—মথবাক্ য়েবা হে বিধাতা, ঐগী ইরাইবক্তা মসি তম্বিরম্লবরা ? অঃহা ! অস্নুক্ মবুক্ তিংবী নূপী মচানি ! ঐগী মরাল্ লৈতবী প্রাণপ্রতিমা—অঃহা ! হা ইপাই-ইবেম্মা কৃষ্ণা—আঃ—মূর্চ্ছা ওইবা

মন্ত্রী। সর্ব্বনাশ। সর্ব্বনাশ।

বলে। হাই, হাই, করিনো করিনো ?—করি থোক্লগবা ? কনা কনা লৈ, অসিদা !

ভৃত্য চঙলক্পা

ভৃত্য। সর্ব্বনাশ ! কবিনো অসিদে ? মহারাজ। কৈনো সিদে ?

মন্ত্রী। বীববর, মতৌ অসিদি, তম্‌থিব বিপদ লাক্লেদনা। অহুদি লাক্‌পিরো, ঐখোয় মহারাজবু অসিদগী পুরসি। রামপ্রসাদ, নং য়াম্না থুনা রাজবৈদ্য কৌরুদো।

ভৃত্য। অজ্ঞা। থোক্‌খিবা

মন্ত্রী। মহাশয় মহারাজবু পায়বিয়ু।

রাজাবু পুহুনা অনিমক্ থোক্‌খি

অনিশুব গর্ভাঙ্ক

উদয়পুর, একলিঙ্গজী মন্দির মমাঙদা

ভৃত্য চঙ্‌লকপা

ভৃত্য। মথন্তদা উঃ, কযাদ মন্নবা! অকাশদা তানা অমাকাও উদ্রেনা। মাইকৈ মরি য়েংলগা কয়াদ কিবব মাল্লো! অসিদা ভূত কয়া, প্রেত কয়া, পিশাচ কথা লৈ, মশিং নাই-পোং নত্রে। মহারাজনা অসিগুম্ব সমযসিদা মন্দিব অসিদা কবিগী লাক্লিবা, কবিমতা খঙবা ঙম্‌দবে। ইঙক্ ঙক্লা এঃ বাবা! কৈনো? হেবা, ফবে। মক্বা! ভূত পুবা উচেক্লি। ওইবস্ন যায। মধুব স্ববহ্ ভৃঙকী মনাকোং নঙনা অতৈ কনাগী মনাকোংদা নিথিনা থোক্কদগে? দূব! কোযচচ্চংপা বযাদনো! ঙসি বযা-নিনো শুবে, মহাবাজনা য়ান্না ভয়াং-তশোইনর্নিংসে। আহাব, নিদ্রা, বাজকর্ম্ম-পূম্নমক্ পূমথা থাদোকখে, অতুগা সদাই "হে বিধাতা, ঐগী ইবাইবক্তা মা। লোবমবা। হা! ইবেম্মা কৃষ্ণা, নঙ্গী রক্ষক অতমরা গ্রহদে নঙ্গী ভক্ষক ওইববা!" কেবল ৱাহৈ বন অমাত শোখ্না তায। নেপথ্যদা থাঙ্গী শউম্—ইঙক্ ঙন্না ও কদিনো অসিনা? কে ণা পাস্বীমুক্ ৱাঙি! এঃ বাবা! সববনাশ! নন্দীরা, ভৃঙ্গীব, বীবভদ্রবা! বীবভদ্র ওইবমাল্লে। নঙনদি অস্নুক্ বাং-চাউব অতৈ কনা লৈনি! উঃ! এ: বাবা! অসোম্‌দতুম্ লাক্লি।

রক্ষক চংলক্পা।

কনানো ? ও ! ধনুবব সিংহ ! আঃ। শিদেদনা। ঐদি, ভাই, নহাক্পু বীবভদ্র ওইববোই নিংহুনা চেন্গে েকবেদো। নংসু বীবভদ্রগুম্মেদো।

রক্ষ। তুমিন্নেযুবা। অহুক্ লাউনা ব্‌া ভাক্সু।

ভৃত্য। করিগীনো, কবিগীনো ? করিদোবে ?

বক্ষ। মহারাজ, মহা বিপদদা তারমান্নে, হিঙ্গদবা হিংলোইদ্রা চিংনবে।

ভৃত্য। ব'ব হাযবা, ধনুবব সি হ ?

বক্ষ। মহারাজ মবক্ মবক্তা মূর্চ্ছিত মওই। ভগবান শম্ভুদাস অহুগা মহাক্কী চেলা মকোক্‌শিংনা হিদাক্-লাংথক্ কবা থাবি, অহুবু উত্তা ঘী হৈথবে। অঃহা ! মহা-বাজগী ছুঃখদশা উবদা ইবুক্ শেৎ কায। অহুগা বাজকুমার বলেন্দ্রবুসু, য়াম্না রানা উই। যেঙু, ভাই, অচৌ-অশাঙ্গী ইমুংদা মচিম্মনাও অমুক্ মুংশিনবা ঐদি কদাযদসু থেংনদ্রি। অনিসিগী প্রাণ অমত্তগুম্মি।

ভৃত্য। সন্দেহ তৌথিদরা ?

রক্ষ। নংদি, ভাই, ইতত্ত্বত্তনা মহাবাজগী স্নানাক্তা লৈবনি। মহাবাজনা অসুম্ ওইবক্লিবসিগী মবম্ খজিক্তসু খঙ-লাক্তবা ?

ভৃত্য। কদায, খঙদে ! কবিগীনো ? নংসুনে ভাই, বাজকুমাবগী অহুদা লৈবিবনি। নং কবিমতা খঙদ্রা ?

বক্ষ। কনা খঙনি, ভাই, কবিসুবু খঙবা-ঙম্দেদা ! অহুবু

আন্দাজদা অসুম্ খল্লি, বাজকুমাবী কৃষ্ণাগী বিবাহ-বিষয়মক্ বিপদ অসিগী মূল ওইরমাল্লে; য়েও, চুমিং কযানি মকম্সি সেনাপতী অমসুং মন্ত্রী মহাশয় অনিগী মচিন্দা তত্তনা মহাক্কী নাম পন্বা তায়।

ভৃত্য। সত্যবা? ঐনসু, ভাই, মহারাজগী মচিন্দা মতুত তায়।

বলেন্দ্রসিংহ-চঙলকপা।

বলে। মর্থত্তদা সর্ব্বনাশ! মসিবু ঐগী কম্ম রা; শাম্না তনৌ তনৌব নৈবাং নৈহম্পদাইদো? অদ্ব মাদি শানিদনা। রূপ বশি-গুণগী মবম্দা মাদি মমিং তাডি। অতুবু মীনা কদৌউদা শাগী থবক্ তৌবা ডম্ববা? নত্তে, হুম্ হুম, মসি ঐগী কর্ম্ম নত্তে। ঐ হৌজিক্তক্ মযম অসিদগী চৎপনা চম্মে। কোংনা বঘুবরসিংহ?

বক্ষ। অজ্ঞা, বীবপতি!

বলে। খুনা ঐগী শগোল পুবকউ হায়ু।

বক্ষ। অজ্ঞা। ভত্যরোম্দা ও, ওন্থোক্লা মমখেনা, লাউদো, ভাই, ঐখোয অনিমক চৎলসি।

ভৃত্য। আজ্ঞা, চৎলসি। অনিমক্ থোক্খিবা

মন্ত্রী চঙলক্পা

মন্ত্রী। মগু পায়ভনা বাজকুমাব. বক্ষা তৌবিযু কবি অমুক হায়-সিগে? ইবুঙোনা অমুক শাউবিববদি সর্ব্বনাশ শানি। লেঙলকউ মহাবাজনা মনাও ইবুঙোবু অমুক নিংশিংবিবি।

বলে। মখুৎ থাদোক্হল্লগা নংনা করিনো হায়বিবা মন্ত্রি? ঐবু চণ্ডাল্লা? পাষণ্ডরা? মসিবু ঐগী কর্ম্মবা? কলঙ্ক-

মাগর অসিদা মহারাজনা ঐবু করিদৌনা লুপ্‌হন্নিংলিবা ?
এঃ! ঐনা করি হায়না মনঃবু থেম্‌জিন্দগে হাযুদো ?
কৃষ্ণা ঐগী প্রাণগী লাইফদিবীনি। ঐনা কবম্না দোষ
লৈতনা মাগী প্রাণ নাশ তৌনি ? ইহলোক শুঙাইনবগী
মীনা পবলোক নাশ তৌই ; কবিনা পবলোক্তা করি
থোক্কনি হাযবগী নিশ্চয় লৈতে। অত্তুবু নং হায়্‌
য়েংসি পাপ কম্ম গী ফল ইহলোক্তা ফংলোইদবনে ?
মন্ত্রি নংনা তুক্কচনব কর্ম্ম অসি তৌনবগী ঐঙোন্দা
অমুক হায়বিনবন্নু।

মন্ত্রী। মখুৎ পাসতুনা বাজকুমাব, মন্দিব মনুং দা লেঙশিন্বিবকৃউ।
ব্রা পূন্নমশ্লি মফম অসিদা হায়দোক্‌পা যোগ্য চাদে।

অনিৰুদ্ধ চঙলকৃপা

পূন্নমক্কা। মন্দিবগী মমাঙদা প্রণামগা বম্‌ ভোলানাথ। পূন্নমক্‌
কম্বা অমস্নং শিবস্তব শকপা লোইবগা বম্‌ মহাদেব।

অহাব্ব। গোঁসাইজি, মহাশযনা হায়রিখি, ঙসি অহিংদা মহা-
রাজগী বিপদ অমা থোক্কনি, মসিগী কাবণ করিনো ?
অত্তুগা মহাশযমক্কা মসি কম্না খঙবিনবা ?

অনিরুব। বাপু, নখোয় ঐগা চেলানি। অত্তুনা নখোয়গী
মফমদা ঐগী কবিগুম্ব খিযয অমা লোত্তুনা থম্বা
য়াম্না হৌনদবনি। ঙসি সন্ধ্যা সময়দা ধ্যান্দা উবম্বা,
দেবদেবগী নয়ন্দা পিগী ধারা শিন্থবগুম্‌ তৌই ; ঙহাক্‌
লৈরগা রাজভবন-বোম্‌দা য়েংথোক্‌খিবদা মফম্‌ অত্তু-
দগী ঈ-ঈচেল্‌ চেন্থোরক্‌পগুম্‌ তৌই ; মতুংদা আকাশ

পাংনা য়েংখিবদা, উবক্সী, ঙু° ঙুং চাক্‌প মৈক্সংদা লক্ষ্মীদেবী চাক্‌পগুম তৌই, অহুগা দেব ময়াম্না হাহা-কাব লাউবগুম্‌ তৌই। পূম্নমক্সিগী মতুংদা হেক্‌ শূক্না মম্বা অসি অহুগা নোঙঙংবা হৌবম্মে। বাপু, পূম্নমক্সি অশুভ লক্ষণনি। মসিনা তাক্‌পদি বিশেষ বিপদ অমা থোক্কনি—মতুদা সন্দেহ লৈত্রবনি।

১ম্ব। অহুদি মহাশয়না করিগী মহাবাজদা বিষয় অসি হঙ্গংলমদে ?

২শুব। বাপু, বিবাতানা তম্‌লিবদ শোযদনা থোক্কনি, অহুনা মহাবাজদা বিময় অসি হঙ্গংলুবদা কেবল মহাক্‌পু—ক্সুংশা থিহম্বা তানি। অতৈ উপকাব অমতা লৈবোই।

৩শুব। তোংতা যক অমদি থোক্কদোবেদনা, অতৈ কবি বিপদ থোবদগে ?

২শুব। অহুদি ভগবান একলিঙ্গতনা খঙবিনি। ঐগী অনু-মান্দদি, মী অমগাদনক্‌ যুদ্ধ আস থোক্লে, মচোম্নক্তুদা অমাঙবা অমা থোব্রবা খ্যায। মতু ওইবসনু, মহু হায়-রুহুনা কান্নদে। হৌজিক্কি চৎলসি, এখোয় মফম্‌ অসিদগী চংথোক্লসি। আকাশ নোংনা কৃপ্‌শিল্লিব থোদৌ অসিনে, য়াম্না থুনা অকিব লোং-মুংশিং তৌরদৌমাল্লে।

পূম্নমক্সা। বম্‌ শঙ্কব! হব-হব-হব! বম্‌-বম্‌-বম্‌!

পূম্নমক্‌ থোক্‌থিবা

বলেন্দ্র অমসুং মন্ত্রী চঙলক্‌পা

মন্ত্রী। রাজকুমার, * পিতৃসত্য রক্ষাগী রঘুমণিনা রাজভোগ থাদোক্তুনা বনবাসদা লেঙবিখি। ময়াম্ব অহন্দি পিতা-গুম্বনি। অতুনা মহারাজগী ম্না য়াথং অবহেলা তৌবা মনাও ইবুঙোগী কবিমতা হৌনদ্রবনি।

বলে। পুন্নমক্ অদু অমুক্ হায়বগী দবকাব কবিনো? ঐনা মহারাজগী চরণ শোক্লা প্রতিজ্ঞা তৌখ্রবদা নঙী মন:দা কবিগী সন্দেহ লৈবিবা?

মন্ত্রী অজ্ঞা, নক্লে, মদু কনম্না লৈদগে?

বলে। য়েঙু, মন্ত্রি, নং মহারাজবু চেক্শিন্না ম্না কোন্নংদা পুশিল্লক্লো। হাই! হাই! ঐগী লাইবক্তা অম্মুম্ কবিগী থোক্লববা? শোয়দনা ঐগী পূর্বজন্মদা শাপ অমা লৈরম্মে; মদু নত্রবদি—নেপথ্যদা বীববব, শগোল্ তৈয়াব লৈজবে।

বলে। আচ্ছা। ঐ চৎলে, মন্ত্রি। থোক্‌থিবা

মন্ত্রী। মথন্তদা রাজকুমারনা অকুব কর্ম্ম অসিদা সম্মত ওই-বিগনি হায়বসিগী ব'গুম্ব আশা অমতা লৈবম্দে। ফবে অদুবু, হৌজিক্তি য়াম্না রানা সম্মত ওইবে। অ:হা! রাজকুমারী কৃষ্ণাগী মৃত্যু নঙনা অতৈ উপায় অমত্তা লৈত্রবনি। হাই, হাই,! হে বিধাতা, মসিবু নঙী সামান্য বিপদরা।

রাজা চঙলক্‌পা

রাজা। সত্যদাস, বলেন্দ্র চৎখ্রববা? হাই, হাই, হে বিধাতা, ঐগী ইবাইবক্তা নংনা মসি ইবন্নবা? মেমা, ঐনা অমুক্

* রামবয়ণগী প্রসঙ্গ

নঙ্গী চন্দ্রমুখ অদু উবা ফংলবোইদো? হাই, হাই,! অচ্চা. ঐসি পাষণ্ডনি! নবাধম—

মন্ত্রী। মহারাজ, হৌজিক্ লেঙবিরো, বাজপুবদা লেঙসি।

বাজা। সত্যদাস, ঐ *শ্মশান অদুদা অমুক্ কবম্না চঙ্গদগে?

মন্ত্রী। ধর্ম্মাবতাব,—

বাজা। সত্যদাস, নংনা ঐবু কৈদৌ অমুক্ ধর্ম্মাবতাব হায়-বিবা? ঐদি চণ্ডালদগীসু অধম্নি। ঐদি স্বয়ং কলি অবতাবনি।

মন্ত্রী। মহাবাজ, পুম্নমক্ অসি বিধাতাগী ইচ্ছা নওনা কবিনো?
নোং-নুংশিৎ অমসুং আকাশদা নোং থাকৃপা

বাজা। আকাশবোমদা হায়বপ্ যেংদুনা বজনীদেবীনা পামব অসিগী তুক্কচব কর্ম্ম উবদা যাম্না শাউবিবমাল্লে; অদুগা চন্দ্র-তাবানচিংবনা মণিগী পোছাক্ থাদোক্কুনা, চামুণ্ডাগুম্না ঙংবিবিমাল্লে। উ.! কযা কিবব থৌদোনো! প্রলযগুম্না মল্লবা! হে অমম্ব, নংনা ঐবু উম্নবা থৌদাংলববা? ঊঃ! ‡ মেঘবাহন্না অমম্ববু হন্না হন্না অডাম্ব লিচৈ অসিনা খুবি,—দ্বিগুণ শাউবমাল্লে! বজ্রগী কযাত বিবব শব্দনো! মসিবু প্রলয কাল্লা! অদুদি ঐগী কোক্তা কৈদৌ বজ্র তাদে? মথক্তা য়েংলগা হে কাল, ঐবু উম্মো। হে বজ্র! পাপী অসিবু নাশ তৌরো। হে নিশাদেবি! পাষণ্ড অসিব পৃথিবীদা কবিগী অমুক্ থম্লিবা? কদায়? পন্থবিবা কবিগীনো? জ্ঞান তাদনা মকোক্তা মথুং হাপ্না

* মোংকম্ ‡ ইন্দ্রনা

অসি লৌ! খজিক্তং তুমিল্লেবা কদায়। বজ্রনা কিহুনা চেন্খ্রববা? থাক্না নোকৃপ *

মন্ত্রী। মথন্তদা কৈদনো বিপদ অমামুক্ লাক্লিবসিনা। মহারাজ পুম্ভাও ভাওরে। খোংনা মহাবাজ, কবিনো তৌবি-রিবা? লেঙসি, হৌজিক্ সঙ্গাই মনুংদা লেঙশিল্লসি।

বাজা। তাদনা পবমেশ্বব, বাজা মৃত্যু ওইববোইদবা? কৈদৌ ওই-রোইগ? ববি তৌবি বাজা? বিগা? কবিগী? এ ববি থোক্-অনি? 'হুদি কবি থোক্অনি? ঐগী কবি থোক্-অনি? কপ্পা

মন্ত্রী। মথন্দদা, কবিনো [illegible] সর্বনাশ। হৌজিব্ কৈদৌনি? মসিবু পুননবা উপায কবিনো?

বাজা। কবিনোসিদে? হা মেমা, কপ্পা! কৈনো, মেমা? লাউ, লাউ, নঙ্গী নাকোন্ অমুক্ত চুপ্কে। নঙ্গা কবি থোব্রবা, মেমা? অ হা! ঐদি নঙ্গী অবা-নংলব নপানি, নহাক্না য়ান্না নুংশিবদো। কপ্পা মহু কবিনো ভাই, বলেন্দ্র, কৈনো মহু? কৈনো মহু? কৈনো তৌবিবা? কৈনো তৌবিবা? অদুম্ব কম্ম —[illegible]

মন্ত্রী। মথন্তদা কৈনোসিদে কৈনোসিদে? কৈনোসিদে, সর্ব্বনাশ! কবি থোক্-অনি? অসিদা কনাস্নু লৈত্রা? খোন্ হৌনা কনা কনা লৈবগে।

ভৃত্য অমম্নুং বক্কক চঙলক্পা

ভৃত্য। কৈনোসিদে! —কৈনো—সর্ব্বনাশ।

মন্ত্রী। পামু, পামু, মহাবাজবু থুনা সঙ্গাই মনুংদা পুশিল্লসি।
বাজাবু পুত্থনা থোক্খিবা

* সেক্সপীয়রগী কিংলিয়রগী ৩শুব অঙ্ক, ২শুব দৃশ্যগা মান্নবা।

অহুম্‌শুব গর্ভাঙ্ক

উদয়পুর, কৃষ্ণকুমারীগী মন্দিব

অহল্যাদেবী অমসুং তপস্বিনী চঙলক্পা।

অহ। নাইগৈ মরি য়েংলগা ভগবতি, কদায়, ঐগী কৃষ্ণাদি অসিদা লৈতেনা?

তপ। অচুদি বাজকুমারী হৌজিকফাও সঙ্গীত শালাদগী হল্লক্ত্রি-মাল্লে। করিগী ইবেম্মনা অচুক্‌ তয়াং তশোইনবিবিবা?

অহ। খুমদনা কপ্পা

তপ। মপুং পাইদুনা ছি, ছি! কবি মতৌনো মহিবি? মঙবু কদৌডে হেক্কা চুম্বরা? মচু ওইরবদি পৃথিবী অসিদা গরীব কয়া কযা বাজা ওইবম্লি; অদুগা বাজা কয়া কয়া গরীব ওইবন্নি, সীমা নাইরবোই। মী কয়ানা মঙদা করি করি উবা, পুন্নমক্তুবু সত্যবা? মঙদি মধুস্মী।

অহ। ভগবতি, ঐগী প্রাণসি কৈনো মতৌ অমা তোবে, ইবেম্মনা ঐগী কৃষ্ণাবু কৌবিরক্‌উ। ঐ অমুক্তং মাগী চন্দ্রবদনদু নিংথিজনা য়েংজগে। কপ্পা

তপ। মহিবি, অচুক্‌হাক্লা পাখৎপিনু। ইবেম্মনা কয়ামুক্‌ঙক্‌প মঙ মঙবিথ্রবগে, হায়বিযু তাসিদনা।

অহ। ভগবতি, মঙ্গী ব্লা অচু নিংশিংবদা ঐগী ইশা পুম্বদা তু খ্যাও-খ্যাও চুঙি। কপ্পা

তপ। কৈননো, ব্লারিচুবু করিনো?

অহ। ঐহাক্‌ খোংজিন্‌ অসিগী মনাক্তা লেপ্পগুম্‌ তৌরম্মী,

খুদক্ অদুদা ভীমগুম্ব বীর পুরুষ অমনা থাঙশাং পায়দুনা মন্দির অসি তান্না লাক্লগা— চঙলম্মী—

তপ। কয়াদ ঙক্লবা। অদুদগী ?

অহ। কৃষ্ণানা শয্যা অসিগী মথক্তা মথন্তা তুম্বগুম্ তৌরম্মী। অদুগা বীরপুরুষ অদুনা করি তৌরম্বগে হায়ববু—শয্যা মনাক্তা চঙশিন্দুনা মাবু থাঙনা য়ান্গে তৌরম্মী ; ঐনা কিরদুনা খুদক্ অদুদা খংলাউ লাউরম্মী, অদুদগী মঙ্-ফাঙনরম্মী। ভগবতি, ঐগী ইরাইবক্তা করি থোক্লগবা, হায়বা ঙম্‌দরে। কপ্পা

তপ। ইবেম্মা খঙবিদরা, মহিষি, মঙদা ফত্তবা উরগা ঙৈ, অদুগা অফবা উরগা ফত্তে ?

অহ। মদুম্নু ওইরসম্নু, ভগবতি, ঐ ঙসি অহিং ঐগী কৃষ্ণাবু মন্দির অসিদা করিমতা তূম্মল্লরোই।

তপ। যোমোন্দুনা করিগী মহিষি, করি দোষ লৈরদনা ? নেপথ্যদা গম্ব ধ্বনি আদু তাওদো ? ঐনা হায়খিদ্রদো, রাজনন্দিনী সঙ্গীত শালাদা লৈরি। অদুদি লেঙসি, ঐখোয় মফম্ অদুমক্তদা চৎলসি। মহিষি, কৃষ্ণাগী মমাঙদা অম্মুক্ পাখৎপা করিমতা ইবেম্মনা তৌবিরোই। নূপী-মচা অদুনা ইবেম্মবু অবস্থা অসিদা উবদা মথৱাই য়াম্না মুঙাইরোই। মঙোন্দা অমুক্ কৈদৌনা অরেম্বদা মথৱাইদা অনাবা পীদগে ? অদুগা বিচার তৌবিদ্রিবা করিগীনো, স্বপ্নদি নিদ্রাদেবীগী ইন্দ্রজালনিদনা। লেঙসি ; ঐখোয় হৌজিক্ চৎলসি। অনিমক্ থোক্‌খিবা

থাঙশাং পায়তুনা বলেন্দ্রসিংহ চঙলক্‌পা

বলে। মথন্তদা মন্দির'সিগী মনুংদা ঐনা কয়াবক্‌ চঙখ্রবনি, মশিংবু নাইদে। অতুবু ওসিদি চঙবদা ঐগী খোঙ থাংনিংদশুম্‌ তৌইদা। তৌদোবমক্তি। চোবদোনা শগুন্‌ তৌতুনা যুমুগী মযুম্‌দা চঙববু বীবপুরুষগী ধর্ম্মরা? হাই, হাই। মহাবাজনা কবিগীনো ঐবু শাথিব ঝঞ্ঝাট্‌ অসিদা লংশিন্বিবে? তমথিব কর্ম্ম অসি অতৈ কনা অমবু তৌহন্বা যাদ্রববা? কৃষ্ণাবু হাত্তনা ইথন্তহুম্‌ শিসিবা খল্লক্লে! স্বব শাংনা হোন্বা অতুবু মতুদদি ফল কবিমতা ওইনবোইদ্রা? শগ্যা তান্না চঙশিল্লগা কদায়? কৃষ্ণাদি লৈতেনা। হৌজিক্‌ফাও তুম্বা লাক্তি্রমান্নে। অতুদি হৌজিক কৈদৌনি? কোয়চচ্চংপা নেপথ্যদা গীত মথন্তদা অংহা। হে বিধাতা, ঐগী অসিগুম্বী কোকিলাবু পুন্সি-চুপ্পগী মচিন্‌ মেন্‌গে লাক্রববা? পাপ অসিগী প্রায়-শ্চিত্ত লৈব্রা? কৃষ্ণা অসোম্‌দা লাক্লেদনা। হাই! হাই! হে বিধাতা, নংনা কবিগীদমক্‌ বাজবংশ অসিবু অম্মুক্‌ য়েংথিবিবে। অসিগুম্ব মণি পাবিবগা অমুক্‌ মাবু হৃদো-বিবা! হাই, হাই, মেমা, নংনা কবিগী হুংশিহৈতব কৈসিগী খায়াত্তা তাববা! মরুম্‌দা লৈবা

কৃষ্ণাগা লোয়নতুনা তপস্বিনী চঙলক্‌পা

তপ। নৃপামচা, অহিং অম্মুক্‌ থেংলফাও ঈশৈ-নোংমাই তৌতুনা লৈবা হৌনবরা? চৎলো, রাজমহিষী শয়ন মন্দিরদা লেঙশিন্‌খরে। নংস্থ তুম্মুরো, অমুক্‌ পস্থরনু।

কৃষ্ণা। ফগনি, ভগবতি, ইমাসিবু ঙসি অদুক্ পাখৎনা উরম্বা করিননো, তাক্‌পিয়ুদো ? মহাক্না ঐবু ঙসি অহিং মন্দিব অসিদা তুম্‌দনবা হায়রম্বা কৈননো ?

তপ। রাজনন্দিনি, অমরোম্‌দা মমাগী প্রাণনিদো ; অদুগী মথক্তা অমুক্ নংদি মহাক্নী অমত্তা পোকপী থাদোইনিদো। অদুগা হৌজিক্ বিবাহ অসিগী বিষয়দা গোলমাল তৌবক্লেদো—

কৃষ্ণা। মোমোন্দুনা অদুদি ঐবু কনা অমনা মন্দির অসিদগী হুদুনা পুখিগনি হায়না ইমাসিনা খম্বিবববা ?

তপ। নৃপীমচা, মদুস্মু খক্ হেক্ ঙইবা য়াত্রা ? চন্দ্রলোক্তগী অমৃত হূববু অমা অমগী মতিল্লা ?

কৃষ্ণা। মিহুগোং হান্‌লগা উঃ, ভগবতি, যেংবিয়ুদো কয়াদ মল্লব বজনীনো ! রজনীনাথ য়াওদবনা বজনী দেবীনা মফী-মরোন্ লংশেক্‌না দুঃখ-সমুদ্রদা লুপ্পুনা লৈবিবিমাল্লে।

তপ। মোমোন্দুনা মেমা নংনা অমুক্ বাতাশিংদো কৈদগী তম্লক্লিবা ! চৎলো তুম্‌দুম্ তুম্মুবো। ঐস্মু হৌজিক্ য়ুম্‌দা চৎলে। অহিং নোংয়াই য়ৌরম্মনি।

কৃষ্ণা। অক্তা।

তপ। অদুদি ঐ হৌজিক্ চৎলগে। থোক্‌খিবা

কৃষ্ণা। মথন্তদা রাজা মানসিংহ লান্দা অমুক্কি মাইথিবে অদুবু মসিস্মু তারি, মহাক্না অমুক্ হন্না সৈন্য-সামন্ত ময়াম্ লোয়নদুনা জয়পুব রাজাগী বিরুদ্ধদা লান্দানবগী থৌরাংনি ; য়েক্নে বিধাতানা ঐগী লাইবক্তা করি

ভস্থিবা! স্বয় শাংনা হোম্বা * শুভদ্রাগীদমক্ অর্জ্জুন্না যত্নবংশগা শাথিব লান্ শোক্করম্মী, মসিগু মতুম্ তৌবক্র-মাল্লে। মিহুখোং হাংলগা ইস্, কযাদ কিবব বিজুলীনো! প্রলয় কালদা মৈরিনা পাপী থিজুনা পৃথিবী কোযব-মাল্লে। অতুগা নোঙংবা তাবদা মহা মহাবীব পুরুষগী হৃদি নীক্ই। উ: ,কযাদ কিববা আন্দ্বিনো। ঙসি করিনো সিদে মহাপ্রলয় লাক্রববা? মন্দিব অসি চীংজ্জাওদোনা লেঙদবে, অকম্ব নোং-ন্নুংশিৎ তৌববস্থু মসিদা কিনিঙাই লৈতে। অতুবু খা°পোক্কুম্ব যুম মচা মচাদা লৈব মী-শিঙ্গীদি ঙসি কযাদ ব্রাবিগবা! অঃ হা! পবমেশ্বরনা মংখাযবু বক্না তৌবিসন্থ। হে বিধাতা, মী অহুনি, বুদ্ধি অতুনি, মঙ° অতুনি, অতুবু কনানা ঙক্লা ব্রাংব সনা দোলান্দা ইন্দ্রগুম্না ঐশ্বর্য্য ভোগ তৌই, অতুগা কনা অমনা আশ্রয় লৈতন্থনা উথোং-ব্রাখোংদা য়াম্না ব্রানা জীবন লেল্লি। অতুগা মসিস্থ হাযগে, দোলান্দা লৈর-গতা মীসি চেস্তা ন্নুঙাই হাযবা হ্রা নত্তে। ঐগীদি কবিমতবু অব্রাংপা লৈতে, অতুদি কৈদোনা ঐ ন্নুঙাইতে? মনঃ ন্নুঙাইবনি ন্নুঙাইবদি! স্বয় শাংনা হোম্বা ফবে, ঐগী মনঃ ঙসি অমুক্ চবাংনবিবা কবিগীনো? পৃথিবীগী পোৎ অমওস্থ নিংথিনা থোক্তরে। ঐগী মনঃ, পোম্নংদা থম্ব চেক্লাগুম্না ইপাপাখৎলে। য়েংতুম য়েংখিগে, ঙহাক্তং তুম্লগা ফবা যায়। তুম্মুবগে। হে মহাদেব,

* মহাভারতকী ব্রারী

মনাইসিগী মফম্‌দা দয়াবিহ্নুনা মাগী মনঃগী চরাংনবা কোক্‌হল্লু। প্রভু, দাসী অসিনা নঙোন্দা একদম্‌ শরণাগত তৌজরে। ভুখা

বলেন্দ্রসিংহ অমুক্‌ চঞ্চলরুপা

বলে। মথন্তদা হাই! হাই! ঐনা অসিগুম্ব কর্ম্ম তৌনবা লাক্‌শিল্লে, অদুবু রসাতল হেক্তা য়ৌগদরা কিবদগী, পৃথিবীদা খোঙথাবফাও শঙ্কা ওইবে। খোংথাং খুদিংদা মেদিনীনা ঐহাক্‌পু য়োৎনবা লাক্লমাল্লে হায়না খল্লে। মহু ওইববসু অমবোম্‌দা ফরে। রজনীদেবী নংমক্‌ ঐগা সাক্ষীনি। ঐনা কর্ম্ম অসি ঐগী খুসীনা তৌবা নত্তে। মনাক নক্‌শিন্নগা হাই! হাই! ঐনা রাজবংশ * মৃণাল অসিদগী অশাংপ সনা মৃণালিনা অসিবু থাঙ্গৈশেংনমক্‌ ছারখার শাহন্‌গে লাক্লম্লে। অসিগুম্ব সনা মন্দিরদা শগুন্‌ তৌহ্নুনা মসিগী প্রাণগা মশক্‌ লন্‌হ্নবদগী হেন্বা অতৈ কবি পাপ লৈরিবা। চিন্তা তৌহ্নুনা কবিদি তৌনি? ময়াম্ব অহন্‌গী অঙ্গা থৌশাদবসু মহা পাপ্নি। স্বর শাংনা হোম্বা ঐহাক্তা, উবেদো, + মারীচ রাক্ষসগী দশা তাবেদো, হিংফম লৈত্রে। অদুনা মপোক্‌ অসিগী ওইনা মেমগী চন্দ্রবদন্‌ অমুক্ত, থেঙ্গে। মশক্‌ য়েংলগা হে বিধাতা, ঐনা রাহু শাহুনা অসিগুম্বা পূর্ণিমাবু য়োৎনবা লাক্লম্লবা? ঐনা প্রলয়গী যম শাহুনা মসিবু মপুন্সিগীদমক্‌ ঈশিংদা লুপ্‌হন্নবা লাক্লম্লবা!

+ রামায়ণগী বারি। * থম্বাল্‌ মথোক্‌

মমিৎ শেংদোক্পা অঃ হা। মেমা। ঐসে সুংশিহৈতব চণ্ডালনি! অপবাধ লৈতনা নঙ্গী প্রাণনাশ তৌনবা লাক্লে। অঃ হা। ইচাদি হৌজিক নীঙাইদনা নিদ্রা দেবীগী তম্বাক্তা বিশ্রাম তৌবিদো; অদুগা মনঃ হ্বা মঙ, মখল্ মখানা য়াম্না নুঙাইহম্বদৌনা উবিনেসে। অদুবু মনাক্তা মপা-পোক্ মিন্নব-শাব যম লাক্নবা লেপ্লবে, হাযবসিদি খঙদবে। হাই! হাই! ঐনা প্রাণগা মান্ননা অম্মুক্ সুংশিবব, মাগী প্রেমগুম্না লান্ তৌব মীগী অকন্ন হৃদিদা সুংশিবগী বস অপাব চেল্হন্ব— মহাক্পু ঐনা মাঙহন্বা তাববা? বলেন্দ্রগী খুংলাইগী মমৈদা কীর্ত্তি অসি ওইববা? তোল্লিদা। তোল্লিদা! চিন্তা তৌড়না অদুদি অমুক্ কবিগীনো? —ওঃ! সুংশিব-য়োৎহিলং অসি খদংপা মোগা কর্ম্মবা? * দ্রৌপদীগী ফিদৌনা চিংথোক্লিবমখৈ শাংদোবব্রবা। হে পৃথিবি, নং সাক্ষীনি। হে বজনী দেবী, নং সাক্ষীনি। হায়কে মখুৎ থাঙ্গৎপা।

কৃষ্ণা। ফুক্ হৌগৎলগা এঁ-এঁ-কাবা! সিদি কৈনো? সিদি কৈনো?

বলে। থাঙ্ লৈপাক্তা লংশেক্পা

কৃষ্ণ। এঁ-কাকা! সিদি কৈনো? নহাক্না মতম্ অসিদা মফম্ অসিদা লাক্পিবিবা?

বলে। নত্তেদা, করিস্থ নত্তে। খাল্লি নংবু অমুক্তং য়েঙ্গে লাক্পনি।

* দ্রৌপদী বস্ত্রহরণগী মতাং

অহুদি মেমা! অহুদি মেমা! ঐবু বিদাইবো ঐ চৎলে।

কৃষ্ণা। কাকা; নহাক্তি মহাবীর পুরুষ অমনি, অহুদি নহাক্কা দাসী অসিদা নম্‌থাক্‌ তৌবা হৌনবরা?

বলে। মমায় খুম্নগা খুম্‌দনা কপ্পা

কৃষ্ণা। থাঙ্‌ য়েংলগা মথন্তদা করিনো সিদে? থাঙ্‌ মথবাক্তা লোৎপা অমমুং ফোংনা কাকা, ঐনা নখোঙ্‌ পায়হুনা হায়জরি, ঐঙোন্দা রাফম্‌ পুম্নমক্‌ শেংনা তাক্‌পিয়ু।

বলে। মেমা, নংনা তোল্লব-মিনু'শি খঙদব অসিবু অমুক্‌ কাকা কৌবনু। ঐদিনে নঙ্গী কাকা নত্তে, ঐদি চণ্ডালনি, ঐনা নঙ্গী * কাল ওইনা লাক্লিবনি। কপ্পা

কৃষ্ণা। কবি হায়বা, কাকা?

বলে। হা ঐগী কুললক্ষ্মি! হে পৃথিবি, নংনা অনি থোক্না চেক্‌খাইবগা ঐঙোন্দা লৈফম্‌ পীযু। কপ্পা

কৃষ্ণা। মথুৎ পায়বা করিদোবে, কাকা, অথুক্‌ পাখৎপিরিবা করি-গীনো?

বলে। কৃষ্ণা, ঐ নঙ্গী প্রাণ লৌগে লাক্লম্লিবনি।

কৃষ্ণা। কবিগী, কাকা, নহাক্কী কাদা ঐনা করি অপরাধ লঙ্‌জখবে?

বলে। মেমা, নংদি স্বয়ং কমলাগী অবতারনি। নংনবু অপরাধ করিনো হায়বহুবু খঙববা? কপ্পা মরুদেশগী রাজা মান-সিংহ অহুগা জয়পুরগী রাজা জগৎসিংহ,—অনিমক্না প্রতিজ্ঞা অসি তৌখয়ে,—নহাক্‌পু বিবাহ তৌগনি,

* যম

নত্রগা উদয়পুরীবু ভস্মরাশি শাহন্নগা রাজ্য অসি লণ্ডভণ্ড তৌগনি। ঐখোয়গী হৌজিক্ করি অবস্থানো হায়বদুদি নংদি মুন্না খণ্ডিও! মরম্ অদুনা—

কৃষ্ণা। কাকা, ঐখোয় পাবুঙ্গীস্ত্র ইচ্ছা অসিন্না,—

বলে। মেমা, ঐনা অমুক্ করি হায়সিগে? শ্রীযুৎকী য়াথং নত্তনা ঐনা চণ্ডালগী কর্ম্ম অসিবু তৌনবা হোৎনদরা?

কৃষ্ণা। অওইবরা? অদুদি মসিগীদমক্ নহাক্না অদুক্ ব্রাবিরিবা করিগীনো? কাকানা পাবুংবু অসিদা অমুক্তং কৌবিরু। ঐ মহাক্কী স্না চরন্দা মপোক্ অসিগী ওইনা বিদাই-জগে। কাকা, ঐ রাজকুমারীনি। রাজেন্দ্র ভীমসিংহগী কন্যানি। নহাক্না বীরসিংহ। নহাক্কী নয়াম্বগী মচানূপী-ঐনা মৃত্যুবু কিদোবা? আকাশদা মেওনা পূংয়ৈবা আদু তাবিয়ু। কাকা, অমুক্তং আদগী থোঙলোম্দা মুন্না য়েংবিয়ু। অঃহা। কয়াদা ফজরব রূপনো! মহাক্নিনি পদ্মিনী সতী। মহাক্না ঐঙোন্দা মসিগী মমাঙদা অমুক্‌খক্ উৎপি-রম্লে; জননি, নঙ্গী দাসী লাক্‌চরে। য়েঙু, কাকা, মন্দির অসি খুদক্নিদা নন্দন কাননগী সুগন্ধনা হাহা-লাউরে। অঃহা! কয়াদ ফরব লাইবক্নো ঐগী! নেপথ্যদা থোঙ্গী শাউম্

বলে। কৈনোসিদে? কৈনোসিদে?

রাজাগী মতুং মতুংদা মন্ত্রী চণ্ডলকৃপা

রাজা। অঙাওবদোনা কোয়েং কোয়েং য়েংবা

মন্ত্রী। কৃষ্ণাবু উরগা মথন্তদা সিদি, অদুদি হৌজিক্‌ফাও লোইদ্রিদনা। আঃ! রক্ষা ওইরসনু! চণ্ডশিল্লগা বলেন্দ্রদা লোন্না

রাজকুমার, অমুক্ কবি য়েংবিরিবা ? সর্ব্বনাশ থুংলরব্দা ! মহারাজ খঙহৌদনা পূমভাও ভাওরক্লে।

বলে। করি হায়রবা ! সর্ব্বনাশ ! রাজা কিদা যাওদনা কথা হাই ! হাই ! করি থোক্লবা ! অহুদি মন্ত্রি, নংনা মহাক্পু অসিদা পুরক্লিবা করিগীনো ?

মন্ত্রি। করিদৌনি ? মহাক মশামন্না অসোম্দা লাকপিরিবনি মরম অহুনা, মহাক্না লোয়নহুনা ঐশু লাক্পা তাবনি। কনা খঙনি, অৈ কদায়দা চৎখ্রবদি। অতুগা অমসু খল্লগী, মহারাজগী অবস্থ। অসি ওইরবসিদা অরুব পাপ-কর্ম্ম অসিগী অমুক দরকাব করিনো ? অহুনা মনাও-ইবুঙোদা নিবেদন তোগে লাক্পনি। মসিগী মতুংদা ঐগী লাইবক্তা অরৈব থোক্লসণু। হাই, হাই, বাজ-কুমার—

রাজা। বলেন্দ্র ! ছি ভাই ! অসুম কর্ম্মসু তৌবা ! হৌগৎ হৌগৎনা কৈদৌরিবা, কৈদৌরিবা ? নত্তে, নত্তে-নত্তেনা-- মানসিংহ, মানসিংহ, মানসিংহ ! হুম ! মহাক্পুদি হৌজিক্-মক্ হাত্তোকনি। ঐ চৎলেসে। থর চৎপা অসিনিদনা ঐগী কৃষ্ণা ! করিগানো, মেমা ? করিগীনো ? ইবেম্মা অমুক্তং বীণা খোঙ্দো। মেমা, ঈশৈ অমতা শক্উ। আ—হাহা-আহু, আহু—হা ঐগী কুললক্ষ্মী ! নং কদায় চৎখ্রবনো ? * কপ্পা

কৃষ্ণা। রাজাগী অবস্থাসি বানা খল্লুনা কাকা, পাবুংনা অসুম তৌবিরি-

* ভীমসিংহগী অঙাওব-অবস্থা সেক্সপীয়রগী লীয়রগী মতৌনি।

ৰসি কবিননো ? পাবুং, কবিনু লৈতবা বিষয় অসিগীদমক্
অমুক্ ৱাবিবিবা কবিগীনো ? জীব মখৈসি যমগী
মথা পোল্লি। মসিদা ৱারুছুনা করি কাম্ননি ? জীবন্দি
কদোৌঙৈদমু মতম্ কুইনা লৈতে। ঙসি শিক্তগা হৃয়েং
মশিগনি। জাতীগী সন্মান বক্ষাগীদমক্ প্রাণ-দান্দগী
হেন্ন অতৈ কবি পূণ্য কৰ্ম্ম লৈবি ? আকাশদা মেঙনা-
পুং মৈবা আত্থ তাবিনু ? বাজসতী পদ্মিনীনা ঐবু কৌবিবি।
মহান্না অসিগী মমাঙদা ঐঙোন্দা মঙদা উৎপিছুনা
হায়বিবম্মী, "জাতীগী সন্মান বক্ষাগীদমক্ মশাগী প্রাণদান
তৌবী যুবতীবু লুনা তৌবগী সীমা স্বর্গলোক্তা লৈতে।"
পাবুং, দাসী অসিদা জন্ম অসিমগী ওইনা বিদায় পীবিযু।
অন্তকাল অসিদা ইমাগী চবণ অনিহু ঊবা ফংদ্রেদো,
মুঙাইতবা অসিমদি পুক্নি দা লৈরেদো! কপ্পা

বলে। হাযহৈদে, মেমা, ছি! নং অ্সুব্ৱাহৈশিংদো চিন্দা পম্নদা!
নঙ্গী শক্তগী অন্তকাল লাক্লমু।

কৃষ্ণা। কাকা, বিধাতানা লাইবক্তা মৃত্যু ইবিদব জীব অমত্তা
লৈতে। অদুবু পুম্নমক্তা ভাগ্যদা মৃত্যু মিংচৎ পীবা ওইদে।
পাম্বী কয়াবু মীনা কঙনা মৈ থাদোকৃই, অদুবু অমুক্
কবি কবিঙুম্ন পাম্বাগী ডনা দেব মূর্ত্তি শানৈ। জাতি
মান-বক্ষাগা অমদি মীগী উপকাবগীদমক্ প্রাণ্ থাব মীবু
মতম্ কুইনা নিংশিংনৈ।

বলে। নং, ইবেম্মা, অতুম্ন ৱাদো অমুক্ হায়রমু। নংদি ঐখোয়গী

জীবনগী লৈজবপূম্বনি। নঙোন্দগী হেন্না রাজপদ অসিনা পান্মুগদ্রা?

কৃষ্ণা। কাকা, অতুম্ব ম্রাহৈদো চিন্দা পম্বিগনু। নহাক্লা ঐবু অঙাং ওইরিঙৈদগী প্রাণদোনা মুংশিবি, অতুনা নহাক্লা হৌজিক্ ঐগী অপরাধ পূম্নমক্ ঙাক্পিতুনা ঐঙোন্দা বিদায় পীবিযু। পাবুং, নহাক্তি নরপতিনি; বিধাতানা জীব লিশিং-লখা য়োন্ননবগীদমক্ নহাক্পু রাজপদদা হাপ্লিবে; অতুনা মখোয়গী অন্না-মুঙাইবা কাউবা নহাক্লা কবিমতা হৌনদে। নহাক্লা দাসী অসিদা জন্মসিগী ওইনা বিদায় পীবিযু। তুমিন্না লৈবিরিবা কারগীনো? ঐনা করি অপরাধ তৌখ্রুনা নহাক্লা অমুক্ ঐঙোন্দা ন্না ঙাঙ্‌বি-দ্রিবা? ইপা ইবুঙো, নহাক্লা য়াম্না চাম্ব নচা নূপীদা হন্দক্তি অরোইব আশীর্ব্বাদ তৌবিযু, সংসার-যন্ত্রণা অসিদগী কোক্চতুনা স্বর্গপুরীদা চৎপা ঙমজগে। চরন্দা তুবা

রাজা। মসি নত্রা মানসিংহগী দূত? ফুত্তানি অমুক্ তৌবিবা, ঐবু ফাগে হায়বিবা?

কৃষ্ণা। তোগংলগা করিগীনো, ইপা ইবুঙো, ঐনা নহাক্কী কাদা করি অপরাধ তৌখরে?

রাজা। করি অপরাধ? ঐগী কাদা নম্থাক্ তৌবা? চৎখবো, চৎখোক্খরো!

মন্ত্রী। কৈনোাসিদে, সর্ব্বনাশ!

কৃষ্ণ। হা বিধাতা, ঐগী লাইবক্তা মসি তম্নম্নবা? মতম্ অসিদা ইপানম্নু মমায় লৈথোক্পিখ্রবা? কাকা, ঐনা পাবুঙ্গী

কাদা কবি অপবাধ তৌখ্রদুনা মহাক্না ঐবু শাউবিবিবা ?
, কান্দা মেঙ্না পুংথৈবা আঃ ঐ লাক্লে লাক্লে ! —কাকা,

অহ। নহাক্কী চবণ পায়জবি চরন্দা তুবা নহায়ক্না ঐঙোন্দা বিদায় পীবিযু।

বলে। হৌগৎলো মেমা, ছি। মথুং পাযদুনা হৌগৎপিবা নংদি ঐখোযগী জীবনগী লৈজব পূম্বনি! নঙোন্দা বিদায—
আকাশদা মেঙ্না পুং থৈবা

কৃষ্ণা। জননি, লাকুচবে ঐ লাকুচবে। খুদঙাগ ঙনা যাম্বা অদুগা শংযাথক্কা পাবা

পুয়মঞ্জ। কৈনো, কৈনো, সর্বনাশ। কৈনো, সর্বনাশ।

বলে। হে বিধাতা, নঙ্গী মনঃদা মসি লৈবম্বা। হে পবমেশ্বব, ঐখোযগী কবি তৌবিবে! ইবেম্মা, নংনা ঐখোযবু থাঙ্গ-শেংনমক্ থাদোক্লবা! হাই! হাই! কপ্পা

তপস্বিনী চঙশকপা

তপ। কবিনোসিদে? যেংলগা সর্বনাশ! বাজকুললক্ষ্মী অসি অবস্থা অসিদা কৈদোববা? হাই, হাই, মণি-প্রদীপ্ অসি কনানা মুথৎশিববা? হাই, হাই! কপ্পা

বলে। ভগবতি, ঐখোযগী কবি থোক্লনি! সোম্‌দা অসিনি, অদুগা অসোম্‌দনা মহাবাজগী দশা উবিববনা? আহা হা! য়াম্বুং, নহাক্কী ভাগ্যদা অসি লৈবম্লনা! ভগবতি—

গা। কৈদোবে, কৈদোবে? মহাবাজগী কবি তৌববগে? মহাক্ মতম্ তৌবিবা কবিগীনো?

ভগবতি, পুন্নমক্সি ঐগী লাইবক্না তৌবিবনি! মহারাজ

খঙহৌদনা মহাপাগল ওইরক্লে।

তপ। কৈদৌদনা? মরম্ করিনো? প্যাং

অহল্যা দেবী কল্লা হোচ্ছিল্লক্পা

অহ। নেপথ্যদগী কদায়? কদায়? ঐগী কৃষ্ণা কদায়দনো। য়েংলগা কৈনোসিদে? ঐগী কৃষ্ণা মতৌ অসুম্না লৈরবা, কৈননো? এঁ! হাইমা, ঈ-নিনা। মহারাজ কনানা মসুম্ তৌবিরবা?

তপ। মহিষি, মহাবাজদা অমুক্ ইবেম্মনা করিগী হংবিরিবা? মঙোন্দবু অমুক্ মহাক্ লৈরিবরা?

অহ। অত্নদি মহাক্না কম্ম' অসি তৌরমাল্লে। হাইমা, ঐগীদি সব্বনাশ শাবেদনা! কৃষ্ণাগী মশক্ য়েংহুনা কপ্পা অঃ হা! ইচাসে সনা উরীগুম্না তাহুনা লৈরে। হা মেমা, কৃষ্ণা, নঙ্গী অভাগিনী নমা ঐ লাক্কুনা কৌরি। ইবেম্মা, নংনা ঐঙোন্দা করি অপরাধ পীরম্মগা চৎখ্রবা, মেমা? হৌগৎলো, মেমা, হৌগৎলো। ইবেম্মা, মেমা, নংনা ঐবু শাউরবরা? কপ্পা।

কৃষ্ণা। স্বর তপ্পা ই—মা,—লা—ক্ল—ব—রা? ঐ-ঙো-ন্দা—খুয়া উফল্ পীয়ু। ই-মা, পাবুংনা ঐবু য়াম্না শাউবিরে,— নংনা মঙোন্দা ঐগী দোষ পুম্ব ক্ষমাবিনবা হায়ু। ইমা নঙ্গী কাদম্ব বিষয় অয়াম্বদা ঐগী অপরাধ লৈরিবি পুম্নমক্ অহু ক্ষমাবিহুনা ঐঙোন্দা জম্মসিগী ওইনা বিদ' পীয়ু। ইমা নঙ্গী দুঃখিনী নচা অসিবু অসিগী মতু

অমুক্ অ-মু-ক্তং নিং-শিং-বি-য়ু। মৃত্যু—আকাশদা মেঙনা পুং য়ৈবা

অহ। মেমা, নংনা কবি অপবাধ তৌখ্রবা, ইমাইবেম্মা! কপপা কৈনো সিদে? ইমাইবেম্মা তুমিন্ লৈববরা? মেমা, কৃষ্ণা ইমাইবেম্মা—ইবেম্মা—মেমা। মূর্চ্ছা

তপ। করিনো অমুক্ তৌবিরসিদি?—বাজমহিধী খঙহৌদনা জ্ঞান তাখিদবে। মহিষি, লেঙখংলু, হাই, হাই। অমুক্তো-ইনা ওয়মক্ ছাবখাব শাববা?

অহ। জ্ঞান তাংক্কুনা ভগবতি, ঐনা মঙ্—মহাবাজ, কর্ম্ম অসি কনানা তৌবনো? ইনাও ইবুঙ্গো, নং মক্না হাযদ্রিবা করিগীনো? কৈনো হুদে? তোংংলগা নখোয় পূন্নমক্ তুমিন্না লৈববা?

বাজা। আঃ! চঙশিংগা মহিষীনিনা? মখুৎ পায়দুনা য়েঙু, নং ঐগী কৃষ্ণাবু উববা? কদায?

অহ। মহবাজ, নংনা নখুৎ অংনা ঐঙোন্দা শোক্কু। নঙ্গী খুত্তা ঐগী কৃষ্ণাবু ঈপক্তুনা লৈবি। মহারাজ, ঐ নঙ্গী নফমদগী ভন্মসির্গী বিদায় লৌবে।

কন্না চথোক্খবা

মন্ত্রী। ভগবতি, অমুক্তং লেঙবিয়ু, মহিষী কদায়দা লেঙখ্রবা য়েংবিকদো। ওপাম্বনী থোক্খিবা

রাজা। মহিষি, কদায়দা চংলিবা? কদায়দা চংলিবা? চংখ্রবা, চংখ্রবা. চংখ্রবা? নহাক্সু চংখ্রবা! কপ্পা হা কৃষ্ণা!

হা কৃষ্ণা! হা কৃষ্ণা! ঐ লাক্লে ইবেম্মা, ঐ লাক্লে।
ভাই বলেন্দ্র, কৃষ্ণা!—কৃষ্ণা! ঐগী কৃষ্ণা! কপ্পা

মন্ত্রী। রাজকুমার, ঐদি মতম্ কুইনা বংশ অসিগী নবাল্লা
লৈজরকৃপনি, ঐনা মমৈদা মসি উজবা তারেদো। কপ্পা
অন্তঃপুরদা কপ্-লাউবা, তপস্বিনী অমুক্ হল্লা চঙলকৃপা।

তপ। হাই! হাই! কবিনো তৌবিবসে! রাজকুমার, রাজ-
মহিষীশু স্বর্গারোহণ তৌবিখবে। হাই, হাই! ঐনা অসি-
গুম্ব সর্ব্বনাশ কদায়দগু উখিদ্রি। মসিবু বিধাতাগী সামান্য
নিন্দারা? হাই, হাই!

বলে। মন্ত্রি, অতৈ কবি? পূম্নমক্ লোইরেদনা। কপ্পা হাই,
হাই! হাই! মৃত্যুনা ঐবু কাউবিবমাল্লে? য়াম্বুং, আহু,
য়েংবিযু, ঐখোয়গী রাজকুললক্ষ্মী * মহানিদ্রাদা লেক্-
থহুনা লৈবিরি। রাজ্য অসিদা কবি অমুক্ দরকার
লৈরি? হাই, হাই!

রাজা। বলেন্দ্র, ভাই, কৃষ্ণা! কৃষ্ণা!—ঐগী কৃষ্ণা।

বলে। আ হা হা! য়াম্বুং, নঙ্গী জ্ঞান লৈতরে, নংদি মসি
করিমতা খঙবা ঙমদবে। হাই, হাই। অদুনা, ভাই,
মসি নঙ্গী নবাইবক্ হৌবা হায়বা ভাবেদনা। হাই,
হাই। অসিগুম্ব সময় অসিদা জ্ঞান লৈবদগী অজ্ঞান
ওইবনা হেন্না ফৈ। যন্ত্রণা অসিবু খাঙবা য়াবরা? কপ্পা

সত্য। রাজকুমার, অমুক্ ব্রাকহুনা অরেপ্পনি! মহারাজবু মক্কম্

* শিবা

অসিদগী পুন্থনা চৎলসি। অহুগা লেঙবিরক্লো, বিষয় অসি-গী করি তৌগদবা খন্নহুনা য়েংসি। সোম্গীদি ঙম্নমক্ লোইরেদনা। হাই, হাই! হে বিধাতা, নহাক্কী কয়াদ ঙক্খুব লীলানো! লেঙবিরক্লো রাজকুমার, অমুক্ পন্থরুহুনা করি কান্ননি।—

যবনিকা থাদবা।

ওঁ তৎ সৎ। শ্রীকৃষ্ণার্পণমস্তু।

ওঁ শান্তি! শান্তি!! শান্তি!!!

সাগর রস রন্ধ্রেন্দু খৃষ্টাব্দগী বেদ থাগী ব্যোমেন্দু তারিক্ চন্দ্রবারদা নাটকানুবাদ লোইবা।
